মণিপুর অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি

([illegible])

[illegible]

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম

মণিপুর অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি

(অহানবা শরুক)

অইবগী থোকখিবা লাইরিক : অশম্বা ভারতকী কাব্য কাওলোন, ২০০৬।

মণিপুর অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি


(অহানবা শরুক)

ডাঃ হাওরোংবম রাজমনি

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম

২০০৫

Manipur Amasung Manipuri Sanskriti (Ahanba Sharuk)
A book on Manipur and Manipuri Culture (First Part) by Dr. Haorongbam Rajmani,
First Published in Cachar by Manipuri Sahitya Parishad, Assam in 2005
Pp. xii + 88 Price Rs 100 00



Cover Design . Mutum Dinamani Mangang

অহানবা ফোঙবা ঃ মার্চ, ২০০৫
লাইরিক মশীং ঃ ১০০০
অফোঙবা ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম।
টাইপ সেত্তিং ঃ কালা প্রিন্টিং পার্ক্স, লক্ষীপুর ফুলেরতল, কাছাড় ঃ আসাম।

মমল ঃ লুপা ১০০

পাম্বৌগীসু গুরু

গুরুশিংগীসু গুরু

মায়চৌশিংগীসু মায়চৌরেণ

ঐহাক্কীদি ইধৌ

পদ্মশ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র

সাহিত্য অকাদেমী ফেলো এরাওর্ডীগী খূয়াদা

ৱারোল অয়া

ডাক্তর হাওরোংবম বাজমনিনা ইবা "মণিপুর অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি (অহানবা শরুক)" কৌবা লাইবিক অসি মণিপুরী জাতিগী মশক অমসুং নাৎপু শন্নপা মশক তাকপা লাইরিকনি। লাইবিক অসিদা মণিপুরগী হান্না মমাংঙৈদা থঙনরম্বা অমসুং হৌজিক খঙনবিবা মিংথোলগী মৰমদা উৎলি, লোয়ননা ওমথৈগী মতাংদা থিজ্ঞ হুমজদুনা অহানবা [illegible] ৱারোল খব অইননা উৎলিনগসি কান্না মরু ওইবা অমনি। লৈরাক অসিগী মনাং মখা তন্না মৈতৈ নিংথৌশিংনা পানিঙৈ মতমদা মখোয় মখোয়গী মপান্থোম মপাঙ্গলতনা মী [illegible] চৎদুনা লৌশিনখ্রম্বা লমদমশিংগী লমথৈ পুথোক্লুনা নৈনরি।

অতোপ্পা মনীগুবা পন্দুপতা সাইন্টিফিক এপ্রোচতা মৈতৈ জাতিগী মশক তাকুনা [illegible]নি। [illegible] পানদা 'মা' হাবা [illegible] পানবা কাঙলুপশিংগী হৌবকনমগী। [illegible] ওইদুনসু মণিপুরদা মাঙইনা [illegible]। অহানবা ওইনা [illegible] চক্কা মতুং তানা মনায় ওইনা অমসুং [illegible] মৈতৈগী [illegible] উৎলি। [illegible] লৈরাকশিংগী নংমদা [illegible] লোয়ননা উৎলি।

[illegible] মৈতৈলোনা [illegible] হৌজিক চৎ[illegible] লৌবদ মশী[illegible] তোঙান তাঙনবা খূদম চাংদম পীদুনা নৈনবি। অদুগা ময়েক্কী খোঙ্খোকী মতাংদা সাউথ ইষ্ট এশিয়াদা ডাঙনরিবা লোনগী মযেক্কা খোঙ্খোক কয়ামবম চাংদম্নদুনা তাক্লি।

মণিগুবা পন্দুপতা মৈতৈ মশাগী ওইবা লাইনীং লীচৎকী মতাংদা মশাক তাকুনা হোৎনরি। মৈতৈ জাতিনা হিন্দু লাইনীংলোন লৌখ্রিঙৈ মতমগী লাইনীংলোনগী শরুক অমা মপুঙ ফাবমক নৎত্রবসু মশাগী লাইনীং লীচৎ লৈজবম্মী হায়বদু ফাওবদি তাক্লি। মতাং অসিদা কবি থাদা কবম্বা লাই খুবমগদগে অমসুং শিবগী মথৌ মঙম তৌবগী লমদাংদা নৈনদুনা চাওবাকপা লাইনীংলোনগী লাযাৎ অমা পুথোক্লি।

লাইরিকসিগী অচৌবা কয়াৎ অমা ওইনা মঙাশুবা পন্দুপতা মৈত্রবাক্কী ইতিহাসনা হৌরকপদগী খৃষ্ট ১৮৯১ ফাওবগী লৈঙাক্লোনগী শক্তম অমা শাগৎলি। মতাং অসিদা করম্বা করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা কবি করি ফম হাপখিবগে হায়বনচিংবা কৃপ্পা নৈনরি।

তরুকশুবা পন্দুপ্তা 'লাল্লুপ' হায়বা লৈবাক মীয়ান্না মশানা য়ানা লৈঙাক্লোনগী লমদাংদা মশাগী থৌদাং পুথোক্তুনা লৈবাক-থৌগায় য়াবসিনা হেক হৌরকপদগী লৈঙাক্লোনগী মথবায়-মমি ওইদুনা লাক্লিবনি হায়বসি খঙনা অইবসিনা পুথোক্তুনা উৎলি।

তরেৎশুবা পন্দুপ্তা খুনাইগী শেন্দান-শেনচৎলোনগী লমদাংদা মৈতৈগী ফিশা-লোনশা অমসুং ফিজেৎ-লৈতেংগী মতাংদা নৈনরি। মৈতৈনা মতৌ করম্না করম্বা মতমদগী ফিশা-লোনশাগী ৱাখল লৈরকই লোযননা ফৈজোম, কোয়েৎনচিংবা মখল কয়া থোক্লা খায়দোক্তুনা শেৎন-য়েৎনরম্মী হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি।

অরোইবা পন্দুপ ওইনা মীওইবগী খুন্নাইগা থাদোক্লবা যাদ্রবা 'লৌন-লৈনবা' হায়বা অকুপ্পা নিয়মসিগী মতাংদা খবা মখৈ পুথোক্তুনা উৎলি।

মথক্তা পীখ্রিবা ৱারমশিংসি অইবনা লৈচন ওইনা পুথোক্তুনা মৈতৈ জাতিগী মচৎ মনাৎ, লোন-ময়েক্লচিংবগী মশক অমা তাক্লি। মসিমক মৈতৈ হায়বা জাতিগী মীওই খুদিংমক্তা তঙাইফদনা খঙদ্রবা যাদ্রবা অমনি হায়নীংই লোযননা অইনবুসু মথাক্তা কৃপথ্র-লুখ্রবা হীরমসিদা খুৎ থাবগীদমক পাগৎতবা ঙমদে। অমক্তা হন্না পায়খৎত্রিবা হীবম কয়াদা পাক-শন্না খুৎ থারক্লগদি মণিপুর অমসুং মণিপুরীগী ওইনা অচৌবা কান্নবা হায়বদু ওইগনি। তৌরকপসু ওইসনু।

ব্রহ্মপুর, থাঙ্গপাৎ মপান, ইম্ফাল
১৭-০২-২০০৫ ইং

বি. কুলচন্দ্র শৰ্ম্মা

অফোঙবগী বাহৈ খরদং

ডাঃ হাওবোংনম বাজমনিগী "মনিপুর অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি" (অহানবা শরুক), মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ আসামনা পুথোকচরি। অইবনা যাম্না মতম চঙনা হোৎনদুনা মণিপুর অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতিগী মরমদা মরী লৈনবা লাইরিক লাইশু অমদি চে চাং কয়াম্বোম লোনদুনা লৌশিংগী ওইবা মীৎযেং কয়া থম্বিদুনা ইবিবা লৈন লাইরিকসিনা শোযদনা অপাবশিংদা কান্নবা হেক পিবা ভম্মবদি ফোংজরিবা ঐ খোমগী হোৎনজমল মহৈ যাম্লে খনজাগনি লাইরিকসিদা ফোঙদোক্লিবা অইবগী মীৎযেং খুদিংমক্কী রেসপোনসিবিলিটি অইবগনি।

লাইরিকসিবু শোযদ-ভামদনা, চেকশিন্না নমথোকতুনা পুথোক্লবা লাক্লিবিবগীদমক হাওবোংবম লোযাবাকপা, কম্পোজিটর কাংলা প্রিন্টিং বার্ক্সপু পরিষদকী মায়কৈদগী থাগৎচরি

শিলচর
০৪/০৩/০৫ ইং

এম. সূর্য্যকুমার শার্ম্মা
জেনরেল সেক্রেটারী,
মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসাম

রাহৌদোক

মৈতৈ মচা অমা ওইরুবনা হৌবকফম লমদম, ইমা লৈবাক ইজাতিবু নুংশিজরুই। খঙনীংলুই হীবম খুদিংমক ইরৈবাক ইজাতিগী, খঙদবা য়াদবগী তঙাইফদবসু ওইরকখি মীতোপশিংগা পুন্না তিন্ননা লৈমিন্নরুবনা। ৰাহং কয়াসু হংলকখি মীতোপশিংনা ইরৈবাক ইজাতিগী মরমদা, খুম্বা ঙমদদুনা মায় ঙাংখিবসু কয়ানি। অসিগুম্না ইকায়বা নংখিবগী খুদোংথীবা অসিদগী ইশাদা খঙনীংলুবগী ইহন্না থিজিনজরুবা খরগা, ঐগী ইথৌ পদ্মশ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রগা চহী ১৫/১৬মুক লোয়নজরকপগী মহৈগা পূনশিন্নগা ইজখিবা লাইরিক্নি।

লাইরিক অসি মপুঙ ফানবা হেৎনজবকপদা অরাম্বম বোমাবাইনা পুক্নীং থৌগৎপিবা অমসুং মচাক কয়া খোমজিনবদা মতেং পাংবিখি। অদুগ ঐবু ইথুৎ পায়দুনা তম্বীবকপা ওজা এলাংবম দীনমনি অমসুং ওজা ওইনাম ইবোচাউবনা লাইরিক অসিগী মরমদা পাউতাক কয়া পীবিরকখি। মসিমক্তা ঐঙোন্দা চেকশিনবা হায়বদু ওইহনখি। মথংদা ঐবু চহী ১৫/১৬কী মমাঙদগী মচাগুম্ন নাওকোননিংকুনা হীবম খুদিংমক্তা এশেংয অঙাম, অরাং-অপা কয়া মেনশিনবিখিবা ঐগী ওজা পদ্মশ্রী শৌগ্‌হিজম থানিলনা পাউতাক কয়া পীবিবগা লোয়ননা লাইরিক অসিগী মতাং খরদা অরাংপা মেনখৎপিখি। ঐগী ইথৌ পদ্মশ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রনসু অবিবা মেন্যাঙ্কপু কয়া পাহনবিবগা লোয়ননা লাইবিক অসিগী তাংকক খরদা পামিন্নদুনা শেমদোক শেমজিন তৌমিন্নখি। মথংদা ওজা ব্রহ্মচারিময়ুম কুলচন্দ্র শর্ম্মানসু অবিবা লাইবিক কয়া পাহনবিখি, লোয়ননা লাইবিকসিগী মরমদা বাহৈ অমনিদ ইবিয়ু হায়জকবদা ওবাম তরাম্ন ইবিরকই। অসিগুম্বা ময়াম অসিগী মতেং নংলমদ্রবদি লাইরিক অসি মপুং ফাবা ঙম্নব্লোই লোয়ননা পুম্নমকপু তৌবিমন খঙবা উৎচরি।

ঐগী লাইবিক *মণিপুর অমসুং মণিপুরী সংস্কৃতি (অহানবা শরুক)* হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি ফোঙদোকপগী দায়িত্ব পুম্নমক মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসামনা লৌবিবগীদমক মতম লৈবা খিবিক্তা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসামবু কাওজরোই।

বনতারাপুর, কাছাড়।
তাং১৪/০২/২০০৫ ইং

হাওরোংবম রাজমনি

হীরম - লামায়

অহানবা পন্দুপ

মৈতৈ লৈবাক্কী মিংথোল অমসুং ঙমখৈ

মিংথোল

মৈতৈ লৈবাক [illegible] তোঙানবা লাইরিকশিং দা তোঙান-তোঙানবা মিং [illegible] মতমদা [illegible] "প্রাইরে [illegible]" [illegible] লাইরিক অসিদনা [illegible] "সুরা পালনি" [illegible] হায়না পল্লম্মী

মণিপুর হায়না কৌখিবগী মতাংদা অসুম্না পল্লি

> [illegible] শাগৈবেনসুং নুমিৎ মথমনুংগী মনি নোংলুম যাইবংচানবু ওইনা খুনওসনে হায়বে। অতুসুং মদোমদে। [illegible] মযায় কোযবেন অহোবনসুং মালেম লযবোন ফাওযে। অসুম হায়[illegible] পাউখুম্না অসিবু কোনুং অরায়বা ৱাংঙম অচম্ববু নত্তে। লৈবাক মমি থোংদি মণিপুর লৈময়োন হায়না মিংথোনসে।[৩]

মথক্কী ৱাফম অসিনা তাকপদি মণিপুব হায়না খোর্নাখবসি শান্তদাসনা থোনখিবনি হায়বসি তাকই। অদুগা *শাতিং শাকোক* হায়রিবা লাইরিক অসিদা নুংগোইবীগী মনাক তাইপোং থোঙগী মরক অদুদা য়াই মণি কৌবা অমা লৈ হায়বগী মণিপুব কৌবনি।[৪]

অদুগা লমদম অসিবু অতোপ্পা য়ুমথংনবা লৈবাক্কী মীওইশিংনা হায়বদি- ঔৱানা

১। এম কে শমচেৎ শাবা (সম্পাঃ), *শৌবোল লাইরেম্বী* (শলুংফম শলুংফম কালা মেমোরিয়েল ম্যোনুস্ক্রপ্ট লাইব্রেরী, ২০০২), লাঃ ২৮।

২। খুলেম চন্দ্রশেখব (সম্পা), *শাকোক লমলেন অহানবা* (ইম্ফাল ওল মণিপুব উমংলাই হবাউবা কমিটি, ১৯৯২), লাঃ ৬,৭।

৩। ওইনাম ভোগেশ্বর (সম্পা), *সনামহি লাইকন* (ইম্ফাল তাম্রা পাব্লিকেসন্স, ১৯৯৫), লা ৪৯, ৫০।

৪। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, *অরিবা মণিপুবী সাহিত্যগী ইতিহাস* (ইম্ফাল চিবোম য়াইমবী দেবী, ১৯৯২), লা ২, ৩।

'কতে', কাছাড়ীশিংনা 'মোগলী', তেখাউ হায়বদি আসামিজশিংনা 'মেখলী' হায়না খঙনবস্মী হায়না পেম্বরতন্না ফোঙদোক্রস্মী

> The country inhabited by the Muneepoorees is by the Burmahs called Kathe, which term they equally apply to the people by the inhabitants of Cachar it is named Moglie by those of Assam, Meklee, and by the Shans or those who inhabit the country east of the Ningthee or Khyedwen river it is known as Cassay, of which term the Burmese word Kathe is a corruption [৫]

ঙমখৈ

ঙল্লিঙৈ মতমদা মৈতৈ লৈবাক অসি তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ তরেৎনা তোঙান তোঙানবা মফমদা পাল্লস্মী। মদুদি - (১) সাবাং লৈশাং, (২) হাওবোক কোনথৌ, (৩) উরোক - উশাই, (৪) থাঙঙা - কম্বোং, (৫) খুনফম - ঙাংজেং, (৬) হৈরেম খুনজান, (৭) লোকখা হাওখা। মসিগী মতুংদা ঐখোয়না খঙনবিবা য়েক তরেৎকী নিংথৌশ তোঙান তোঙানবা মফমদা পাল্লস্মী। অদুগা হৌজিক ঐখোয়না খঙনিংবা কঙলা অসিদা খুষ্টনা পোকত্রিঙৈগী মতমদা খাবা সলাইনা পাল্লস্বগী রাফম থেংনৈ অমসু খঙং। হাঙানবা শতকদা হৌগৎলকপদা নোংদা লাইরেন পাখঙবনা সোবরেন তাবা অমম হাংদিং ৩৩ কম্বাংচ লৈ নিংথৌ খাবগী নিংথৌ খাবা নোংজেংবলাচিংবু মাযথাবা পীবগী শংলাদা ফম্বাল তোংখি।

মঙাং লোইজিং ফৌওইচীং হায়বিবা মফমসিদা মঙাংশিংনা পাল্লস্মী মঙাং নিংথৌ পুন্সিশ হায়বা মঙাংগী থোইদোক্লা মমিং চৎপা নিংথৌ অসি মফম অসিদা পাল্লস্বনি। নিংথৌজাগী নিংথৌ তোঙনেন যোই খুঞ্জও (নাউথিংখোং) না লোইজিং ফৌওইচীংদা লান্দাদুনা মঙাং নিংথৌ কোনখুববু মাযথাবা পীদুনা মঙাংশিংবু নমথখি।

লুৱাং লোইজিং কৌব্রু অমসুং লাঙ্গোল চীংনা কোনশ লমশিং অসি লুৱাংশিংনা পান্দুনা লৈবস্ম মফমনি। অদুগা মণিপুরগী অতোপ্পা লমদা ফুনান চীংদা তাযবদি লম্মংদোংদসু লুবাংশিংনা পাল্লস্বগী রাফম থেংনৈ। ফুব্বপ অসিগী থোইদোক্লা মতিক মথৌন লৈবা

৫ আর বি পম্বরটন দি ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র ওফ ইণ্ডিয়া (নিউ দিল্লী মিত্তল পব্লিকেসন্স ২০০০) লা ১৯ ২০।

৬। নাইশাংথেম চন্দ্রসিং মণিপুরী সংস্কৃতি ইতিহাসকী শক্তম থক সভাপতিগী ভাষণ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ৩৮শুবা চহীগী অধিবেষন সাহিত্য ২৩শুবা নশী ইম্ফাল ফেব্রুয়ারী ১৯৭৫।

৭। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, মণিপুরদা পাল্লম্বা মৈতৈ কাঙলুপশিংগী মরমদ নেনবা সাহিত্য ২২শুবা নশী (ইম্ফাল মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ আগষ্ট ১৯৯৪) লা ২।

নিংথৌদি হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা হায়বসিনি। মহাক অসি মৈতৈ নিংথৌ উবাকোম্বোবা অমসুং নাউথিংখোংগী মতমদা লৈবম্বনি। মাগী মতুংদা লুৱাংগী খূৎকন পাঙ্গলবা নিংথৌ পানখিদ্রে। মমৈদা নিংথৌজাগী মখাদা লৈখি।

খূমন - ইম্ফালগী মখা মাযখৈদা যাম্না খূৎকন-পাঙ্গন্না পাল্লম্বা কাঙলূপ অমনি। খূমনগী কোনুং অসি অহানবা থৌবান্দা ওইবম্মী। খূমন নিংথৌ অদোন লাইফেংবনা পানবা মতমদ' থৌবান্দগী ফেন্তা লৈকোযপুংদা কোনুং হোংলকখি। খূমন ফূৰূপ অসি ১৩ শুবা শতাব্দী হৌগৎলকপা ফাওবদা যাম্না মতিক মথৌনা লৈনা পাল্লম্মী। অদুবু মৈতৈ নিংথৌ থৱান থাবা অমসুং খূমন নিংথৌ পুন্সিবা অনীগী মচানুপীগী হাক্তকগী নুংঙাইনদদুনা অকনবা লান থোকখি মদুদ' খূমন ফূৰূপ মবায চাযথবা হৌবকখি। অসূন্না মবায চাযথবকপনা মৈদিংঙু কোংযাম্বগী সনা হাক্তক্তা খূমন নিংথৌ লমযাই কাইথিনবনা ফেন্তা লৈকোযপুং থাদোক্তুনা ইম্ফাল কংলৈদা হোংগৎলকখি। মদুদা মৈতৈ নিংথৌনসু তবাম্না ওক্তুনা লুনা তৌদুনা থমখি অসূম্না খূমন ফূৰূপকী ঙমখৈ অদু নিংথৌজাগী ঙমখৈদা তিনশিনখি।[৮]

মোইরাং মাসসু কংলাগী খা নোংচুপ মাযখৈদা যাম্না মতিক মথৌনা লৈন' পাল্লম্বা ফূৰূপ অমনি ১৫শুবা শতাব্দীগী মথা ওইবা ২তম হায়বদি খৃষ্ট ১৪৩২ দা মোইরাংনা মৈতৈ নিংথৌ পুন্সিবদু হাৎখি। মপা হাৎখিবগী লমন নিংথৌখোম্বনা মোইরাং নিংথৌ সনাহোংববু হাত্তুনা মংসৎ তানখি। অদুগা অমুক মোইরাংনা লান হৌবকপদা মৈতৈনা ঙমখি। অসূম্না মোইরাং ১৫শুবা শতাব্দীগী অহানবা তঙ্খান্দদা মনী তম্বা মাঙখি

অঙোম মৈতৈ লৈবাক্তা মৈদিংঙু চরাইরোংবনা পানবা মতম (খৃষ্ট ১৬৯৭ ১৭০৯) দ' মৈদিংঙুগী মনাই কুমফেন লানচিংবগী মতেংন' অঙোম নিংথৌবু তাম্বোক্তুনা মখোয়গী চোঙনচিংবা মুনখি অমসুং অঙোমগী ঙমখৈ নিংথৌজাগী ঙমখৈদা তিনখিদুনা নিংথৌজাগী মখা পোনখি। মতৌ অসূন্না খাবা, চেংলৈ/শরাং লৈশাংথেম, লুৱাং, খূমন, মোইরাং অমসু অঙোম শলাইশিং অসি নমথনবা মতুংদগীদি নিংথৌজাগী নিংথৌনা মযায লেপ্পা ওইদুনা অপুনবা মৈতৈ লৈবাক হাযবদু ওইখি।

মণিপুৰগী ঙমখৈ অসি কযাম যাম্না পাক চাউবগে হাযবগী মতাংদা অকক্লবা লমখৈ অমা পীবা ঙমদ্রবসু হৌজিক লৈবিবা লমখৈ অসিদগীদি যাম্না হেন্না পাক চাউই। লমখৈ মতাংদা আব বি পেম্বৰতন্না অসূম্না ফোঙদোক্লম্মী

> The tentories of Muneepoor have fluctuated at vanous times with the fortunes of their princes frequently extending for

---

৮। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা), *খূমন কংলৈবোল* (ইম্ফাল অতোম্বাপু বিসার্চ সেন্টৰ ১৯৮০), লাঃ ৫৫ ৫৭।

> three or four days' journey east beyond the Ningthee or Khyer dwen river and west to the plains of Cachar.[৯]

পেম্বরতনগী ৱাফম অসি পদ্মশ্রীখেলচন্দ্রনসু শৌগৎলম্মী। লোয়ননা *নিংথৌরোল লম্বুব*দা মৈদিংঙু মুংয়াম্বনা নির্থ তুরেল ৱাংমা লান্না কবোগী লমগী মুংখোং মুংয়াংদা লান্দাদুনা লৈবাক চাম, নিংথৌ চাম লোই চল্লকই হায়না ইরি।[১০] হায়রিবা মুংয়াং লমদম অসি নিংথিদগী নুমিৎ হুমনি মরিনি ঈশিং লম্মী নৎত্রগা খোঙলম্বীদা নোংপোক্রোমদা চৎলগা লৈর্বনি। অসিতসু নত্তনা মৈদিংঙুগী মজাইবুংঙো সনা হিহোনবনা নোংপোক মাইকৈদা লান্দাদুনা খাকী চৌফা হোংদৈ লান্দা থৌববু ফাদুনা খাকী লৈবাক জয় তৌবদগী খাগেম্বা কৌখি।[১১] মসিনা তাকপদি মৈতৈ লৈবাক্কী লমখৈ অসি খাকী লায়বদি চিন লৈবাক য়ৌরমগনি হায়বসিনি। সার জেমস্ জোন্সটোন্নসু অসূন্না হায়রি :

> The territories of Manipur varied according to mettle of its rulers. Sometimes they held a considerable territory east of the Chindwin river in subjection at other times only the Kabo Valley, a strip of territory inhabited not by Burmese, but by Shan,[১২]

অদুগা নোংচুপকী ঙমখৈদা পেম্বরতন্না হায়রিবসি কয়া য়ান্না চুম্বগে হায়বদু অসূন্না য়েংবা য়াই। মদুদি - উপেন্দ্রচন্দ্র গুহনা ইবা *কাছাড়ের ইতিবৃত্ত*হায়বসিদা অসূন্না ইরি :

> কাছাড় রাজ্য ইতিপূর্ব্বেই দুই অংশে বিভক্ত হইয়াছিল, এক্ষণে তিন অংশে বিভক্ত হইল। এই সময় হইতে ১৮২৩ খৃ: পর্য্যন্ত কাছাড়ের সমতলভাগ ভ্রাতৃত্রয়ের মধ্যে বিভক্ত ছিল। তাঁহারা পৃথক পৃথক রাজধানী স্থাপনপূর্ব্বক রাজ্য শাসন করিতে লাগিলেন। গম্ভীর সিংহ তিলাইন পাহাড়ের পশ্চিমদিক প্রাপ্ত হইয়া গুম্‌রাতে, মার্জিৎ সিংহ হাইলাকান্দি প্রাপ্ত হইয়া ঝাপিরবন্দ নামক স্থানে এবং সর্জিৎ সিংহ তিলাইন পাহাড়ের পূর্ব্বাংশ প্রাপ্ত হইয়া সোনাইমুখের নিকটবর্ত্তী ডুঙ্গুরীরপার নামক স্থানে রাজত্ব করিতে লাগিলেন।[১৩]

মথক্কী ৱাফম অসিদা হায়রিবদি কাছাড়গী গুম্‌রা, ঝাপিরবন্দ, ডুঙ্গুরীরপার হায়রিবা

৯। আর. বি. পেম্বরতন, *দি ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়ব ওফ ইণ্ডিয়া* (নিউ দিল্লী: মিট্টল পব্লিকেসন্স, ২০০০) লাঃ ২০।

১০। ওইনাম ভোগেশ্বর (সম্পাঃ), *নিংথৌরোল লম্বুবা* (ইম্ফাল : সম্পা· মশা, ১৯৬৭), লা: ২৬৪ ৬৬।

১১। মথক্কীসিদা, লা: ২৭৯, ৮০।

১২। সার জেমস জোন্সটোন, *মণিপুর এণ্ড নাগা হিলস* (দিল্লী: মানস পব্লিকেসন্স, ১৯৯০), লা. ৮১।

১৩। উপেন্দ্রচন্দ্র গুহ, *কাছাড়ের ইতিবৃত্ত* (গুৱাহাটী: অসম প্রকাশন পরিষদ, ১৯৭১) লা. ১৩৮।

মফমশিংসিদা গম্ভীব সিংহ, [illegible] র্জিৎ অমসুং সর্জিৎ হায়বদি চৌরজিৎনা মথংশীৎনা নিংথৌ খুভম শেমদুনা পাল্লম্মী হায়বি।

এস কে ভুযান্না সম্পাদ[illegible] তৌবা *কাছাড়ী বুরঞ্জি* গী বাফমসু জয়ন্ত ভূষণ ভাট্টাচার্জীনসু ডাসূন্না শৌগ[illegible]না হাযবি

> The Manipuri brothers took the possession of the Cachar pla[illegible]ns, While Tularam became the master of the northern hills Marjit being driven out of his country came to Cachar in 1819 carrying the [illegible]red image of Gov[illegible]nda with him Brother-like [illegible] warmly received by Chaurjit and Gambhir Sin[illegible] They [illegible] of Cachar amongst them [illegible] and thus the three Manipuri [illegible] began to [illegible] [illegible] of the Cachar [illegible] perfect [illegible]

[illegible] tan[illegible]

> [illegible] escaped to Sylhet [illegible] Marjit and [illegible] Singh [illegible] Cachar [illegible] between the [illegible] Marjit Singh occupied [illegible] Lakang [illegible] Gambhir Singh possessed himself of the rest of South Cachar

[illegible] নিংথৌ [illegible] থোঁওঙ খোদৌ [illegible] লৈহন্নীংলম্মে [illegible] বৃটিশ [illegible] মণিপুবদা [illegible] শেজ পুন্নবা [illegible] মণিপুবদগী [illegible] গম্ভীব সিংহ [illegible] তম্পাক খুদুম চনশিল্লি। [illegible] বৃটিশ সবকাবনা মথোযগী বাজনীতিগী খুদো[illegible] অমসু ঔবা নিংথৌগী নুংঙাইবোই লৌবা যেংদুনা কবো তম্পাকপু ঔবাদা শিন্নাখনবা লেপ্লকই। নিংথিগী সন্যাচাল ঘাটতা ১৮৩৪গী জনুবাবীগী তাং ৯দা বৃটিশবা ঔবাগা মণিপুব অমসং বর্ম্মাগী ভমথৈ মতাংদা যানবা অমা ইনৈ। যানবা অসিগী মতুং

১৪। জয়ন্ত ভূষণ ভাট্টাচার্জী, *কাছাড় অন্দব বৃটিশ রুল ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া* (দিল্লী বেদিযেন্ট পব্লিশর্স ১৯৭৭), লা ২৮।

১৫। [illegible] ভাট্টাচার্জী, *কাছাড় অন্দব বৃটিশ রুল ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া* (দিল্লী [illegible] পব্লিশর্স, ১৯৭৭), লা ২৯।

ইন্না বৃটিশনা ঔৱাদা কবো তম্পাক, তম্মু, খুম্বাৎ, সমজোক, অঙ্গো চীং, নিংথৌ তম্পাক্লচিংবা পীথোকখি। য়ানৱা অসিগী মরোলদি বৃটিশকা ঔৱাগী মীহুৎশিংগা য়ানবা মতুং ইন্না কবো তম্পাক ঔৱাদা শিন্নখিবা নুমিৎ হায়বদি ১৮৩৪গী জানুৱারীগী তাং ৯ দগী হৌদুনা থা খুদিংগী লুপা ৫০০ মণিপুরগী নিংথৌদা পীবা হায়না বৃটিশ সরকারনা লেপ্লে। অদুগা ঔৱাদা লাম্থোকখ্রিবা কবো তম্পাক অসি মণিপুরদা অমুক হঞ্জিল্লকপা থোক্লবদি হঞ্জিনবা নুমিৎ অদুদগী বৃটিশ সরকারনা পীরিবা লুপা ৫০০ অদু পীবা তোক্কনি হায়বসিনি। অসিগুম্বা য়ানৱা অসি ইনবা মতমদা মণিপুরগী মীহুৎ অমত্তা য়াওখিদে।[১৬] অদুনা মণিপুরগী লম মচেৎ অমত্তা অতোপ্পা লৈবাক্তা পীথোকখিবগী পাঙ্গল বৃটিশশিংদা আইনগী মতুং ইন্না লৈতে। অদুবু বৃটিশশিংগা য়েক্লনীংদবদগী গম্ভীর সিংহসু ৱাফম অদুদা য়াখি। অমরোমদা অমুক কাছাড় তম্পাক্কী লম খুদিংমক মণিপুরগী নিংথৌ মচাশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরবনি। অদুবু বৃটিশনা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিংবু কাছাড়দা লৈহন্নীংদবদগী কালানাগা নুংজাই অমসুং জিরি পূন্নমক গম্ভীর সিংহদা থেমদুনা ওন্থোক ওনশিন তৌখি। মদুদা গম্ভীর সিংহনসু বৃটিশকী মপাঙ্গল অমসুং ৱাজনীতিগী ফিভম য়েংলগা য়ানীংদনা য়াদুনা কাছাড়গী চন্দ্রপুরদগী (বাসকান্দি) থানা জিরি তুরেলগী নোংপোকথংবা তোৰ্ব্বানদা শেমখি।[১৭]

মণিপুরগী অৱাংগী ঙমখৈ অসি কদায় য়ৌরম্বগে হায়বগী মতাংদা আসাম অমসুং মণিপুরগী ঙমখৈ লেপ্লবা ৱারোল য়াওবা Political proceedings, 11th February 1835, No -90 গী অশম্বা ৱারোল অদু আলেকজন্দর মেকেঞ্জিনা মাগী *দি নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র ওফ ইণ্ডিয়া*দা লৌখৎলি :

> In 1835 indeed the forest between the Doyeng and the Dhunsiri was declared to be the boundary between Manipur and Assam [১৮]

মথক্কী ৱাফম অসিনা হায়রিবদি ১৮৩৫ দা দোয়েং অমসুং ধনশিরি উমঙশিংনা মণিপুর অমসুং আসাম অনীগী ঙমখৈনি হায়বসিনি।

১৬। ক্ষেত্রিমযুম শ্যাম কহুাই, *মণিপুবগী লৈঙাক্রোন অমসুং লৈঙাক পথাপকী ইতিহাস* (ইম্ফাল অইবা মশা, ১৯৭৮), লা· ১২, ১৩।

১৭। মথক্কীসিনা, লা ১০, ১১।

১৮। আলেকজন্দর মেকেঞ্জি, *দি নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র ওফ ইণ্ডিয়া* (দিল্লী মিটাংল পব্লিকেসন্স, ২০০৫), লা ১০২

ৱাফম অসি পদ্মশ্রী খেলচন্দ্রনসু শৌগৎপা ওইনা অসুন্না হায়রি :

> মণিপুরগী লম য়ামদ্রবদা ব্রহ্মপুত্র তোর্ব্বান সদিয়াগী মনাক অদুৱাই য়ৌরমদ্রবদি করম্না ইংরেজশিংনা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহ মহারাজদা (খৃঃ ১৮২৫ - ১৮৩৪) সদিয়া পীশি হায়বগী ৱাফম অসি খন্নরমগদগে? [১৯]

মথক্কী মণিপুবগী অৱাংগী ঙমখৈগী মতাং অসিদা চয়েৎনবা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। অদুবু পুন্নমক থন্নগা খৃষ্ট ১৮৬৯ - ৭০ দা নাগা ডিষ্ট্রিক্কী ডিপুটি কমিস্নারগা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টগা অমুক হন্না ঙমখৈ য়াৎপগী থবক চখৈ। মতাং খরদা মখোয় অনী য়ানবা ঙমদবদগী চে-চাং কয়া থাদোক-থাজিন তৌনরবা মতুংদা ১৮৭২ গী জুলাইদা ঙমখৈ য়াৎপগী থবক লোইশিল্লি। ১৮৪২ গী ঙমখৈ পরীং অদুবুদি থোইনা কায়হন্দনা থম্মী। মণিপুরদা খুঙ্গং খরা নৌনা শীন্নে, হান্না তেলিজো চীংদোন্দা খল্লম্বা ঙমখৈ অদু শাংদোকহন্দুনা পাটকাই ফাওবা মণিপুরগী ঙমখৈনি হায়না লাও থোকই।[২০]

১৯। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস* (ইম্ফাল চিবোম যাইমবী দেবী, ১৯৯২), লা ১৬।

২০। ক্ষেত্রমযুম শ্যামকহাই, *মণিপুরগী লৈঙাক্লেন অমসুং লৈঙাক পথাপকী ইতিহাস* (ইম্ফাল অইবা মশা ১৯৭৮), লা ১৪ ১৬।

অনীশুবা পন্দুপ

মৈতৈ জাতিগী হৌরকফম অমসুং খুন্থোক্লোন

মালেম অসিদা মীওইবা হায়বসি বস্বস্বা মতমদগী মতৌ কবন্না কদায়দগী হৌবকখিবগে হায়বগী মতাংদা কন্নানসু মতিক চাবা প্রমাণ পুথোক্কুনা চপ চান্না হায়বা ঙম্দ্রি। অদুম ওইনমক থবায় পান্দবাগী থবায় পানবা, থবায় পানবদগী মথং মথং মওং ও ওংলকপা, মী ওই শা-ওই তৌবম্নদগী মী ওইরকপা, মসিদগী অমুক [illegible] হি নবগী লানম্মদা টি এক থিবা অমসুং অমগা অমগা নুংশি চান্না লৈ[illegible] চাওখৎপগী [illegible]দা খোঙ পাংথোকলবা হৌবনপসিদা মীবোল কয়া, চহী লীশিং কয়া হৌবব-খ্রা। [illegible] মওং মসিদা তাইবং মীওইবা ওইনা লেপ্লবিরবসি থাক মরি [illegible] মদুদি - Australopithecus (অষ্ট্রেলোপিথেকস), Homo erectus ([illegible]) Neanderthal (নিয়েণ্ডথেল) অমসুং Homo Sapiens ([illegible])নি থাক মরি ওসিগী অসি মী কাঙলূপ অসিগী মপা-মপু, [illegible] অমসুং মথক্কী থাক মরি অসিগী মনুংদা হোমো সেপিয়েন্সদমক ওসিদগী চহী ৩০ ০০০ [illegible] মমাঙদা লৈহৌখি। হোমো সেপিয়েন্সশিং অসিনা নোংচুপ এসিয়া চিনা, [illegible], আফ্রিকানচিংবদা লৈনখি। মতৌ অসুম্না মীওইশিং অসিনা চীঞ্জাক অমসুং লেফম নুংঙাইবা য়েংনদুনা অমুক পৃথিবীগী লৈমায় শীন-থুংনা শন্দোবকখি। মতম অসিদগী মালেম অসিগী মীওইশিং অসি শক্তা-চুদা, মচৎ-মনাৎ য়েংলগা কাঙলূপ মরি থোক্লা খায়দোক্লি। মদুদি - Caucasoid (ককেসোইড), Australoid (অষ্ট্রেলোইড), Mongoloid (মোঙ্গোলোইড) অমসুং Negroid (নেগ্রোইড) নি।

মৈতৈ খুদিংমক্লা মালেম লৈশেম্বগী ৰারী চীনবুংদগী ওইববসু অরিবা মৈতৈ পুযাশিংদগী ওইববসু ইখঙ খঙনৈ। তাইবঙ পানবা শেন্নবা গুরুগী নিংশা য়েৎলোমদগী অশীবা (সনামহী, ওইরোমদগী কোনজিন তুথোকপা(পাখঙবা) পুথোক্কুনা অশীববু মালেম শেমহন্দুনা নোংখোঙ কোযহল্লি। কোনজিন তুথোকপনা নোংখোঙদি কোযদনা মমানা লৌশিং তাকপীদুনা গুরুগী ফানখোঙ তরেৎলক কোয়দুনা মালেমসিগী নিংথৌ ওইখি। অদুগা সনামহীবু মাগী অশাওবা ফাথবা ওইনা যুমথোং খুদিংগী নিংথৌ ওইহনখি। অসুম্না গুরুনা মচা তনীদ। মাগী মাগী নিংথৌ খুভম হাপ্পীরবদা নোংমা গুরু শিদবনা মহাকপু শক খঙব্রা

মেংগে হাযদুনা শন অশিবা ওইনা ওন্দুনা তুরেলদা তাউথবকই। মচানিপা কোনজিন তুথোকপনা মপাবু মশক খণ্ডদুনা তাউথবক্লিবা মপাবু লোকশিনখি। মসিদগী কোনজিন তুথোকপবু 'পাখঙবা' হায়নসু খঙনখি। শুকনা ওনবা শন অশিবগী হকচাং কায়াৎশিং অদু মতুপ তবেৎ থোক্লা হায়দোকই অমসুং হকচাং কয়াৎকী শকল্লা মতুং ইন্না মিং অমমম থোনখি। মদুদি- (১) খৌবিগী শকক লৌবনা 'অঙোম', (২) মীৎ লৌবনা 'নিংথৌজা', (৩) লবাই লেম্ফু লৌবনা 'লুৱাং' (৪) খুমাণ্ড লৌবনা 'খুমন' (৫) মমৈনা কুপশিনবা মখাগী অবাংবা শকক লৌবনা 'মোইরাং', (৬) মশাবগী শকক লৌবনা 'চেংলৈ' অমসুং (৭) অঙাওবা থম্মোযগী শকক লৌবনা 'ঙানবা' যেক তবেৎ অসি থোক্লকখি হায়না থাজনৈ। অসুম্না যেক তবেৎ অসিনা মথং মথং চাওখৎলক্লনা অমসুং পূনশিনখিদুনা মৈতৈ হাযবা মীওই কাঙলূপ অসি ওইখিবনি হায়বাস অযাম্বা মীওইশিংনা থাজনৈ। মথক্কী বাফম অসিদা যেক তবেৎকী মীওই কাঙলূপশিং অসিনা পনশিল্লগা মৈতৈ হাযবা কাঙলূপ অসি ওইখিবনি হায়বসি অচম্বা ওইনবসু মালেম লৈশেম্ব। অমসুং মী শেম খিবগী বাৰী অসিদি মীৎযেং মঙম শাননা হায়বদুদি ওইদ্রে। মণিপুরগী ঙমখৈ মনুং অসিদা মীওইবদি লাইবদনা খাইদগী অহানবা অহিংবা পোৎলম শেল্লকখিবগী খুদম চাংদমনা কোল্লবা পৃথিবীগী মীযাল্লা [illegible] মৈতৈ [illegible] ওইবা [illegible] লৈশেম্নকপগী (মিথ) কী বাৰী [illegible] তোপ তোপ্পা [illegible] চানিংঙৈ [illegible] মী ওইবনা হিংনবগী লানফমদা চীঞ্জাক খিবনা মথং মথং [illegible] অমাদি অনৌ [illegible] মফম শিংদা চৎলগা হুন্দাখিবনি [illegible] ওইনা অদুম। তৌনৈ [illegible] শন্দোকখ্রিবনি।

মৈতৈ জাতিগী হৌবকফমগা [illegible] মখোয়শিং [illegible] হোদসন, [illegible] জেম্‌স জোনস্টোন [illegible] প্রিয়র্সন, আতোম্বপ শর্মা, ডাং সুনীতিকুমার চট্টোপাধ্যায় অসিনাচ [illegible] হায়জিনবা অসিনচিংবা [illegible] লৌনবি। অদুবু মখোযাসগী [illegible] মণিপুরী [illegible] থবনা অদক হাক্লা কুপ্পা নৈনকদ্রবস, মাৎকে খোদ মপা চুম্ববোমদা নকশিল্লি মখোয়না পাবপ্পা কাপোলশিংদা মণিপুরদা তোঙানবা মী জাতি অনীনা তিন্নফম ওই অমসুং মখোযাশিংদি নোংপোকলোমদগী লাকপা মোঙ্গোলোইড কাঙবু অমসুং নোংচুপলোমদগী লাকপা ককেসোইড কাঙবু অসিনি। মণিপুরীশিং অসি মোঙ্গোলোইড কাঙলূপ্তুগী শন্দোকখিবনি হায়বসি ফা ওবদি খঙবা ঙম্মী নোংচুপলোমগী মীওই কাঙলূপশিংদগী শন্দোকখিবগী খুদম ফংলে, চুমতগী মখোয়না

১। ডা কুঞ্জবিহারী সিংহ, 'মৈতৈ জাতগী হৌবকফম', *মণিপুরীগী মৰমদা শাগেং* (ইম্ফাল মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ১৯৮২) লাং ৯৯।

সভ্যতা অমসুং সংস্কৃতিনা লৈবাক অসিগী সভ্যতা অমসুং সংস্কৃতিদা অথেংবা মতমদা য়ানশিনখিবগী মওঙ অদুদি উবা ফংই।[২] মৈতৈ হায়বা মীওই কাঙলুপ অসি লৈবাক অসিদা খুন্দারকপা কুইরবা লিরবা মী কাঙলুপ অমনি, মসি শেমগৎলকপদা নোংপোক অমদি নোংচুপকী ঈ চঙখ্রে হায়বসিমদি ময়েক শেংনা লৈরে হায়বা য়াই।[৩] ইথনিক ওইনদি, মীতৈ-নাগা-কুকি, চিন, থাই নোংপোক লমগী ফুরূপ ওইজরবসু, নাৎ-লাইনীং চৎনবী য়েংলুরগদি মণিপুরগী নোংচুপ থংবা লৈবাক ইন্দিয়া (মতমদুগী অৱাং ইণ্ডিয়া), আসাম, ত্রিপুরা, বঙ্গ, কলিঙ্গনচিংবগা মরী ফনা কুইনা থম্নরকলি।[৪]

এনথ্রোপোলোজি অমসুং আর্কিওলোজিগী অখণ্ড-অহৈশিংনা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্কী মনুং ম্যানমারগা তাইনবা লমদমগী সোংবু কৌবা চীংগী শুরুংদগী ফংখিবা পোৎলমশিং কূপ্পা য়েংলগা মণিপুরদা অহানবা মফম অসিদা মী লৈরমগনি হায়না ৱাফম পীরি।[৫] শুরুং অসিদগী ফংখিবা পোৎলমশিংদি - নূংগী শীংজঙ (Hand-Axe), নূং-থাঙজৌ (Chapper), নূং-থাঙ (Scrapper), নূং-থাঙ তোন্দুম্বা (Point), খূৎলায় নূংচেৎ (Flake) অসিনি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি টোম হেরিসন্না খৃঃ ১৯৫৯দা 'নিয়াহ' শুরুংদগী ফংখিবা চহী ৪০,০০০ রোম শুরে হায়রিবা নূংগী খূৎলায়শিংদুগা মওঙ-মতৌ মান্নবগী ৱাফম পীরি। অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি মৈত্রবাক্কী মহৌশাগী ফিভম, ঈশিং-নুংশিৎকী মওঙ-মতৌ য়েংলগা টোম হেরিসন্না 'নিয়াহ' শুরুংদগী ফংখিবা পোৎলমশিং চহী ৪০,০০০ রোম শুরে হায়রিবসিদগী থেংথনা ওইগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্রোই। হায়রিবা মীওইশিং অসি ঙসিদগী চহী ২৩,০০০ দগী ১২,০০০ ফাওবগী মণিপুরগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম অসি য়াম্না ঈংবা অমসুং নোং তাদবা মরমনা কদায়দা করম্বা মফমদা খুনহোংথ্রবা হায়বসি খঙবা ঙমদে।[৬] মসিদগী খরা থেংথরক্লবা মতমদা উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্কী মনুংদা লৈবা খংখুই শুরুংদগী ফংখিবা খূৎলায় - নূং থাঙজৌ, নূং-থাঙ, নূং-থাঙপাক, নূং-হৈজ্রাং, অপাবা ময়া পানবা নূং লোয়ননা শরূগী খূৎলায় খরা অসিনি। হায়রিবা খূৎলায়শিং অসি চিনাগী চৌকৌটিয়েন, জাভাগী শংরিগান অমসুং সেলবীজগী জাবেন্দা ফংখিবা খূৎলায়শিং অদুগা য়াম্না নকশিন্নে। মসিনা তাকপদি খংখুইদা লৈরম্বা মীওইশিং

২। এল অশোক কুমার সিংহ, "মীতৈগী অরিবা লাইনীং লিচৎ", *মীতৈ লাইনিং* (ইম্ফালঃ খোংনাংথাবা প্রেস খুরাই লমলোং, অনীশুবা ফোঙবা, ১৯৯৭), লাঃ ২৯।

৩। ডাঃ থোকচোম ইবোহনবী, *অঙনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা ইমেজরি* (ইম্ফালঃ কল্পনা পব্লিকেসন্স, ১৯৯৭), লাঃ ৯।

৪। প্রোফেসার এন. সনাজাওবা, *মণিপুরগী পুৱারী কুনশুবা চহিচা* (ইম্ফালঃ নেসনেল রিসার্চ সেন্তর, ১৯৯৭), লাঃ ৫৯।

৫। বি. কুলচন্দ্র শর্মা, *মৈত্রবাক্কী খুন্থোক-খুন্দারোন* (ইম্ফালঃ তাম্র পব্লিকেসন, ১৯৯৭), লাঃ ৫।

৬। মথক্কীসিদা, লাঃ ৮।

অসিগা তোং-শম্নরম্বা নৎত্রগা মচৎ-মনাৎ মান্নরমগনি হায়বসিনি।[৭] মসিদগী খরা থেংথরক্লবা মতমদা তমেংলোং ডিষ্ট্রিক্কী মনুং থারোন খুনগী কালেম শুরুংদগী ফংখিবা খুৎলায়শিংদি- নুং-শীগুজং, নুং-থাগু, অথৌবা ময়া পানবা নুং চীন্দুম্বা, চক্রী মানবা নুং খুৎলায়নি।[৮] উখুলগী খংখুই শুরুংদগী ফংখিবা খুৎলায়শিং অসিগা মান্নবা মওঙদা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্কী মনুং নোংপোক কৈথেল মানবীগী চীংদুম মচা খরদগী ফংখি। মদুদি Chopper, Scrapper, Blade, Flake, Pebble graver, Split pebble, Waste flake অসিনচিংবনি। মসিনা তাকপদি ঙসিদগী চহী ১২,০০০ রোমগী মমাঙ অদুৱাইদা খংখুইদা লৈরম্বা মীওইশিং অসি থৌবান তুরেন তোর্ব্বান্দা লৈবা নোংপোক কৈথেল মানবীদা খুনহোংলক্লম্বা য়াই হায়বসিনি। নোংপোক কৈথেল মানবীদগী ফংখিবা পোৎলমশিং অসি ঙসিদগী চহী ৬,০০০ তগী ৫,০০০ ফাওবগী মতমদা ওইরমগনি হায়রিবা থাইলেণ্ডগী তাম-প্রা-মাইনর সুরুং অমসুং মলায়সিয়াগী গুৱাচা শুরুংদা ফংখিবা পোৎলমশিংদুগা য়াম্না নকশিন্না মান্নে।[৯] অসিগুম্বা পোৎলম-চৈরম, খুৎশু-খুৎলায় কয়ামরুমসি কুপ্না য়েংলগা আর্কিওলোজিষ্টশিংনা মণিপুরদা খুহোক্লকখিবা মীওইশিং অসি খা নোংপোক লোমদগী অৱাং নোংচুপ তন্না খুহোরকখিবনা অয়াম্বনি।

মণিপুরদা ঙসিদগী চহী ৬,০০০ রোমগী মমাঙদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মীওই কাঙলুপ মচা মচা খরা খুদোং চাগদবা লম্বী য়েংদুনা চঙলকখি। মখোয়না সোম্রা চীংলম্বী, খোইবু চীংশাংলম্বী, খুনথোঙ চীংলম্বী, ঈঙৌরোক চীংলম্বীনচিংবদা চংলক্লমগনি হায়না থাজনৈ। অদুবু খ্বাইদগী হেন্না খুদোং চানা চংলক্লমগদবদি ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান লম্বীসিনা ওইগনি হায়বসিনি। অসুন্না মখোয়না মণিপুরদা চংলক্লগা খরনা মণিপুরদা মরা তানা লৈহৌখি অদুগা খরনা নোংচুপ ঙমখৈদা চৎখিদুনা খুন্দাখি। ঙসিদগী চহী ৩৩০০ দগী ৩২০০ অদুৱাইগী মতমদা মণিপুরদা খা থংবা চিনাগী মচৎ-মনাৎ পুবা মীওই কাঙলুপ খরা লাকখি। মখোয়না ম্যান্মার ফাওনা লাক্লগা মণিপুর তম্পাক্কী লমদা পাৎথী-কোমথীনা থনবশিংদু থেংনরম্মী, পাৎথী-কোমথী মরক্তুদা খোঙ্গং-খুৎকংগদবা ঈশিং থুমলোইদবা লৈবদা নুংঙাইগদবা মফম থিরক্লম্মী। মদুদগী মখোয়না চফু শীজিন্নবা মী ওইনা ফুনানচীংদা খুন্দাখি।[১০] অসুন্না তাংথক নাইনা চহী কয়া চংনা মীরোন মথং-মথং অমসুং কাঙলুপ কয়ামরুম থোক্লা খুহোরকপগী মওঙ অমসুং মখোয়না

৭। মথক্কীসিদা, লাঃ ৭

৮। *এ রিপোর্ট ওফ দি ষ্টেট আর্কিওলোজি দিপার্টমেন্ট*, ডাইরেক্টরেট ওফ সোসিয়েল বেলফয়ার এণ্ড আর্ট এণ্ড কলচর, মণিপুর ১৯৮৮, লা. ৪, ৫।

৯। বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা, *মৈত্রবাক্কী খুহোক-খুন্দাবোন* (ইম্ফালঃ তাম্র পব্লিকেসন, ১৯৯৭) লাঃ ৮।

১০। মথক্কীসিদা, লাঃ ২১, ২২।

শীজিন্নরম্বা পোৎলম-চৈরম কয়ামরুম কূপ্না য়েংশিল্লগা এনথ্রোপোলোজিষ্ট অমসুং আর্কিওলোজিষ্টশিংনা মণিপুরদা খুঙ্গোক্লকখিবা মীওইশিং অসি খা নোংপোকলোমদগী অবাং নোংচুপ তন্না খুঙ্গোরকখিবনা অয়াম্বনি অমসুং তুরেলগী খোংলম মতুং ইন্না খুঙ্গোরকপা সাউর্দন মোঙ্গোলোইড নৎত্রগা সাউদর্ন মোঙ্গোলোইডকা নোর্দন মোঙ্গোলোইডকা তিনশিন্নখ্রবা, টিবেতো বর্মনগা হিমালয়ান ত্রাইবশিংগা তিনশিন্নখ্রবা, নোর্দন মোঙ্গোলোইডকী টাইশিংগা টিবেতো বর্মন কাঙলূপশিংগা তিনশিন্নখ্রবা অমসুং সাউদর্ন মোঙ্গোলোইডকা ওসিনিক গ্রুপ খরগা তিনশিন্নখ্রবা কুকি-চিন অসিশিংসিগী চাদা-নাওদানি।[১১] অসূন্না মণিপুরদা তাংথক নাইনা মতম-মতমদা নোংপোকলোমদগী চংলকখিবা মীওই কাঙলূপ খুদিংমক মচৎ-মনাৎ খরা খরা খেন্নরবসু কুচু ঙৌরুনবা মনাতোন নম্বা মোঙ্গেলোইড কাঙবু ঙাক্তনি হায়বা য়াই। মণিপুরদা লৈরল্লিবা য়েক তরেৎকী মীওইশিং অসিসু তাংথক নাইনা মতম মতমদা চঙলকপা মীওই কাঙলূপশিং ওইবা য়াই। খূদম ওইনা নিংথৌজা সলাইগী পুকোক্তি 'কোনসৌরেল' দগী মথং মথং শমথরক্তুনা নোংদা লাইরেন পাখঙবনা ওইবা, খূমন সলাইগী পুকোক্লা পোইরৈতোন্না ওইবা পনবা য়াই।[১২] মখোয়শিংসি তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মৈত্রবাক্তা খুঙ্গোরকপা নৎত্রগা খুনহোংলকপনি।

মৈত্রবাক্তা নোংচুপলোমগী মীওইশিংগা চারৌ মৌরৌনবা, মীচেন ওইনা লাকপা অমসুং লানফা ওইনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরকপসি ইতিহাসনা কোনশিনবা ঙম্বা মতমদগীনি হায়বা য়াই। খল্লাংবা খৃষ্টগী অহানবা শতাব্দীদা পোইরৈতোন্না খুঙ্গোরকপদা য়াওরকপা মীওইনি। মহাক্লা মণিপুরগী নোংচুপ থংবা মায়কৈদা য়োৎ থিবা চৎখি। মদুদা তখেল নিঙোল কালিকাবু মাগী নুপী ওইনা লৌরকখি।[১৩] খল্লাংবনা মতম খরা উরিপোক্তা মাগী নুপী অহন শঙ্গোং হুইমু লৈমাগীদা লৈরম্লগা কালিকাগা তিন্নবা য়াদবদগী ককচিংদা লৈখি। মসি হৌজিক ফাওবদা ককচিংদা খল্লাংবা হরাওবদা কালিকাসু পূন্না হরাওবা চৎনরি। খৃষ্টগী চহী ৪২৮দগী ৫১৮ ফাওবদা মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু নাওফংবগী মতমদা পাঙল লম্বোইবা অমা মণিপুরদা লাক্তুনা সনা কোনুংদা লৈদুনা লোনচৎ-শাজৎ কয়া হোংহন্নবগী থবক পায়খৎলম্মী।

১১। বি. কুলচন্দ্র শর্মা, *মৈত্রবাক্কী খুঙ্গোক-খুন্দারোন* (ইম্ফাল: তাম্র পব্লিকেসন, ১৯৯৭) লাঃ ২৬।

১২। ওইনাম ভোগেশ্বর (সম্পাঃ), *শাগৈ শলাইরোল* (ইম্ফাল: মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি, ১৯৮২) লাঃ ১ অমসুং (i)।

১৩। "খল্লাংবা খুনগুমলোন", খূৎই লাইরিক, ফংফম: পণ্ডিদ নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ, উরিপোক ইম্ফাল।

অদুবু অঙাং ওইবিবা লাইপোকুম্লবা অশাংবম লাইবনা মায়থীবা পীখিরম্মী।[১৪] অসিগুম্বা পাঙল লম্মোইবা অমা লাক্লম্বগী ৱাফম অসি *শাকোক লমলেন অহানবা* (সম্পাঃ) খুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ অমসুং *নোংচুপ হাবমলোন* (খৃৎই) দসু ময়েক শেংনা পল্লি। *কংলা হওবা* অমসুং *শাকোক লমলেন অহানবা* হায়রিবা লাইবিক অসিদা 'পাঙন'বু 'মসমান' হায়নীংবগী ৱাফম অসিমদি অরানবা ওইগনি। মরমদি মৈদিংঙু নাওফংবনা পানবা মতমদা ইসলাম ধর্ম্ম শন্দোকত্রি, হজবত মহম্মদসু পোকত্রি। অদুগা 'পাঙন' হাযবা ৱাহৈ অসি মৈতৈশিংনা নোংচুপ লম বেঙ্গলনচিংবদগী লাকপা মীওইশিংবু খঙনৈ।[১৫] মসিদা হিন্দু নৎত্রগা মুসলিমগী ৱাফম লৈতে। অদুগা মথক্তা পনখ্রিবা পাঙল লম্মোইবা অসিগী অমুক মবৈবাক্তা হনখিববা নৎত্রগা কদাযদা লৈখি বগে হাযবগী মবমদদি চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি। মণিপুবদা মৈদিংঙু খুমোম্বা (খৃষ্ট ১২৬৩-৭৮) মৈদিংঙু থংবী লাম্থবা (১৩০২-২৪) মৈদিংঙু কোংযাম্বা (১৩২৪-৩৫) সনা হাক্তক্তা নোংচুপলোমদগী লাকপা মীওইশিংবু নিংথৌনা অযাবা পীদুনা মৈতৈ যূম্নাক কযাদা তিনশিনখিবা নৎত্রগা অনৌবা যূম্নাক ওইহনখিবগী ৱাফম ঐখোযনা থেংনৈ। খুদম ওইনা চীংঙুবেম্বী হায়বী নুপী অসি মযাং নিঙোলনি। মহাকপু লৌবকখিবদি মৈদিংঙু থংবী লাম্থবগী অহুমশুবী লৈমা যীমখু চনুনা পোকপা ক্লাকপা থবানথাবনি। চাংঙুবেম্বী অসি থিল্লকপা মতমদা মশা মতোত্তা থিল্লকপা নত্তে, অঙং-অউন চাউনা মনাই-মশন কযাগা লোযননা থিল্লকপনি। অসূম্না মহাক্কী মনাই-মশন কযাসিবু চানবা শীনফমগী মতুং ইন্না মৈতৈ যূম্নাকশিংদা চঙহনখি।[১৬] মৈদিংঙু কিযাম্বনা সনা হাক্তক্তা (১৪৬৭-১৫০৮) হিন্দু ধর্ম্মদা চেৎনা থাজবা ব্রাহ্মণ কযা মণিপুবদা লাকাহবম্মা। মখোযশিং অসি মৈত্রবাকসিদা নিংথৌনা যূম্নাক অমমম থোনবিদুনা মবা তানা লৈহনখি। মসিগী মতুংদা মৈদিংঙু খাগেম্বা (১৫৯৭-১৬৫২) নী মতমদা মণিপুবদা চাউনা নোংচুপলোমগী মীওই কযা তংদু লৈতানা খুন্দা লৈতাহনখিবগী মবমদি শানোংসনী লান্দা মুসলমান লানফা কযা ফাহৌবনা মক ওইবা মবমনি। ফাহৌবিবা লানফা মযামশিং অসি মখোয মখোযগী হৈনবা শীনফমগী মতুং ইন্না অনৌবা যূম্নাক কযা থোনবিদুনা অমসুং মৈত্রবাক্কী নিঙোল কযা পীদুনা লৈহনখি।[১৭] মতৌ অসূম্না মৈতৈ নিংথৌবোল কযাশিং অসিগী হাক্তক্তা নোংচুপ লমগী মীওই কযা খুন্দা লৈতাদুনা লৈহনখিবসি

১৪। চনম হেমচন্দ্র (সম্পা), *কংলা হওবা* (ইম্ফাল সম্পা মশা ১৯৯৭) লা ৩৫।

১৫। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা) *লাংগোই শগোল থাবা* (ইম্ফাল মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৬৮) লাঃ ৪।

১৬। "চীংঙুবেম্বী খোঙলুপ" খৃৎই লাইবিক, ফংফম পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উম্বিপোক ইম্ফাল।

১৭। ওইনাম ভোগেশ্বব অমসুং জনাব খাঁ (সম্পা), *নোংসামৈ* (ইম্ফাল এম জে খাঁ ১৯৭৩) লা ৮৩।

মৈদিংঙু চরাইরোংবা (১৬৯৭-১৭০৯), গরিবনিরাজ (১৭০৯-৪৮), ভাগ্যচন্দ্র (১৭৬৩-৯৮), গম্ভীর সিংহ (১৮২৫-৩৪), চন্দ্রকীর্ত্তি (১৮৫০-৮৬) হায়রিবা নিংথৌশিং অসিগী সনা হাক্তক্তদি নোংচুপ লমগা য়াম্না অচেৎপা মরী লৈনখিবা, চাকচা ফিজেৎনচিংবা মখোয়গী মতৌ তম্বগা লোয়ননা ধর্ম্মগী গুরু ওইদুনা রাজনীতিদা ফাওবা মখোয়গী খুৎ য়াওহনখি।

মথক্তা পনখ্রিবা হারম প্রি হিষ্ট্রি পেরিওদকী মতমদা মৈত্রবাক্তা নোংপোক লমদগী থোরক্তুনা খুন্দারকপা অমসুং হিষ্ট্রি না কোনশিনবা ওম্বা মতমদগী নোংচুপ লমদগী থোরক্তুনা খুন্দারকপশিং অসি মরু ওইবা খবদং খনগৎলগা থমজবনি। মসিদা পলহৌদবা কয়া অমসুনি। অদুগা খরা থেংথরক্রুবা মতমদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ লমদগী লানফা ওইনা নৎত্রগা খুনহোংলক্তুনা মৈতৈ সমাজদা তিল্লবিবা খিবিকশিংবু মৈতৈগী য়ুম্নাক-শাগৈ মমিং লৌদুনা লৈখিবা নৎত্রগা অনৌবা য়ুম্নাক অমা মিংথোন্দুনা লৈখিবসু কয়ানি। অসুম্না নৌনা চঙশিল্লকপা নোংপোক অমসুং নোংচুপকী মীওই কাঙলূপশিং অসিবু "নোংপোক হারম" অমসুং "নোংচুপ হারম" হায়না খায়দোক্তুনা লৈ। মখাদা নোংপোক হারমশিংনা ওইখিবা নৎত্রগা নপচখিবা মরুওইবা য়ুম্নাকশিংদিঃ

১। হুইয়াম, ২। সেনজম, ৩। উসম, ৪। খুম্বোং ময়ুম, ৫। চিঙ্গাংবম, ৬। অখাম্বম, ৭। সেন্দাং ময়ুম, ৮। লৌয়াম, ৯। সনখুবম, ১০। খোংবান্তাবম, ১১। নান্দেবম, ১২। চাঙা ময়ুম, ১৩। কোন্সম, ১৪। হৈখাম,১৫। চরাই ময়ুম, ১৬। অখানবম, ১৭। ফুবিৎশাবম, ১৮। থাংজম, ১৯। হিখাম্বম, ২০। ঙাসেপ্পম, ২১। মোনফাং ময়ুম, ২২। সকুংবম হিয়াম, ২৩। চাফাময়ুম, ২৪। হৈবীথাবম, ২৫। চিঙসুবম,

২৬। ইরুংবম, ২৭। শঙখুবম, ২৮। য়েন্দ্রেম্বম, ২৯। ইচোম, ৩০। অচোইবম,

৩১। উসম কেঙ্গোইময়ুম, ৩২। লাকপমশাবম, ৩৩। শমচেৎশাবম, ৩৪। শাইসেনবম,

৩৫। থাঙাবম, ৩৬। সেনজম লাইফাকপম, ৩৭। অখনবম, ৩৮। চাংখমময়ুম,

৩৯। চাফানময়ুম, ৪০। কবো শকুংবম, ৪১। মুংয়োংময়ুম, ৪২। লৈপাকশঙবম, ৪৩। খোঙ্গাবম, ৪৪। চীঙ্গাংসু থঙ্গোংময়ুম, ৪৫। কসোম ময়ুম অসিনচিংবা।

নোংচুপ হাবমগী মীওইশিংনা ওইখিবা নৎত্রগা নপখিবা মকুওইবা য়ুম্নাকশিং

১। ক্ষেত্রীময়ুম, ২। পুখ্রীহোংবম, ৩। ঙাইবাংবম, ৪। তাইবুজম, ৫। শগোনসেম, ৬। থেম, ৭। পেবম, ৮। থৌদাম, ৯। সাইখোম, ১০। সনসম্, ১১। সনখোম্বম, ১২। কৈসাম, ১৩। নিংথৌজম, ১৪। ময়াংলম্বম, ১৫। নহারাকপম, ১৬। চিয়াম, ১৭। অনোং ময়ুম, ১৮। অনৌবম, ১৯। কাক্‌যেন ময়ুম, ২০। কাকয়েন ফাইবম, ২১। লম্বললৈ শঙবম, ২২। শঙাইসেনবম, ২৩। অপাম্বম-ফায়েংবম, ২৪। সোন ময়ুম, ২৫। ময়াং অবিবম, ২৬। খুরাইতাবা থাংজম, ২৭। লুক্রাম, ২৮। ময়াংচঙবম, ২৯। কৈদোংবম, ৩০। অবাম্বম, ৩১। সোম্বম, ৩২। পেচি ময়ুম, ৩৩। নিংথৌ চানবম, ৩৪। য়ুপানবম, ৩৫। হাথম্বম, ৩৬।

ছইনাম ময়ুম, ৩৭। নামোইজম, ৩৮। কোংথৌবম, ৩৯। থাঙজাউ ময়ুম, ৪০। লাইরিকয়েংবম, ৪১। তখেল-অয়েকপম, ৪২। চনম্বম, ৪৩। তখেল্লম্বম, ৪৪। ক্ষেত্রীনাওতম, ৪৫। বারীবম, ৪৬। কহ্নাইবম, ৪৭। লপলাকপম, ৪৮। লৈহাওরুংবম, ৪৯। লাঞ্জবম, ৫০। কাঙবমতাবম, ৫১। লৌশম্বম, ৫২। পৌশঙতাবম, ৫৩। চনমথাবম, ৫৪। ঈশিং খাইবম, ৫৫। পলকুংবম, ৫৬। খরিবম, ৫৭। থাঙজম-ঋাঙখেম, ৫৮। নমসাতাকপম, ৫৯। নাপেৎ ময়ুম, ৬০। ফৈশাবম-অরুবাম, ৬১। ঋাইরিফাম্বম থানসাবা-খাইদেম, ৬২। কোঞ্জেংবম, ৬৩। পেরে খোংবম, ৬৪। শিঙ্গা খোংবম, ৬৫। হৈরুংবম, ৬৬। থাঙাঙশাবম, ৬৭। মোইখোংবম, ৬৮। তখেল চঙবম, ৬৯। য়ুখাতাবম, ৭০। হৌদোংখোংবম, ৭১। ময়াং হিসাবা লুপলাকপা, ৭২। অৱাংতাবম, ৭৩। চিঙশুবম, ৭৪। অশাংবম, ৭৫। চঙসঙবম, ৭৬। মুহাক ময়ুম, ৭৭। হিংখাইবম, ৭৮। খাবজম, ৭৯। লাইখু ময়ূম, ৮০। কোংলৈ ময়ূম, ৮১। অয়েকপম, ৮২। লাইতোনজম, ৮৩। সিন্নুংতাবা শেনয়েবম, ৮৪। চুকি ময়ুম, ৮৫। খুকাপম, ৮৬। সুন্নারম ময়ুম, ৮৭। তরংবম, ৮৮। ধবান্দ ময়ুম, ৮৯। উকাবম, ৯০। য়ুমকাবম, ৯১। নাউতম, ১০০। অবুজম, ১০১। সঞ্জুরাম ময়ুম, ১০২। আনন্দ ময়ুম, ১০৩। ওইনাম, ১০৪। অহৈবম, ১০৫। পাখঙলাকপম, ১০৬। হৈক্রুজম, ১০৭। য়ুমখাইবম, ১০৮। য়াম্বেম, ১০৯। হিদাকশঙবম, ১১০। শনশেনবম, ১১১। খুল্লাকপম, ১১২। য়াঙ্গোইজম, ১১৩। নামরম, ১১৪। খাদিতাবম, ১১৫। ঋাকানবম, ১১৬। মৈতানকৈশঙবম অসিনচিংবা।

নিংথৌনা য়ুম্নাক অমমম্ মিংথোনবিদুনা মণিপুরদা তংদু-লৈতানা খুন্দা-লৈতাহনখ্রবা ব্রাহ্মণশিংগী য়ুম্নাক, হৌরকফম অমসুং মতম:

	য়ুম্নাক	হোৌরকফম	মতম
১।	অধিকারীময়ুম	খরোদাহ	কিয়াম্বা
২।	শিজগুরুময়ুম	গুজরাত	কিয়াম্বা
৩।	লৈহাও থাবম	কানপুর	
৪।	তখেল চঙবম	আসাম	কিয়াম্বা
৫।	ককচিং তাবম	কলিগ্রাম, শ্রীহট্ট	কিয়াম্বা
৬।	ফুরাইলাৎপম	নন্দগ্রাম, উত্তরপ্রদেশ	
৭।	কানাওচিময়ুম	কানপুর	চলাম্বা
৮।	লৌবুকতোংবম	শান্তি	মুংয়াম্বা
৯।	অরিবম বিষ্ণু লাৎপম	বড়নগর শ্বালপড়া	খাগেম্বা
১০।	অরিবম শগোল্লাইলাৎপম	”	
১১।	অরিবম তম্পাক্লাইলাৎপম	”	


১২। থোঙখাতাবম	খরোদাহ	”
১৩। কোংবালাইলাৎপম	নবদ্বীপ	”
১৪। হিদংময়ূম	খরোদাহ	”
১৫। শঙলাকপম	কুমিল্লা	”
১৬। শামুলাইলাৎপম	কোলকতা	”
১৭। বাচসপতিময়ূম	বেনারস	পাইখোম্বা
১৮। হৈককশিবম	মদগাওঁ	”
১৯। গুরুময়ূম অঙোমলাই লাৎপম	কানোনগ্রাম	”
২০। শ্রীময়ূম	গুজরাত	”
২১। মনোহরময়ূম	গমডিলানগর	চরাইরোংবা
২২। ব্রহ্মাচারিময়ূম	প্রয়াগ	”
২৩। গুরুময়ূম অরিবম	পুরী	”
২৪। লাইময়ূম	খরোদাহ	”
২৫। লাইপুবম	কটক	”
২৬। হঙোইবম	মথুরা নন্দগ্রাম	”
২৭। হাজারিময়ূম	কৃষ্ণনগর	”
২৮। চৌধরীময়ূম	উৎকাল	”
২৯। লাইময়ূম অনৌবম	ত্রিপুরা	”
৩০। লাইময়ূম	”	”
৩১। মথুবাবাসিময়ূম	মথুরা	”
৩২। অনৌবম	কন্যাকুব্জা	গবিবনিরাজ
৩৩। হঞ্জবম	”	”
৩৪। ব্রহ্মচারিময়ূম অনৌবম	বড়নগর	”
৩৫। গোতিময়ূম	শান্তিপুর	”
৩৬। হিদংময়ূম	সুনারদিপন পড়া	গবিবনিরাজ
৩৭। গুরুময়ূম	কৃষ্ণনগর	ময়াম্বা
৩৮। রাবীলিবম	খরোদাহ	ভাগ্যচন্দ্র
৩৯। ব্রজবাসীময়ূম	বৃন্দাবন	”
৪০। ধ্যানদাসময়ূম	লাহোর	”
৪১। অধিকাবী অনৌবম	শান্তিপুর	”
৪২। অনৌবম	নন্দগ্রাম	গম্ভীব সিংহ
৪৩। ”	ত্রিপুরা	”

৪৪। ব্রজবাসীময়ূম	শান্তিপুর	”
৪৫। অচার্য্যময়ূম	ধাকা	”
৪৬। গোসাইময়ূম	শান্তিপুর	নরসিংহ
৪৭। কুলিনময়ূম	বড়নগর	”
৪৮। অনৌবম অধিকারীময়ূম	রাইবেরিলি	চন্দ্রকীর্ত্তি
৪৯। রাধাকুণ্ডবাসিময়ূম	রাধাকুণ্ড	”

অসিনচিংবা মরুওইবা বামোন য়ুম্নাকশিংনি।

মণিপুরদা তংদু লৈতাদুনা লৈরক্কুবা পাঙল (মণিপুরী মুস্লিম) শিংগী য়ুম্নাকশিংঃ ১। অরিবম, ২। অয়েকপম, ৩। ইফম, ৪। ওয়নাম ময়ূম, ৫। কোরীময়ূম, ৬। কোম্থা ময়ূম, ৭। কৈনৌ ময়ূম, ৮। উরুপ ময়ূম, ৯। কৈখোঙতা, ১০। খুৎহৈবম, ১১। খুল্লাকপম, ১২। য়ুমখাম, ১৩। মানসম, ১৪। হৱাই ঈংখোন, ১৫। চেসম, ১৬। মাইবম, ১৭। বাসৈ ময়ূম, ১৮। লৈশাংখোং, ১৯। মালশম, ২০। মোইজিং ময়ূম, ২১। ফুসম, ২২। লুপ্লাকপম, ২৩। দোলাই পাবম, ২৪। লৌপান ময়ূম, ২৫। মেরাই ময়ূম, ২৬। মকক ময়ূম, ২৭। মুস্রাম, ২৮। থোংখোঙ ময়ূম, ২৯। ফুন্দ্রেময়ূম, ৩০। শঙ্গোমশুমবম, ৩১। পুখ্রীময়ূম, ৩২। য়ুমখাইবম, ৩৩। বগীময়ূম, ৩৪। শাজবম, ৩৫। কমলময়ূম, ৩৬। লবুকতোংবম, ৩৭। থৌবালময়ূম, ৩৮। সাইরেম, ৩৯। সিঙ্গাথোংবম, ৪০। হিদাক ঈংখোল, ৪১। ফিরিঙ্গীময়ূম, ৪২। তাওথোংময়ূম, ৪৩। মোইনাম ৪৪। ৱাংময়ূম, ৪৫। নোংজাইময়ূম, ৪৬। নোংশায়াইবম, ৪৭। ময়াংময়ূম (অরিবা), ৪৮। ময়াংময়ূম (অনৌবা) ৪৯। হৈখামময়ূম, ৫০। থাঙজম, ৫১। ফিসম, ৫২। কৈথেল ঈংখোল, ৫৩। য়াংখুবম, ৫৪। শাককপম, ৫৫। হৈপোকময়ূম, ৫৬। তম্পাকময়ূম, ৫৭। ভুয়া ময়ূম, ৫৮। লৈশাংখোং, ৫৯। লাইরিক য়েংবম অসিনচিংবা।

মথক্তা নৈনখ্রিবা অসিদগী ঐখোয়না মণিপুরদা অঙনবা মতমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লিবশিং অসি অয়াম্বনা নোংপোকলোমদগী লাকপা মনাতোন নম্বা মমীৎ খূবা কুচু ঙৌথাংনবা মোঙ্গোলোইড (Mongoloid) কাঙবু ঙাক্তনি। অদুগা খরা থেংথ রক্লুবা ইতিহাসনা কোনশিনবা ঙম্বা মতমদগীদি মৈতৈ নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তক্তা তাংথক নাইনা নোংচুপ লোমদগীসু অয়াম্বনা মনাক্তোম তুম্বা, মমীৎ লাওবা ককেসোইড (Caucasoid) কাঙবু কয়া চঙশিল্লক্তুনা নিংথৌজা অয়াবা পীদুনা লৈচুমশিংবদগী মকমসিদা হাল্লা লৈজরম্লবা মীওইশিংগা চারৌ মৌরৌনদুনা মখোয়গী ঈ চঙখ্রবনি।



অহুমশুবা পন্দুপ

লোন অমসুং ময়েক

লোন

মৈত্রবাক্তা য়াম্না ঙম্লিঙে মতমদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়া খুম্ন্থোরকপা অমসুং মসিদগী খরা থেংথরক্লগা কাঙলুপ তরেৎ হায়বদি (১) সারাং-লৈশাং, (২) হাওরোক-কোনথৌ, (৩) উরোক-উশাই, (৪) থাঙঙা-কম্বোং, (৫) খুনফম-ঙাংজেং, (৬) হয়রেম-খুনজান, (৭) লোকখা হাওখা অসিনা পাম্লম্মী।[১] মখোয় অসি তোঙান-তোঙানবা মাগী মাগী ওমথৈ অমমমগী মনুংদা মনিং-মখা তৌনা নিংথৌ পাম্লম্বা লৈবাক মচা মচানি। মসিগী মতুংদা খৃষ্টগী অহানবা চহীচাদা নোংদা লাইরেন পাখঙবনা কংলৈদা পাম্লকপা মতম অদুবাইদদি হৌজিক ঐ খোয়না খঙনরিবা য়েক তরেৎকী মীওই কাঙলুপশিং অসিনা মাগী মাগী লমথৈ অমমমগী মনুংদা করিগুম্বদা য়েক্লবা ওইনা করিগুম্বদা মরূপ ওইনা পান্নরম্মী। মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা মীওই কাঙলুপনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাম্লম্বনা মখোয় মখোয়গী লোন অসি অমগা - অমগা চপ চানা মান্নফম থোক্কে। তৌইগুম্বসুং মপুঙ ওইবা মওঙদদি মাম্নে হায়বসিনি। কাঙলুপ অমগা অমগা লোন মপুঙদা মান্নরবসু খেন্নবা লৈ হায়বসিগী মরমদা খুদম ওইনা :

মৈতৈলোন	মোইরাংলোন
কাংফাল	কোং
ঈশিং	লোকলৌ
নৌ	খুমু
শীংজঙ	হাইবি
মাইবা	মোইবা
ক্বাক	শীংজা
ঙাখা	ঙাতোই
অথৌবা	খাবা

১। মোইরাংথেম চন্দ্রসিং, "মণিপুরী সংস্কৃতি ইতিহাসকী শক্তম খব" *সাহিত্য*, ২৩শুবা মশীং, (ইম্ফাল ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৭৫), লাঃ ১।

মৈতৈলোন	খুম্মন লোন
পাং	কোন
কংফাল	য়া
শিরবা	ফুরবা
থম্না	লাইরা
য়েনবা	শোইপাই
য়েনপী	শোইথিং
নৌ	তাউতেক
শঙ্গায়	য়াকোন
লাইথন	শরিক

মৈতৈলোন	শেন্মোয় লংমাইলোন
অথৌবা	অয়াওবা
শিবা	তোংপা
হল্লকপা	তরকপা
শম	থিংখিং
শমজি	কায়নৌ
পূং	খোং
মৈ	য়াই
লীরুং	মাবা
লেম্ফু	কোকে[২]

অসূম্না খেন্নবা খরা খরা লৈরবসু মৈতৈলোন অসিনা য়াম্না ওন্নিঙৈ মতমদগী হৌনা মণিপুরদা রাজ ভাষা ওইনা ভাঙনদুনা কাঙলূপ তরেৎ অসিগী লৈবাক অমগা অমগা পাউ ফাউদোক ফাউজিন তৌনৈ। মতাং অসিদা পণ্ডিত খেলচন্দ্রনা অসূম্না হায়রি :

> নিংশিংবদা লাম্বা ফংদ্রবা মতমদগী হৌনা মৈতৈরোম্না লৈবাক অসিগী রাজ ভাষা (Court language) ওইরক্লিবনি।[৩]

ওন্নিঙৈ মতমদগী হৌনা মণিপুরদা কাঙলূপ মচা মচা থোকনা পাম্নমদুনা মাগী মাগী

২। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস* (ইম্ফালঃ টিরোম য়াইমবী দেবী, ১৯৯২) লাঃ ১৭, ১৮।

৩। মথক্কীসিদা, লাঃ ২১।

কাঙলূপকী চৎনবী লোন্দা অমমম লৈজরম্নবসু মপুঙ ওইনদি মান্নে। মসিনা মরম ওইদুনা মৈতৈলোম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মণিপুরগী রাজভাষা ওইদুনা চৎনরিবনি।

করিগুম্বা লোন অমগী অকক্নবা চপ চাবা অরেপ্পা হৌরকফম পীবা হায়বসি ওইথোক্তে। অদুবু চাউরাকপা ওইথোকপা য়াবা মওঙ অমা পীরগা য়ানবা ঙাক্তনি। ঙসিগী পৃথিবী অসিদা হৌজিক হৌজিক ঙাঙনরিবা লোনগী মশীং অসি অখণ্ড-অহৈশিংনা চাউরাক্লা ২৮০০ রোম ওইগনি হায়না থাজনৈ। অসিগুম্বা লোনশিং অসি চাউরাকপা মান্নবা মওঙ য়েংলগা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ অমুক খায়দোক্নুনা থন্নে। মদুশিংদুগী মরক্তা মরু ওইবা খবদং পল্লবদা .ইন্দো য়ুরোপীয়ান শাগৈ, আফ্রিকান শাগৈ, দ্রাবিড় শাগৈ, টিবেতো বর্মন নৎত্রগা টিবেতো চাইনিজ শাগৈ অসিনচিংবা মরুওইবা লোনগী শাগৈ ঙাক্তনি। লোনগী শাগৈ নৎত্রগা কাঙলূপ অসি খাঁয়দোকপদা লোনগী পণ্ডিতশিংনা মখাগী অসুম্না খায়রম্মী :

(ক) ধর্ম্মগী তুং ইন্না লোনগী কাঙলূপ নৎত্রগা শাগৈ খায়দোকপা;

(খ) লমখৈগী মতুং ইন্না লোনগী কাঙলূপ নৎত্রগা শাগৈ খায়দোকপা,

(গ) জাৎকী মতুং ইন্না লোনগী কাঙলূপ নৎত্রগা শাগৈ খায়দোকপা;

(ঘ) লোনগী মশক-মওঙগী মতুং ইন্না কাঙলূপ নৎত্রগা শাগৈ খায়দোকপা,

মখল মরি অসিগী মনুংদা (ঘ)গী লোনগী মশক-মওঙগী মতুং ইন্না কাঙলূপ নৎত্রগা শাগৈ খায়দোকপা অসিনা খ্বাইদগী হেন্না সাইন্টিফিক ওইবা মরম্না অয়াম্বা পণ্ডিতশিংনা য়ানৈ।

মণিপুরী লোন অসি করম্বা লোন কাঙলূপকী মনুং চনগনি হায়বগী মতাংদা জি এ. গিয়ার্সন্না কুকি চিন কাঙলূপকী মনুং চনগনি হায়না মত ফোঙদোকই। পি. কে. বেনেদিক্টনা টিবেতো বর্মনগী কুকি - নাগা কাঙলূপকী মনুং চনগনি হায়রম্মী। মসিগী মতুং তারকপদা মৈতৈ পণ্ডিতশিংনসু মখোয়না হায়রম্বা মতশিং অসি য়ানীংলম্মী। তশেংনমকসু মণিপুরী জাতি অসিগী হৌরকফম য়েংবদা টিবেতো বর্মন কাঙলূপকা য়াম্না নকশিন্নবা অমসুং লোনশিং অসিগী বাহৈ, খোঙ্লোক অমসুং গ্রামাটিকেল আইটেমস, জেন্দর, টেন্স, নম্বর, পার্সন অসিনচিংবা কয়াদা মান্নবা মশক কয়া লৈ। মদুদি :

মণিপুরী	বর্ম্মীজ	কুকি	টিবেত
মী	মী	মী	মী
ঙা	ঙা	ঙা	ঙা
অমা	অমা	অমা	অমা
চে	চে	চে	চে[৪]

৪। দা. সাপম তোম্বা, মীতৈলোনগী ঈতীহাস অমসুং বানান, (ইম্ফাল ঃ মণিপুরী রাইটরস এসোসিয়েসন, ১৯৯৮) লাঃ ৫।

মথক্তা খরদং নৈনখ্রিবা অসিদগী মৈতৈরোন অসি টিবেতো বর্মন কাঙলুপকী মীওইশিংগা জাৎ কুচুনচিংবা মান্নবগা লোয়ননা লোনগী মশক অমা মপুঙদা মান্নবা মরম্না টিবেতো বর্মন কাঙলুপকী লোনগী মনুংদা থম্বনা খ্বাইদগী হেন্না নকশিন্নবা চানবা হায়বদু ওইগনি। তৌইগুম্বসুং খরা থেংথরক্লবা মতম মরু ওইনা ১৮, ১৯ শুবা শতাব্দীদগী হায়রিবা লোন অসিদা আর্য্য লোনগী মনুং চনবা সংস্কৃত বাংলানচিংবা লোন কয়ামরুম চঙশিল্লক্তুনা য়ানশিন্নখিবগী মশক অমদি উবা ফংই।

ময়েক

কবিগুম্বা জাতি অমগী নৎত্রেগা লোন অমগী হৌরকফম, মতমনচিংবা চপ চানা পুথোক্তুনা তাকপা ঙমদবগুম্না ময়েক্কী মতাংদসু অদুমঙাই। মৈতৈ ময়েক কয়া কুইরবগে কদায়গী হৌরকই হায়বা চপ চানা কনানসু মরীক চুন্না মতিক চানা প্রমান পুথোক্তুনা উৎনখিবা লৈখিদ্রি। অদুবু ঙসি ফাওবদা স্কোলর কয়ামকন্না মাগী মাগী মত ফোঙদোক্লদুনা চাওরাকপা মতম অমা লাক্তুনা থম্নরম্মী। মৈতৈ ময়েক্কী মরমদা জি. ঐচ. ডমন্টনা ১৭ শুবা শতাব্দী মমাঙদা মণিপুরদা মৈতৈ ময়েক্কী লাইরিক লৈরম্বা ফংনদে হারম্মী। টি. সি. হোদসন্না খৃষ্ট ১৫৪০ গী অদুবাইদা মণিপুরদা লাক্লম্বা চাইনিজশিংদগী তমহৌবনি হায়রম্মী। তৌইগুম্বসুং ব্বাফম অনীমক পণ্ডিত খেলচন্দ্রনদি য়ারমদে। পণ্ডিত অসিনা ফয়েংদগী ফংখিবা কোরী কোম্পাক্তা ইরম্বা ব্বারোলশিংদগী মৈদিংঙু খোঙতেকচা(৭৬৩ - ৭৭৩) গী মতমদগী লৈরে হায়না ডমন্ট অমসুং হোদসনগী ব্বাফম কক্লম্মী।[৫] পণ্ডিত রাজকুমার ঝলজিৎনসু কোরী কোম্পাক্কী মওঙ য়েংলগা ৮ শুবা চহীচাদগী লৈরক্লে হায়বসিনি।[৬] মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতম (১৫৯৭ - ১৬৫২) দা লাইরিক থোকহন্দুনা তমহনবগী মতাংদা *চৈথারোল কুম্বাব* দা অসুন্না ইরি :

> মোইরাংথেম শানোংগী কুমদি শক ১৫৩৮ দা মৈদিংঙু খাগেম্বনা মৈতৈ লাইরিক থোকহন্দুনা তম্বা হৌএ।[৭]

মথক্তা নৈনখ্রিবা অসিদগী মৈতৈ ময়েক অসি থেংলবদা মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মতম ১৫ শুবা শতাব্দীদগী লৈরে হায়বসিনি।

৫। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস*, (ইম্ফাল ঃ চিরোম য়াইমবী দেবী, ১৯৯২) লাঃ ২৫, ২৬।

৬। আর. কে ঝলজিৎ, *এ হিষ্টরি ওফ মণিপুরী লিটরেচর*, (ইম্ফাল ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি,, ১৯৮৭) লাঃ ১০।

৭। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, (সম্পা·) *চৈথারোল কুম্বাবা*, (ইম্ফাল ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯) লাঃ ৩৬।

পৃথিবী অসিদা খুৎইগী মওঙ য়েংলগা ময়েক অসি কাঙলূপ অহুম থোক্না খায়দোকপা য়াই। মদুদি -

(ক) ব্রাহ্মী লিপি - ওয়রোমদগী য়েৎলোমদা ইবা মওঙবুনি। খূদম ওইনা হিন্দী, ইংরাজী, বাংলা ময়েক অসিনচিংবা।।

(খ) খরোষ্ঠি লিপি - য়েৎলোমদগী ওয়রোমদা ইবা মওঙবুনি। খূদম ওইনা খরোষ্ঠি উর্দু, আরবিক অসিনচিংবা।

(গ) চাইনিজ লিপি - মথক্নোমদগী মখারোমদা ইবা মওঙবুনি। খূদম ওইনা চাইনিজ ময়েক, জপানিজ ময়েক অসিনচিংবা।

মৈতৈ ময়েক অসি ওয়রোমদগী য়েৎলোমদা ইবা মরম্না ব্রাহ্মী লিপিগী মনুং চনগনি।

মৈতৈ ময়েক্কী খোম্থোক অমসুং মশীং

মৈতৈ ময়েক্কী খোম্থোক অমসুং মশীংগী মতাংদা মণিপুরদা হৌজিকমক য়াম্না অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরি। কাঙলূপ অমগা অমগা খোম্থোক অমসুং মশীংগী মতাংদা ইমান মান্নদে। মতাং অসিদা য়ুম্নাবা তম্ফাজাওনা মাগী লাইরিক *মৈতৈ ময়েক ১৮গী কাঙলোন্ অমসুং ৱাঙউলোন* হায়বসিদা মৈতৈ ময়েক ১৮ অমসুং মসিগী খোম্থোকপু অসূম্না তাক্লি :

ꯀ	(কোক্)	ꯁ	(সম্)	ꯂ	(লাই্)
ꯃ	(মীত্)	ꯄ	(পা)	ꯅ	(না)
ꯆ	(চীল্)	ꯇ	(তিল্)	ꯈ	(খৌ)
ꯉ	(ঙৌ)	ꯊ	(থৌ)	ꯋ	(ৱাই্)
ꯌ	(য়াঙ্)	ꯍ	(হুক্)	ꯎ	(উন্)
ꯏ	(ই)	ꯐ	(ফম)	ꯑ	(অতীংআ)

অদুগা লোনসুম ময়েক ১০ ইবগী মওঙসু অসূম্না তাক্লি :

ꯛ (কোক্ লোনসুম) ꯜ (লাই্ লোনসুম) ꯝ (মীত্ লোনসুম)

ꯞ (পা লোনসুম) ꯟ (না লোনসুম) ꯠ (তিল্ লোনসুম)

ꯡ (ঙৌ লোনসুম) (উন লোনসুম) ꯢ (ই লোনসুম)

(অতীংআ লোনসুম)।[৮]

৮। য়ুম্নাবা তম্ফাজাও, *মৈতৈ ময়েক ১৮গী কাঙলোন্ অমসুং ৱাঙউলোন্* (ইম্ফাল ঃ মঙাংচা কৈশাম ইবোমচা, ১৯৯২) লাইরিক পুম্বা।

ওল মণিপুর মীতৈ ময়েক রিছার্চ এন্দ ট্রেনিং বোর্দ, ইম্ফাল, কংলৈপাক্কী মতুং ইন্না মৈতৈ ময়েক্কী মশীং অমসুং খোঙ্গোক :

ꯀ - কোক্	ꯁ - সম	ꯂ - লাই
ꯃ - মীৎ	ꯄ - পা	ꯅ - না
ꯆ - চীল	ꯇ - টীল	ꯈ - খৌ
ꯉ - ঙৌ	ꯊ - থৌ	ꯋ - ৱাই
ꯌ - য়াঙ্	ꯍ - হুক	ꯎ - উন
ꯏ - ঈ	ꯐ - ফম	ꯑ - অতিয়া
ꯒ - গোক	ꯓ - ঝম	ꯔ - রাই
ꯕ - বা	ꯖ - জিল	ꯗ - দিল
ꯘ - ঘৌ	ꯙ - ঢৌ	ꯚ = ভম

মতাং অসিদা বোর্দ অসিনা ꯒ = গোক ময়েক অসিদগী মথং শীংনা ꯚ = ভম ময়েক অসি ফাওবসি মথক্কী ময়েক ১৮ ꯀ = কোক্ তগী ꯑ = অতিয়া ফাওবসি মৈতৈলোনগী অহোংবা কয়া লাকপদগী অরিবা লোনদা কন্থা করেঙ্গনরম্বা মওঙদগী মতমগী মতুং ইন্না নৌথরকপদগী লোমথরকপনা মরম ওইদুনা ময়েক ৯ অসি থোরকপনি হায়রি।[9]

পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, ওইনাম ভোগেশ্বর অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনদি মৈতৈ ময়েক অসি মশীং ৩৫নি, অঙ্কি থারগা ৩৬ শুই হায়না মত পী। খোঙ্গোক্কী মতাংদসু বাংলা ময়েক্কী খোঙ্গোক "ক" গী মমৈদা "অ" নৎত্রগা "ও" গী খোঙ্গোক লোইবদা শীজিন্নবা খোঙ্গোক্কী ছন্দদু মৈতৈ ময়েক পাবদা শীজিন্নদে। হিন্দীগী খোঙ্গোক্তা মান্ননা পাগনি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী মত মতুং ইন্না মৈতৈ ময়েক্কী খোঙ্গোক অমসুং মশীং :

[illegible][10]

৯। দি. এস. তোম্বা (দোরেন) *কংলৈ ঈয়েক তম্নবা অরাইব মগী লাইরিক অহাব*, ইম্ফাল : ওল মণিপুর, মীতৈ ময়েক রিছার্চ এন্দ ট্রেনিং বোর্দ, ২০০২) লা: ৩-৮।

১০। ওইনাম ভোগেশ্বর, *মৈতৈ ময়েক মগী তম্নবা লাইরিক*, (ইম্ফাল : মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৯০) লা: ১,২।

খুৎইতনা মথং-মথং ইনরকপনা লাইরিক অমগা অমগা খেন্নবা মওঙ মখাদা উৎলি ঃ

= = = = ক	= = = ট	= = প
= = = ঙ	= = = ফ	= = র
= = = ঠ	= = = য	= ক্ষ
= = = ণ	= = = খ	

মথক্কী ময়েক কাঙলোন অহুম ১৮গী কাঙলোন, ২৭কী কাঙলোন অমসুং ৩৫গী কাঙলোন অসিদা মান্নবা অমসুং খেন্নবশিংদি - ময়েক ১৮গী মশক অসিদগী ' ' = গোক্‌তগী মথংশীৎনা ' ' = ভম ফাওবা ময়েক মাপন অসি মতমগী মতুং ইন্না লোমথরক্তুনা ২৭ শুবনি হায়বসিনি। মসিদা চাউনা খেন্নবা থোইদোক্লা লৈতে। অদুগা অমুক ময়েক ২৭ অসিনা ময়েক ৩৫ অসিগী মনুংদা = ছ, = ঞ, = ট, = ঠ, = ড, = ঢ, = ণ, = শ, = ষ, অমসুং = ক্ষ লৌথোক্লগা ময়েক ৩৫ গী স্বর ময়েক হায়বদি থব্বায় ময়েক (ঈ) অমসুং (ঊ) অসিগা পূন্না ময়েক ২৭নি হায়রি। (কাঙলূপ অনি অসি ময়েক মান্নকাওতে। খেন্নবা উৎপদা নুংঙাইনবা হায়দুনা পরিষদকী মৈতৈ ময়েক (ঈ) অমসুং (ঊ) হায়না শীজিন্নবনি) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা পুরিবা ব্রাপুনা ময়েক ৩৫ অসি নত্তনা মৈতৈগী অরিবা লাইরিক কয়ামকম পাবা য়াদে

দেভিদ দিরিঞ্জরনা সাউথইষ্ট এশিয়াদা ভাঙনরিবা লোনশিংগী ময়েক— দেবনাগরী, অহোম, টিবেত, মোন, থাই, বর্ম্মিজমচিংবা ময়েক্কী খোঙ্হোক অসি ka, kha, ga হায়না অদুমক পানৈ হায়বম্মী।[১১]

১১। দেভিদ দিরিঞ্জর, *দি অলফাবেট ভোঃ২* (লণ্ডনঃ ডব্লিউ. হ্বান হচিনসন এণ্ড কোঃ (পব্লিসর্স) লিমিটেদ, ১৯৬৮), লাঃ ২৫৪-৫৫।

PHONETIC VALUE	DEVANAGARI SCRIPT	PHONETIC VALUE	DEVANAGARI SCRIPT
ka	क	dha	ध
kha	ख	na	न
ga	ग	pa	प
gha	घ	pha	फ
ña	ङ	ba	ब
cha	च	bha	भ
chha	छ	ma	म
ja	ज	ya	य
jha	झ	ra	र
ṅa	ञ	la	ल
ṭa	ट	va	व
ṭha	ठ	zha	
ḍa	ड	śa	श
ḍha	ढ	sha	ष
ṇa	ण	sa	स
ta	त	ha	ह
tha	थ	ḷa	
da	द	ra	

দেভিদ দিরিঙ্গরগী *দি অলফাবেট ভো: ২* গী লা: ২৫৪,৫৫,৮০,৮১ অমসুং গোভর্ণমেন্ট ম্যুজিয়ম বুল্লেটিন মাদ্রাজদগী ডা সনাতোম্বনা লৌথোরকপদগী অমুক য়েঙজবা।

২৪

খৃৎইতনা

ঘ্র

থ্রা

চ

দি

মথক্কী ম

অসিদা

মথংশী

২৭ শুঃ

২৭ আঁ

তে

৩৫ গী

হাযরি

পবিষ্ণ

পুবিব

হাযর্বা

অহোঃ

অদুম্বং

মথক্কী ব্বাফমশিং অসিদগী তোপ তোপ্পা মণিপুবগী লিঙ্গুইষ্টশিংনা মৈতৈবোনগী খোঙ্হোক্কী মতুং ইন্না ব্যঞ্জণ ময়েক ২৪নি অতৈদি শীজিন্নদ্রবসু অকায়বা ওইর‌োইদবা ময়েক ঙাক্তনি হায়বম্মী। ময়েক ২৪ অদুদি

ক	খ	গ	ঘ	ঙ
চ	ছ	জ	ঝ	ঞ
ট	ঠ	ড	ঢ	ণ
ত	থ	দ	ধ	ন
প	ফ	ব	ভ	ম
য	ব	ল	ব্ব	শ
ষ	স	হ	ক্ষ	ড়
ঢ়	য	ং	ঃ	ঁ
ৎ				

মথক্তা লৈযিনা কোযশিল্লিবা মযেক ১৭ অসি শীজিন্নদ্রবসু যাববা ঙাক্তনি। অদুগা লেমহৌবিবা মযেক ২৪ অসিদি তঙাইফদনা শীজিন্নদবা যাদ্রবা ঙাক্তনি হাযনা মত ফোঙদোকই।[১২]

ব্বাফমশিং অসিদগী খঙবদি মৈতৈ মযেক অসি ঙল্লিঙৈ মতমদা মশীং য়ান্নমদ্রবসু থেংথবক্লবা মতমদদি মশীং শোযদনা হেনগৎলমগনি হাযনা থাজনিঙাই ওই। অদুগা মযেক্কী খোঙ্হোক্কী মতাংদনা সাউথ ইষ্ট এশিযাগী লৈবাক অযাম্বনা হাযবদি মণিপুবী নোংপোক্তা যূমথংনবিবা লৈবাক অযাম্বনা ka, kha হাযবা খোঙ্হোক্তা পাবা মবন্না মৈতৈ মযেকসু ka, kha হাযনা পাবনা মহৌশা ওইগনি। মণিপুবগী লিঙ্গুইষ্টশিংনা শীজিন্নদ্রবসু অকাযবা ওইবোইদবা মযেক ১৭ অসি অথেংবা মতমদা দেবনাগবী লিপি নৎত্রগা বাংলা লিপিগী প্রভাবগী চঙলক্লমগদ্রা হাযবসি খননিংঙাই ওইবি।

১২। দাঃ বাবীবম বঘুমনি সিংহ, 'মণিপুবি লোল্‌গি বানান কাঙলোন, ১৯৬৯ নৈনবা মীৎযেং অম' (সেমিনার পেপব), ইম্ফাল মণিপুবী লেঙ্গুইজ দিবলপ্‌মেন্ট সোসাইতি, জুন ২৬, ২৭, ১৯৯৯।

মরিশুবা পন্দুপ

লাইনীং লীচৎ

মালেম অসিদা মীওইবা জাতিনা হেক খুল্লিংদুনা লৈরকপদগী মাগী মাগী কাঙলুপ অদুগী মশাগী লাইনীং অমমম লৈনরকই। মীওইবনা পুক্সিগী লানফমদা খুদোংথীবা, অৱা-অনা থোরকপা মতম, অৱাংবা পান্দম তান্নবা, পাঙ্গল অমদি লৌশিংগী মঙমগী ৱাংমদা লৈবা নৎত্রগা মঙমগী মনুংদা ওইরবসু নীংজিং মাংজিংনবা মতমদা মঙোন্দগী হেন্না ৱাংনা লৈবা শকউদবা অমা লৈ হায়না থাজবা নৎত্রগা মাঙোন্দা চঙজনীংবা নৎত্রগা মতেং লৌনীংবগী অপাম্বা পোক্লকই। অসূন্না মীওইবগী ৱাখলদা পোক্লকপা অসিদগী লাইনীং ওইরকই।

য়াম্না ওল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা হৌজিক মৈতৈ হায়না খঙনরিবা জাতি অসিগী মশাগী তোপ-তোপ্পা লীচৎ- শাজৎ, ঈরাৎ-থৌনি, হরাউ-কুম্মৈ, লাইনীং-লাইশোন লৈজরকই। নোংমা নোংমগী চাউখৎপগী লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লকপগা লোয়ননা অহোংবা - অওনবা কয়ামরুম লাকখিবদগী য়াম্না ওল্লিঙৈ মতমদা চৎনরম্বা লীচৎ-শাজৎ, হরাও-কুম্মৈ, লাইনীংনচিংবা মওঙ কয়া অমদি কাওখিবা য়াওখ্রে হায়বা য়াই। মৈতৈগী অরিবা লাইনীং নৈনবদা আতিয়া, মালেম, সনামহী, পাখঙবা, লৈমরেন শিদবীবু অথোইবা লাই ওইনা লৌনরম্মী। অদুগা অমুক মপা মপু লাৎপা, মহৌশাগী পোৎশকশিং নুমিৎ, থা, থৱান্মিচাক, পাৎ, তুরেল, মৈ, ঈশিং, নোংনচিংববু লাইনি হায়না ঈরাৎপা নৎত্রগা খুরম্বগী থবক থৌরম কয়া চথরম্মী। যাম্না লিরবা মতমদা লাইথৌ-তীনথৌদা কৎনরম্বা পোৎলমশিংগী মতাংদদি **চরাৎ — ঈরাৎ থৌনি তৌবদা মী হাৎতুনা কৎপা, কোরাৎ — শা শন, ইরোই, শন্দং, হামেংনচিংবা হাৎতুনা ঈরাৎ থৌনিবা অমসুং মোরাৎ — উচেক-ৱায়া অমসুং ঙানচিংবা কত্তুনা ঈরাৎ থৌনিবা অসি চৎনরকই।**[১] অদুগা শিবগা পোৎলোইবগী মতাংদসু মওঙ মবিদা পোৎলোইবগী মশক উবা ফংই। মদুদি

(ক) নুংশিৎকী পোৎলোই - অশিবা মশা অদু লমলক্তা হন্দোক্তুনা থম্বা,

(খ) লৈপাক্কী পোৎলোই - অশিবা মশা অদু লৈপাক্তা ফুম্বা,

(গ) ঈশিংগী পোৎলোই - অশিবা মশা অদু ঈশিংদা থাদবা অমসুং

(ঘ) মৈগী পোৎলোই - অশিবা মশা অদু মৈ থাবা চৎনরম্মী।[২] মথক্কী নুংশিৎকী পোৎলোই

১। এন, ইবোচৌবা (সম্পাঃ), *থিবেল লায়াৎ* (ইম্ফাল সম্পাদক মশা, ১৯৮১), লাঃ ৪০, ৪১।

২। থোঙাম মাধব অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা'), *খুনুং লিচৎ শাজৎ* (ইম্ফাল ঃ শ্রী থোঙাম মাধব সিংহ, ১৯৭০), লাঃ ৬৯, ৭০।

অমসুং ঈশিংগী পোৎলোই মখল অনী অসি মথৌ-মণ্ডম লৈতে হায়না "পুরোই মসিন" খূৎই লাইরিক্তা পল্লম্মী। অসিতসু নক্তনা হৈজিং খরাই পুবা, বারোইপোৎ পুবা, লুহোংবা, অণ্ডাং পোকপদা শাগে ঘুম্মাং য়ুমশেংবা, য়ুপান থাবা অমসুং মীশি মীনা চাদনা শিবা হায়বদি ঈশিংদা তাদুনা শিবা, থৌত্রি য়াম্দুনা শিবা কয়া অদুবু অমুক মতুংদা মাগী মাগী শাগে নাতৈদা তেকশিন-হঞ্জিন্দনবা হায়দুনা চুপশ্না মোইথেম পাণ্ডথোক্লে। অনা লাইওঙ খঙদনা য়াম্না কন্না নারবা মীগী মথবায়-মমিবু অমাইবনা উশিন শিন্দোকপা, অনম-অথৌ কোকথোকপা, চাবান থাদোকপা, লাইনিংথৌ সনামহী খুরম্বা, লৈমরেন খুরম্বা, সনা-লুপা কোনয়াই চন্দুনা লাই তাইনবগী চৎনবী অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী অদুমক চৎনরকই অদুগা চহী অমগী মনুংদা থা তরানিথোই লৈরিবা অসিদা তোঙান-তোঙানবা থা থাদা ঈরাৎ থৌনিবগী চৎনবীসু লৈ। মথক্তা পনখ্রিবশিং অসিদগী মরু ওইবা খরদং লৌখৎলগা মীৎয়েং থমলি।

মৈতৈশিংনা মহৌশাগী পোৎলম ওইবা আতিয়া, নুমিৎ, থা, থবান্মিচাক, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎনচিংববু থবায় পানবা লাইনি হায়না থাজনৈ। মখোয়না করিগুম্বা অনা অয়েক্কী মতমদা নৎত্রগা য়াইফনবগীদমক হায়রিবা মহৌশাগী পোৎলমশিং অসি ঈরাৎপগী থৌরম তৌই। নুমিৎ ঈরাৎপগী মতাং অমা :

> নপন তুবী অঙনবা কোরৌ নোংবু খোনবা চনু মালেম লৈবুরুম্বা নু নোংপোক মহৌ লৈরাইপাংগা নিংথৌ চনু পাইমা সনা লিনগোইনুংগী থৌদু নুংপাক থক্তা নাওনৌবা, ... মালেম লাংজখৈ য়োইময়াই নুমিৎ সনা খোম্মতোন অতোনবা নংবু পুনেমজরিএ। নুমিৎ নংনা লূবগুম লূজরগে,থবি নংনা শেংবগুম শেংজরগে, থবা নংনা পানবগুম পানজরগে কুবিও।[৩]

থা ঈরাৎপগী মতাং অমা :

> লোইদাম থাজ পাখংবা থাজ থানিংথৌ, নুমিদাং তাংলৌ লৈনা থেংলবদা অমমম্ তোনবা নারন্ শিরবদা লৈতেংনরিবা নংবু পুনেমজরিএ, কুবিও।[৪]

মৈ ঈরাৎপগী মতাং অমা :

> চকমোম খাম্বী মৈত্রেং অরাবা, মৈশুৎ মৈবা মৈ, তেক্ তেক্ থৌদু মৈ, চকপা মৈরিং মৈ, মোংবা মৈরিং মৈ, কম্বী নাওরৈখুন খোইজু তোম্লোং লৈখাম বাইবা মৈ, ... লমলেন কাচকপু মৈ পীনৌও হায়না নদাইবেমনা মৈয়াং খূত্তা পায়না মৈশুৎ থক্তা থোং শঙ্গোং মৈরি য়াইদা চন্না খাম্বী মৈনিজববু কুবি-ও। খাম্বী পাইমা পিবুকন্নুং হরাও মথোই তোংবি-ও ।।[৫]

৩। মথক্কীসিদা, লাঃ ৭১।

৪। মথক্কীসিদা, লাঃ ৭১।

৫। মথক্কীসিদা, লাঃ ৫০, ৫১।

ঈশিং ঈরাৎপগী মতাং অমা :

হে ইবেম্মা য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা নমিংবু কচেং ঙানবী কৌবী ঈরৈমা ঈনামুং ঈখৈরেন নামুংবী, নোংদা তরংলেন তুরিকপী, ঈরিক কোঙ্গোন লনকুম্বী, কংপিক কংচাও পোক্ল ঈ, লাইজা ঈ থাবি লাইজা ঈরিবী, কোরৌ নোংথৌরেন তরেৎমক্তগী কুমলকও।[৬]

মতৌ অসুন্না মৈতৈশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী মহৌশাগী ওইবা পোৎলমশিং অসিবু থবায় পানবা ঈশ্বরনি হায়না খন্দুনা ঈরাৎপগী থৌরম চথরম্মী হায়বসি খঙবা ঙম্মী।

সনামহীবু অথোইবা লাই অমনি হায়দুনা ঈরাৎপগী লাইশোন মতাং :

হয়া হে খোইমোম লাইনিংথৌ অৱাং ফাৎলৌ লাইমা খোম্বা চীঙু য়াইবী মতুম্মাগী অতিঙা উংলৈতিং অথুপ্পদা তাইবং অপকমা পুন্নমক্লা কজেং থাংকোক্ তুকুম্ববু চাচন হৌনরকপা লাইয়িংথৌ -ও। ... নচুবু মৈগী মচু ওইবা, নমিংদি তরেৎ থোনবদগী অনি লৌথোক্তুনা মঙা থোনবা, মঙাদগী যাম্মনলে হায়দুনা অহুম থোনবা অদুসু য়াম্মল্লে হায়দুনা অনি থোনবা, অদুসু য়াম্মনলে হায়দুনা অমা থোনবা নমিং 'র' কৌবা হে লাইয়িংথৌ নংবু ননাইনা পুনেমজরিএ, কুবিও ।।[৭]

পাখঙববু লাইনি হায়না খুরমজবগী মতাং :

মৈতৈ লৈবাক্তা অঙনবা মতম হায়বদি লৈশেম-নুংশেম্বগী মতমদগী হৌনা তোঙান-তোঙানবা মতমদা পাখঙবা মরি পানখিবা অমসুং লৈরম্বগী ৱা থেংনৈ। হায়রিবা পাখঙবা মরিমক মশা অমত্তনি শায়োন তৌদুনা মতম-মতমদা পাল্লম্বগী ৱাফম ঐ খোয়না অরিবা লাইরিক কয়ামরুমদা ফংই অমসুং মখোয়বু লাই ওইনা খুকমজবগী মতাং অমা মখাদা থমলি ·

হুম হুম হুম উম হে খোইমোম লাইয়িংথৌ অতিয়া উংলৈনুংগী অমম্বা য়াইবী মতুম্মাগী অথুপ্পা পোকলেন য়াইবীরেনগী চিথোইবা ওঁলৌ য়াইবীরেন শিদবগী লিহুইফম, ... হে তুবিয়োইনোংতা নোংদা লাইরেন পাখংবা নংগী নতিক নঙনবু থাঙমলোইএ। চীংঙু নংগী নশানওন্দি হয়িচক্তা পাখং য়োইরেন তোনপোকপা কৌএ। হয়াচক্তা তাংজা

৬। মথক্কীসিদা, লাঃ ৫১।

৭। মথক্কীসিদা, লাঃ ৭৩, ৭৪।

লিল্লা পাখংবা কৌএ। খুনুংচক্তা সেম্প্লেং লোলাং পাখংবা কৌএ। লাংবচক্তা তুবিয়োই নোংতা নোংদা লাইরেন পাখংবা কৌনা লাংওনফবা লাইয়িংথৌ নমিংবু স কৌবা নংবু ননাইনা পুনেমজরিএ।[৮] -

মতাং অসিদা নোংদা লাইরেন পাখংবা (৩৩ এ.ডি. দগী কংলৈপাক্তা পানখিবা নিংথৌ) বু খুরমজবগী মতাংদা মহাক্কী শায়োন মতিক- মঙনবু শৈথাজবনি। অহানবা চক হয়িচক্তা পাল্লম্বা পাখংবদি পাখং য়োইরেন তোনপোকপা (লৈনুং লোনজা অরিবা পাখংবা) নি। মাগী লোয়নবীনা লৈওই-নোংওইবীনি। অনীশুবা চক হয়াচক্তা তাংজা লিল্লা পাখংবনি, মাগী নুপীনা হঙোই শেন্দেং নুরাবীনি। অহুমশুবা চক খুনুংচক্তা সেম্প্লেং লোলাং পাখংবনি, মাগী নুপীনা য়াইবী লৈমনি। মরিশুবা চক লাংবচক্তা নোংদা লাইরেন পাখংবনি, মাগী নুপীনা লাইস্নানি। মথক্তা পনগ্রিবা পাখংবা মরি অসিগী তোঙান - তোঙানবা মিং কয়ামরুমসু পল্লম্বা থেংনৈ। খুদম ওইনা লৈনুং লোনজা পাখংববু পাখং য়োইরেন তোনপোকপা, পাখংবা কোঞ্জিন তুথোকপা, কোংলৌতোন লৌথিবা[৯] অসিনচিংবা পল্লম্বা থেংনৈ।

মপা মপুশিংবু লাই ওইনা লৌবা অমসুং ঈরাৎপা :

মৈতৈ হায়বা জাতি অসিসু মপা-মপুবু খোঙ্গুল লীজদুনা মীরোন খরা হেনগৎখ্রবা শীংথানিঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া পাংথোক্লমবদু নীংশিংবা ওইনা লৈহৌরিবা মচা-মশুশিংনা লাই ওইনা খুভম শেমদুনা ঈরাৎপগী থবক চথনৈ। ইপা-ইপু পোকপসি খমনুংদা লৈ হায়না থাজনৈ। মখোয়শিংদুবু লাইবা - তীনবা শোন্দুনা খুরম্বগী মশক উবা ফংই। চহীগী চাকলোন কৎপা অমসুং চনৌ তঙবদা মখোয়গী চাকথা থাদোকই। লৈবাক অসিদা মৈতৈশিংনা অথোইবা লাইনি হায়না লাৎনরিবা পাখংবা, মায়কৈঙাকপা লাইশিং, পুরৈরোম্বা, নাউথিংখোং, অমুদোন অসিনচিংবগী মরক্তা উমঙলাই কয়ামরুম অমসু লৈরি, মখোয়শিং অসি অতৈ কনাসু নত্তে মৈতৈগী শাগৈ-সলাইশিংগী পুকোক ঙাক্তনি। মখোয়শিং অসি মাগী মাগী লোয়নবা নুপী লোয়না লৈ,হরাউবা মতমদা পূন্না হরাউমিন্নদবা য়াদে। করিগুম্বা মখোয়শিং অসিগী মনুংদা নুপী অনী থিবা নৎত্রগা লোনবা লাই য়াওরবদি নুপী অনীমক অহন অমসুং অতোনবী পূন্না হরাওমিন্নদে। খুদম ওইনা লাইনিংথৌ খল্লাংবগী নুপী অনীনি শঙ্খোং হুইমু লৈমনা অহননি, উরিপোক্লচিংবা মফমদা খল্লাংবা হরাউবদা নুপী অহন অসিগা হরাউমিন্নৈ। কালিকা (তখেল নিঙোল) নুপী অতোনবীনি। ককচিং, থৌবালনচিংবা মফমদা খল্লাংবা হরাউবদা মহাক্কী নুপী অতোনবী অসিগা হরাউমিন্নৈ। মখোয়শিং অসিদগী মচা-মশু কয়া শন্দোক্লম্বদগী ঙসি ফাওবদা মখোয়বু

৮। মথক্কীসিদা, লাঃ ৭৪-৭৬।

৯। রাজকুমার সনাহল গুনেশ্বর সিংহ, *মৈত্রবাক্কী থাঙ তাগী মরোল,* (ইম্ফাল ঃ অইবা মশা, ১৯৮১) লাঃ ১৬১।

মাগী মাগী শাগৈগী মচা-মশুশিংনা কাওবা লৈতনা ঈরাৎতুনা হৱাউ তয়াম্না পাঙথোক্লরি। অদুগা অমুক মৈতৈগী থা তরানিথোইগী মনুংসিদা করম করম্বা লাইশিংবু ঈরাৎ-থৌনিজগদগে হায়বগী মতাংদা চৎনরিবদি - লমতা থাগী তরানিথোইনি পানবদা মোইরাং সলাইগী অপোকপা খুরম্বা, শজিফু থাগী তরামঙানি পানবদা খুমন সলাইগী অপোকপা খুরম্বা, কালেন থাগী তরানি পানবদা ঙানবা সলাইগী অপোকপা খুরম্বা, ইঙা থাগী তরামঙানি পানবদা নিংথৌজা সলাইগী পাখঙবা খুরম্বা, ইঙেন থাগী তরানিথোইনি পানবদা অঙোম সলাইগী অপোকপা খুরম্বা, থৌৱান থাগী তৎনবা নুমিৎ অমদা অমুক পাখঙবা খুরম্বা, লাংবন থাদা মৈতৈ খুদিংমক্তা মাগী মাগী অপোকপা খুরম্নে, মেরা থাগী তরানি পানবদা মেরা শন্দুবা হায়দুনা ঈরাৎপা তৌই, নুঙ্গোইবী লাইরেম্মদা শন্দং কত্তুনা ঈরাৎলগা চীংবুরোই তম্বুরোই পূন্না হৱাউ তযাম্মিন্নে, মসিবু মেরা হাও চোংবা হায়না কৌই। হিয়াঙ্গৈ থাদা কোংবা হী মরুদা শীংলেন মনম নাইবা কৎলে। তাংজ লিন ঈরাৎলি। পোইনু থাদা অতিয়া গুরুবু ঈরাৎচৈ, ৱাকচিং থাগী তরানিথোইনি পানবদা লুৱাং সলাইগী অপোকপা খুরম্বা, ফাইরেন থাদা শবাং লৈশাংথেম (চেংলৈ) সলাইগী অপোকপা খুরমনৈ।[১০]

লাইনীংগী মতাংদা অসূন্না চম্থরকপনা মীওইবনা ওইহন্নীংবা নৎত্রগা পীশিনবা মতিক -মগুণগী মতুং ইন্না শেম্বা মৈতৈশিংনা লাৎনবা লাইশিং থোরকখি; মদুদি- ফৌওইবী, লন লৈমা, হুম্বু নারেংগুবী, ঙারৈমা, থুমলৈমা, লানগী লাইরেম্বী অসিনচিংবা। মসি মহৌশাদা মপান তাংদুনা মহৌশাগী অকি-অখঙ মরক্তা লৈদুনা অৱা-অনা কয়া মায়োক্লদুনা অমদি মখোয়শিংদগী ঙাকথোকচনবা ঈরাৎ-থৌনি তৌদুনা লৈরকপগী মথক্তা নুংঙাইনা পুন্সি মরাঙ কায়না মমল লৈনা হিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপগী লাইনীং লম্বীনি হায়বা য়াই।

মৈতৈশিংনা করম্বা মতমদগী লাইশঙ শাদুনা লাই ঈরাৎপা হৌখিবগে হায়বগী মতাংদদি খাব সলাইগী খাব শোকচোংবা অমসুং মাগী তালোয় মনু তেকঙা অনীনা মমৌ ইবেম্মা পান্থোইবীগী মতিক মগুণ খঙলকপদগী পান্থোইবী অমসুং নোংপোক নিংথৌ অনীগী খুভম শেমদুনা ঈরাৎপা হৌখিবদগীনি হায়বা য়াই। মতাং অদু *পান্থোইপী খোঙ্কুল* দা অসূন্না শৈথারি ·

> হে তম্পা ৱাঙম্লোন্ নঙ্কিতমকপু মনু তেকঙা খাবা হোইতোন্কোক্পমনিংঙোনপীনা মতু চনু সনা লাংমৈরেম্পী মন্ কৌ থাঙনা চোমলাং মায়্কোয়্লেননা শিঙ্লেল্ লৈরোয়্ য়াৎনা লৈরাং কায়্তোয় চন্না তীন্তু লাইফম্ তাউনা উশোঙ্ লৈরা খিন্না খোইমোম্ লাইফম যাবওয়ে।... খোইমোম্ লাইশঙ শাপা অসিতা চিঙঙু খোংপাল্

১০। থোঙাম মাধব অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা), *খুনুং লিচৎ শাজৎ* (ইম্ফাল. শ্রী থোঙাম মাধব, ১৯৭০) লা ৭-১৭।

বায়না কোরও নোংচা খুতিঙপু বাংপল কাশারেল্‌পু ওইনাতি থুরুম্‌ন্‌ খিয়ে।[১১]

মসিগী মতুংদা ফূরা শাদুনা লাই ঈরাৎপগী থৌরম চখবসি মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মতমদা লমাংদোংবু বিষ্ণুপুর কৌদুনা ফূরা শাদুনা বিষ্ণু লাৎপা হৌখিবদগীনি হায়বসি পন্নরকপা থেংনৈ। মসি খরা ঙনখৎনা হিন্দু ওইবা পাম্বগী বাফমনি। কিয়াম্বগী মতমদা বিষ্ণুগী চক্র য়াইবু পোং নিংথৌনা পীরকখিবগী বাফম *চৈথারোল কুম্বাবা* দদি পল্লমদে, কিয়াম্বগী মতমগী মহুত্তা গরিবনিবাজ মহারাজ সনাহাক্তক্তা *চৈথারোল কুম্বাব* দা অসূন্না পল্লম্মী :

ইঙেন থা থা অহন নোংদা পোং নিংথৌ খেখোম্বগী য়াইবু নিংথেমগা পোং নিংথৌগা কুচুদা ফমিন্নবদা পীএ।[১২]

অদুগা অমুক লমাংদোংবু বিষ্ণুপুর কৌখিবসি মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র (১৭৬৩-১৭৯৮) গী মতমদনি, মরম অসিনা মমাঙদা বিষ্ণুপুর কৌরম্বগী বাফম থেংনদে। ফূরা শাদুনা লাই লাৎপগী মতাংদদি খাগেম্বা নিংথৌগী সনা হাক্তক্তা ফূরা শারম্বগী বা ঐ খোয়না থেংনৈ।[১৩] লাইগী মুর্ত্তি হৈরগা শাদুনা ঈরাংখিবগী মতাংদা চরাইরোংবগী মতমদা পাম্থোইবী মুর্ত্তি হৈখিবগী বা ময়েক শেংনা *চৈথারোল কুম্বাব* দা পল্লি।

৬নি ঈরাইদা পাম্থোইবীগী মুর্ত্তি হৈগদবগী অহৈবা হঞ্জবা তারিনা লৈমি তমএ। ১১নি য়ুমশাকৈশদা পাম্থোইবীগী মুর্ত্তি হৈএ।[১৪]

মৈতৈগী পোকপা, শিব অমসুং পুন্সিগী ঈচেলদা থাদোক্লবা য়াদ্রবা থৌরম কয়া- ঈপান থাবা, চউম্বা, নাহুৎ-নারেং, লুহোংবা, শিবগী পুরোই লৈকোইবা, মথৌ য়াঙ্গেলবা- হোঙনেম্বা অমদি শিথ্রিবা মীওই অদুগী চহী কুমওন ফারকপদা উক্রোং হোঙবগী থৌরমশিং তঙাই ফদনা পাঙথোক্লে।

মৈতৈনা মমাগী পীবুক্লুংদগী তাইবঙদা হেক খোঙদারকপদা য়ুমগী হেক মমাঙদা লেপ্তুনা অশৈবশিংনা কাসা থরাওচি খোঙদুনা কাসা পাউতাকই। অঙাংদুগী মনাকোং অনীমক্তা মপানা তাইবঙ মপুগী মিংলেন পিগনি অমসুং মমানা খোল্লাং পিথক্কনি। মমানা অফবা অথুম্বা মখলগী য়ু থক্তুনা মৈনীং কুম্মী। নুমিৎ শীংবুম তরুক্কি শুবদা সোরারেনদা কাসা অমুক পাউতাকই। ঙারীনা পরেং মরীক চুন্না লেংদুনা লৈ পরেংগুম হাপ্পী য়াংকোক্তা

১১। মোইরাংথেম চন্দ্রসিং (সম্পা:), *পাম্থোইপী খোঙ্কুল্‌* (ইম্ফাল ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৯৯) লাঃ ১৪১, ১৪২।

১২। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফাল ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯) লাঃ ১০২।

১৩। মথক্কীসিদা, লাঃ ৩৮।

১৪। মথক্কীসিদা, লাঃ ৬২, ৬৩।

পোৎ মশীং শুনা হাপ্লগা মালেম লৈমরেন শিদবীগী মফমদা থৌনিজে। অসূন্না তরুক্নি শুবদা ফমশিল্লগা নুমিৎ শীংবুম তরানি শুবদা মমা-মচা অনীমক তাইরেন মশানা হকশেং নাহাইরোনবু শোল্লগা ঈশিংনা হাইদোক্তুনা শেংদোকপী। অঙাংদুনা থাবুম অহুম শুরবগা অঙাংদু নীংথিনা ঈরুজবিদুনা অহনবা ফি-রোল শেৎপীগনি। অদুগা সনথোঙ পুঙমায় লেপ্পা লাইয়িংথৌদা পুন্সি নিজরগা চফু অহনবদা চাক অমসুং ঙারম তরেৎ, শারম তরেৎ, য়েল্লাঙ-য়েল্লম তরেৎ তোঙান-তোঙান্না চফু অহনবদা থোঙগনি। থোঙবা লোইবগা অপোকপদা তরা লুকমায় শেমদুনা পুন্সি থৌনিজরগা ঈমোইনু অহোঙবীদসু খুরমজগনি। অদুগা মাঙ্গোন্দা পলেম মমানা অঙাংদু পন্নগা মপানা চাক-ইঞ্জাং মথেল শুনা চদুম তাদুনা লৈরগা অমাইবনা লাইশোন তৌরক্লগা চদুম অদু অঙাংদা ইনবি। তরা চায়িন লোইরগা সনা লুপা থল্লগা অঙাংদুবু থাদোক্তুনা পায়হল্লি। করম্বনা হান্না পায়বা য়েংলগা অঙাংদুগী তুংগী পুন্সিগী লমদাংবু খঙবা ঙম্মী হায়না থাজনৈ। অঙাংদুগী চহী অহুম শুরকপদা তানতে খুৎহৈবনা লাইশোন শোল্লগা নাহুৎ নারেং তম্বী।

মৈতৈ শিবগী মথৌ মঙম (মথৌ য়াংকেলবা) —১

মৈতৈশিংনা মাগী মাগী পুন্সি চেংজেল লোইরক্তুনা নোঙ্গারবদা য়ুমগী অৱাং চৎলম নাকথদা অশিবা মশা অদু পুথোক্লগা শুমাংদা মকোক অৱাং ওন্দুনা হিপহল্লি। অসূন্না মীওইবনা য়াইবী থৱায় শুপ্পা মাঙখি হায়বগী মফমবু শুপমাঙ (শুম্মাঙ) কৌই। থেলনা লোংনা তারে হায়বগী থেল্লোং কৌই।[১৫] অদুগা য়াথোকশঙদা মতম খবা পোথাহল্লগা নাংথিজনা ঈক-শন্দেংবিরগা চরৈ ফিঙৌ শেৎপীদুনা অশিবা মীদুগী পাবী-পুরী, সলাই লাইহুই, লাইরী লাইচৎ থিদুনা খমুংদা কাসা পাউতাক্লগা পুং-শেল য়ৈদুনা অশৈবনা 'সনা লমওক' নচিংবা ৱাকয়ে হিবান লীরোন ঈশৈ শক্তুনা মংফম তান্না পুথে। লৈবাক্কী পোৎলোই তৌরিঙে নৎত্রগা তৌবা কাঙলূপ্পা অচা-অথক, তরা-চেংজেল, তবেৎ-শেলজা, ফিরোই ফিঙাম,খূৎশু-খূৎলাই মশীং শুনা হাপ্লগা মকোক অৱাং পাংনা য়াতাহল্লগা লৈবোল চল্লি। মৈগী পোৎলোই তৌরক্লবা মতম নৎত্রগা তৌবা কাঙলূপ্পা মালেম লৈগা থানা শীংখল তবেৎনা মালেম লৈরোল তরেৎ শক্লা শীংপৈ থোন্দুনা অশিবদু মকোক অৱাং ওলহন্দুনা থল্লগা নিপা ওইবগনা য়েৎওইননা মঙাবক, নুপী ওইরগনা ওইওইননা তকক্লক কোয়রগা খাম্বী মৈ চুই। মৈদি মৈবা চিংদুনা লৌরগা তৌনরম্মী। নুমিৎ শীংবুম হুন্নি শুবগা শুম্মাঙদা ঈশাইফূ খিন্দুনা মথেল লুকমায় শেমদুনা তরা চয়োম শেল্লগা তাইবেল মশানা হাইদোক্তুনা নাহে লীরোল শক্তুনা ঈরাৎকনি। নুমিৎ মঙানি শুরগা অমাইবনা অশিবগী মিতম লাক্তুনা খানীং মিকোনবা মথৌ য়াংকেলবগী থৌরম মথং মথং চথে। নুমিৎ তরেৎনি শুবদা পারী-

১৫। য়ুন্নামচা বুদ্ধিচন্দ্র (সম্পা) *থালোয নোংখাযলোন* (ইম্ফাল ঈনাৎ কনবা অমসুং সেমগৎ সাগৎপা লূপ, ১৯৮৬) লাঃ ৫৬, ৫৭।

পুরী, য়েক্রোন লাইহুই থিনা অবাং নোংনিংথৌদা থিনজিনবি। তরানি শুবা নুমিত্তা শাগৈ য়েনলূপ পুন্না তাইরেল মশানা য়ুমশেং নাহাইগনি। তরামাথোইনি শুবা নুমিত্তা শুম্মাঙদা হৈরাং-লৈরাং কয়ানা অথেলপোৎ ওইনা মশীং শুনা থেল্লগা অমাইবনা পারী-পুরী, শাগৈ, য়েক-সলাই লাইহুই তাক্লা লাইরোল শোল্লগা খম্নুংদা অমুকসু কাসা পাউতাক্তুনা মংথোঙ থিংলগা মথৌ য়াংগেল্লি। অশৈবশিংনা চীংঙু মাগী মতিক-ময়াইবু তরেৎ শেনফাং য়ৈদুনা নোংগা লীরোল ঈশৈ শক্তুনা লান্ন-থৌরমবু পাঙথোকই।[১৬]

(মতাং অসিদা নীংশিংগদবা অমদি মৈতৈ হায়বা জাতিঅসি মমাংঙৈদগী লৈবাক্কী পোৎলোই চৎনরম্মী। তৌইগুম্বসুং অহানবা শতাব্দীদা পোইরৈতোন্না লমদম অসি মী মৈ থাবা থেংনখিবা অদুদি চকপশিংনি।)

অশিবগী মথৌ য়াঙ্গেল্লবা থৌরম পাঙথোকখ্রবা মতুং চহী ফারকপদা কুমওন থৌরম ওইনা উক্রোং হোংবা হায়দুনা পাঙথোক্লে। মসি শিখ্রবা মীদুগী থবায়, কাসা লাই অমসুং পুরোল-পারোলশিংনা পেনবিনবা তৌবা থৌরমনি। থৌরম অসি পাঙথোকপদা ফি, চেং-লৈ, মৈরা, শা-ঙা, থোইজু-লৈথাম, তরা চাকলেন, হৈ-রা, অথেনপোৎ কয়া য়াওনা লাইশোল পাঙথোকই অমসুং অশৈবশিংনা পূং-শেন অহোঙলোন্নচিংবা শক্তুনা কাসা পাউতাকই। উক্রোং হোংবগী থৌরম পাঙথোকপগী মতাংদা *চৈথারোল কুম্বাব* দগী অমত্তং লৌখৎলি :

> ২০নি য়ুমশকৈশদা চোংথা এন্দ্রেম্বনা উক্রোং উতুপা চৎএ। ২৩নি থাংজদা নিংচৎবাদা কৈ অমা ফায়এ। নেংমদা চিঙ্গোন্দা কৈ অমা ফায়এ। কালেন থাদি থাংজনা হনএ। ৭নি ঈরাইদা উক্রোং থুংলয়ে। ১০নি নিংথৌকাবা উক্রোং য়ুংএ। শিজ ঙাইখোং ঙম্বীনা উক্রোং হোঙএ।[১৭]

অসূন্না উক্রোং হোংবগী থৌরম অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ নিংথৌ কাংবগী মতমদগী চৎনরক্লবা হৌজিক্কী ফিরোইগা মান্নবা তেংবানবা মপূগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মীবু পীজ-পীথক তৌদুনা পাঙথোকপা মরু ওইবা থৌরম অমনি। অসিগুম্বা চহী ফারকপগী মথৌ-মঙমগী থৌরম অসিদা ফূমজিনখিবা অশিবা হকচাং অদু চহী ফারক্লবা মতমদা তৌথোক্লগা শরূ-শয়াং মরু ওইনা কোক্কী শরুক অদু নীংথিজনা চামথোক্লগা নিংথৌ, অঙম-অথৌ, মীচম অসিনচিংবগী চাংগী মতুং ইন্না সনানা নৎত্রগা অতৈ পোৎলম চফূনচিংবগী মনুংদা

১৬। মথক্কীসিদা, লাঃ ৫৬-৫৯।

১৭। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফাল· মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ,, ১৯৮৯) লাঃ ৭১

হাপ্লগা অমুক লৈরোল চনবগী চৎনবী লৈরম্মী হায়বসি *থৌবান থাবা হিরান* লাইরিক্তা অসূন্না ইরি :

> হয়েং লোইদাম কুমওল্লবদা মদাইরেম শিন্নাই য়াইহোনগী খোইরু তেংমাই থিনবনা থাংলেন য়ৌন্নাই মেন্না খন্নৌয়োইহনবা তাংজ লূতেংবা পারোং থোপথিনবদা লাহান্নোং মৈদিংঙু লোইনাই থবাছাবনা য়োইবু তাংজা লুমাই খায়না য়োৎপী হুইগা থাববু মিৎয়েং শানগৈরে।[১৮]

লৈবাক অসিদা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী চৎনরক্লিবা লাইনীং লীচৎ অসি নিংথৌ কয়াগী মতমদা শেমদোক শেমজিন মওঙ খরা তৌজখ্রবসু মনুংগী ওইবা ভাবতি করিমত্তা খেন্নবা লৈতে। পামহৈবগী মতমদগী লৈবাক অসিদা পাক-শন্না হিন্দু ধর্ম্মদা মায় ওনশিনখ্রবসু মৈতৈশিংনা মৈতৈ লাইনীং লীচৎপুদি ঙসি ফাওবদা থাদোকপা লৈতনা চৎনরি।

১৮। ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র (সম্পাঃ), *থৌবান থাবা হিরান* (ককচিংঃ পিপলস ম্যুজিয়ম, ১৯৯৮) লাঃ ৩৩।

মঙাশুবা পন্দুপ

লৈঙাক্লোন অমসুং ফমলোন

য়ুমথোং অমা, লৈকাই অমা, খুঙ্গং অমা, জাতি অমা অসিনচিংবা মখোয় মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা মশাগীতা ওইবা চৎনরোল খবা লৈজে। হৌনশানি পীক্লবা য়ুমথোং অদুগীসু য়ুম্বুরেলগী অফবা অপাম্বা মশাগী হৈনিংবা মওঙ খরা লৈজে, মদুবু মাগী মখা থাবা মচা-মশুশিংদা তাকপী তম্বী অসুন্না করিগুম্বা লৈকাই, খুঙ্গং, জাতি খুদিংমক তোঙানবা চৎনবী অমমম লৈজরিবদু মখোয়গী অহনশিংনা মখা থাবা মচা মশুশিংদা তাকপী তম্বীদুনা চত্থরকনৈ। অসিগুম্বা মওঙ অসি করিগুম্বা লৈবাক অমগী মতাংদসু অদুমঙাই। নিংথৌ নৎত্রগা অঙম-অথৌশিংনা নীংথিনা শেমদোক্লবা নিয়ম-নীতিশিংদু লৈবাক প্রজানা ঙাক্লা চৎনৈ নৎত্রগা ঙাক্লা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মণিপুরগী মশাগী ওইবা লৈঙাক্লোন লৈজরকই। নিংথৌনা লৈবাক্কী খ্বাইদগী মকোক থোংবা লুচিংবনি। নিংথৌগী ঈ নত্তনা অতোপ্পা মতিক মগুণ লৈবা মীওই অমনা হেক্তা নিংথৌ ওইবা য়াদে। *নুমিৎ কাপ্পা* লাইরিক্তা খ্বাই নুংজেংবম পিবানা তাউহুইরেং অহনববু তেন্না কাপথুরবদা মনাও সনা খোম্মদোন নিংথৌ মশামক কিদুনা মোইরাংদা চেন্দুনা লৈখি। মতমদুদা নিংথৌ খুভম হাঙদুনা লৈরবদা অকন-অথৌ অমনা নিংথৌ ওইবগী মহুত্তা লৈবাক্কী অঙম্বশিং তান্নদুনা নুমিৎ সনা খোম্মদোনবু অমুক নিংথৌ ওইবিরনবা হায়জবা মতাংদু অসুন্না ইরি :

মালেম লয়পি খোঙবাই সেম্না।। পরয় থাংথোং লোইরে।। লোইরেন খুনপিলোক্‌তাকি য়াকারকও।। লোইরেন লোকপুংকিপু তেখৎলক্‌রো।। লোইনিন পুংকিপু তানখৎলক্‌বো।। অঙান্‌পা সনা লয়্‌কোয়রেন্‌কিপু।।... য়েনপা খুরৌ থাং।। মকায়রৈ নাক্‌তা য়েপ্‌না।। পাউথেম লাপাতা।। মচেঙ্‌ কায়রৈ খোংমারক্‌না।। অঙান্‌পাতি লাক্‌মাকারক্‌লে।।[১]

নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা হায়রিবা লাইরিক অসিদা করম্বা মীশক্লা নিংথৌ ওইগদগে

১। ওইনাম ভোগেশ্বর (সম্পাঃ) *নুমিৎ কাপ্পা,* (ইম্ফাল ঃ ইউনিভর্সেল লিটরেরি এসোসিয়েসন, ১৯৭৭) লাঃ ৩৮,৩৯।

হায়বগী মতাংদা নিংথৌগী ঈ ওইরবসু শোয়নাইরবদি নিংথৌ ওইবা য়াদে হায়দুনা নাউথিংখোংবু কৌনবা য়াথং পীখিবা মতাং অদু অসূন্না ইরি ·

> লাইরেল ইপারি সনা খোমমাহন, মচি য়োইনাউহন অহনববু ফম্মোই মিৎতা ফমহনসে হাযবসু চেংলৌ মঙম শোয়এ ফল্লাংমৈবু তোংফরোইএ। ইপারি য়োইচবোন অৱাং লাংচা লৌপুংফৈ তোংবসুঙ শমু পাংশোই নীকএ। ফম্মোই মিৎতা ফমফরোই। পাবি সনা খোম্মদোন নিংথৌ লাংঙা অনা লাংঙা ফম্বাল চুমবা লানলোই চীংঙা লৌখোং তোংবসুঙ পায়মা মপূক কংএ। মাসুঙ ফম্মোই মিৎতা ফমফরোই। ইদাইরেমশিংও লাইরেন ইপারি সনা খাঙৱাইগী চীংবন খোম্মুক অঙল্লা মমাঙ শাৎকবরা শাৎতবা হুইয়াই লীকলু অথেঙঙা মতুং কুইনা ফুয়গবরা ফুয়দবা ময়িম শেল্লোয় সনাচীং লংমাই তরঙ চীং খূৎশাদা য়োয়বু ইহুইরোন লংমাই পীতঙঙা লীকলু লৌথিবীদা নুয়িনববু লৈবনে।.. পারি হোঙনেময়োয় খুঞ্জাউবু থুনা পাউকৌরুও। ফম্মোইমিৎতি মানা ফমঙৈনে, ফলাংমৈদি মানা তোংঙৈনে,[২]

চেংলৈরোল হায়বা লাইবিক অসিদা নিংথৌগী মচানিপা অহন্না নিংথৌ খুভম ফংফম থোক্লবসু ঈ শেংদ্রবদি নিংথৌ ওইবা য়াদবা অমসুং নিংথৌ অমা হাপ্পদা খুনফাংথৌ নাইফাংথৌশিংগী অয়াবা য়াওদনা হাপ্পা য়াদে হায়বা মতাং অদু অসূন্না ইরি :

> মৈদিংঙু নাওখম্বনা কোরৌ নোঙ্গাখিরবদা নাওফং অহনবনা ৱাহমখিএ। হে ইদাইরেম পোইরৈ খুনফাংথৌ, তাইযম নাফাংথৌশিংও লাইরেন ইপা মৈদিংঙু কোবৌ নোঙ্গাখিরবনিনা নুমিৎ ঐনা হান্না উইএ, থাবা ঐনা হান্না খাইএ। ইনাওদি উনৌ কোন্দে কোন্না হুনবনে। ঐদি শোইবেল লৈখৈ হান্না হুনবনে, চোইনৌ সনা ফম্বাল্লাংদি ঐনা ফমঙৈনে হাযনা ৱাহম্ববু পোইবৈ খুনফাংথৌ তায়ম নাইফাংথৌশিংনা তাংজা মক লুক্লা লৈবিঙৈদা খাবী থিযাথৌ অমাই লোক্লৌ শীনবনা পাউয়াদে। মৈদিংঙু নাওফোংবনা চোইনৌ সনা ফম্বাল ফমলবদা মশাবী থাংযি নাওফং অহনবদি তাংজ ইকাইবা হুয়াই শেনকোই ৱাগী মোংবা থাংঙা কাবেনমদা ৱাইচিশি অচিকপদা, ৱাইরং কোন অকোনববু নুংনাং কাওখংকোন কাওবী শঙ্খোংকোন্দা মতোম্মা খোইয়ম লাই ওইখিএ হায়দবরা?[৩]

২। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা,* (ইম্ফাল ঃ সম্পাদক মশা, ১৯৯৫) লাঃ ৭০, ৭১।

৩। নোংমাইথেম মনাওয়াইমা (সম্পাঃ) *চেংলৈরোন,* (ককচিং এন চন্দ্রাবলি দেবী, ২০০০) লাঃ ১৮-২০।

মৈতৈ লৈবাক্তা খৃষ্টগী অহানবা চহীচাদগী হৌনা নিংথৌগী ভমথংদা লৈবাক্কী ব্বায়েন-থৌদাগীদমকখুনফাংথৌ মাপন লৈরম্মী। হায়রিবা খুনফাংথৌ মাপন অসি উমঙলাই মাপনগী মহুৎ শিনবনি। করম্বা ফম্নইবনা করম্বা উমঙলাইগী মহুৎশিনবা অমসুং মখোয়গী হৌরকফম নৎত্রগা থোরকফমগী মরমদা মখাদা পীরি :

ফমগী মমিং	লাইপা	উমঙলাইশিংগী থোরকফম
খুরায়রাকপা	লাইয়িংথৌ হনবনে	গুরুগী মিৎ ওইদগী
ব্বাংথৈরাকপা	মোংবাহনবনে	গুরুগী নাকোং য়েত্তগী
নোংথোনবা	খমলাংবনে	গুরুগী য়াদগী
পুখ্রনবা	চাখাবনে	গুরুগী নাতোন য়েত্তগী
খ্বাইরাকপা	নাওকন্নে	গুরুগী নাকোং ওইদগী
য়াইস্কুল লাকপা	মুব্বা নিংথৌনে	গুরুগী মিৎ য়েত্তগী
অহল্লুপ লাকপা	লুব্বাং পুনসিবনে	গুরুগী ঈশিং থোঙদগী
হিয়াংলোই হনজবা	মারজিংনে	গুরুগী পেং থোঙদগী
চোঙখানবা হনজবা	কৌবরেননে	গুরুগী নাতোন ওইদগী

হায়রিবা উমঙলাই মাপন অসি পাখঙবগী ফমলূপ নৎত্রগা মরুপ নিংথৌ পোংবা তরা অদুনি হায়না মান্নবা হায়রি।[৪] অদুগা *কংলা হৌবা* হায়বা লাইরিক্কী মতুং ইন্নদি লৈকাইরাকপা মরি, শঙলেন লাকপা অনী, শঙখুবা শঙলাকপা অনী, পুখ্রনবা, নোংথোনবা মখোয় তরা অসিবু নিংথৌ পোংবা তরা অদুনি। নিংথৌ পোংবা তরা অসি অরিবা লাইরিকশিংদা অমগা-অমগা খরা খরা মান্নদবা উবা ফংই। অতোপ্পা লাইরিক অমদা নিংথৌ পোংবা তরা অদুদি - পুখ্রনবা, নোংথোনবা, খ্বাইরাকপা, য়াইস্কুল লাকপা, হিয়াংলোই হঞ্জবা, চোঙখানবা হঞ্জবা, ইমাঙলোয় হঞ্জবা, ইমিংলোয় হঞ্জবা, ফমথকচা অমসুং নাইখুরাকপা।[৫]

মৈতৈ লৈবাক্তা কংলাদা ফম্বাল তোংখিবা অমসুং তোংখিদবা মতিক-মথৌনা লৈবা মীওই কয়াগী মতমদা লৈবাক ব্বায়েনবদা খুদোং চানবা হায়দুনা ফম কয়ামরুম হাপলম্মী। মদুশিংদুদি - মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবগী মাগী মতমদা খায়রম্বা ফমলূপতি পুখ্রনবদি লাইফমনি, নোংথোনবদি খাবমনি, কৈরুংবা অমসুং শেলুংবা ফমলূপ মরি খায়বম্মী।[৬] অদুগা *লোয়রম্বা শিনয়েন* হায়বা লাইরিক্তা পাখঙবগী মতমদা লৈরম্বা ফমলূপশিংদু অসূন্না ইরি :

৪। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পাঃ) *লোয়রম্বা শিনয়েন,* (ইম্ফালঃ শ্রীমোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ১,২।

৫। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র " অঙনবা মতমগী মণিপুব," *মণিপুবী সাহিত্যগী ইতিহাস,* নোংমাইথেম তোম্বী অমসুং থোকচোম ইবোহনবী (সম্পা) (ইম্ফাল মণিপুবী সাহিত্য পরিষদ, ২০০১) লাঃ৮।

৬। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফাল· মণিপুরী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮৭), লা ৩।

লাইয়িংথৌ পাখংবগী ফমলুপ পরেং অহানবদি অঙোম নিংথৌনা লাংচৈ ফমই। অহল্লুপ লাইফম অনিমদি অঙোম নিংথৌনা লাংচৈ ফল্লগা, য়েৎতা পুখ্রনবা, খুরাইরাকপা, খ্বাইরাকপা, হিয়াংলোই হঞ্জবা, সঙলেন লাকপা, থাঙসু হনবা তেনসু হনবা, লময়েরাকপা, য়েনদ্রেন হনবা, লৈচোন লাকপা, খুনতোং লাকপা, লাইরেন লাকপা, অচ্চনবা, ইরাৎ লাকপা, ওক্রন হনবা, য়োইরেন্ হন্বা, অশৈহনবা, ফমথকচা শিনাইবা হনবা, সগোন হঞ্জবা, থাংসা হনবা, খূৎহৈবা হঞ্জবা, অমেৎপা হঞ্জবা, তোলাইরোই হঞ্জবা,নাহারূপ, খাফম অনিমাদি নোংথোনবা, ৱাংখৈরাকপা, য়াইস্কুল লাকপা, চোঙখানবা হঞ্জবা, নাহারূপ সঙলেন লাকপা, চিংসু হনবা, অমু খুল্লাকপা, হুইত্রোই হনবা, কৈক্রন হনবা, নাকপ্ লাকপা, য়িললোই হনবা, অচ্চনবি, মাইবা হনবা, শামু হঞ্জবা, শগোল হঞ্জবা, হিচাবা হঞ্জবা, নাইফ্রাকপা, নাইখূ লাকপা, অয়েকপা হঞ্জবা, মোইফেংবা হঞ্জবা, অহৈবা হঞ্জবা, ফিশাবা হঞ্জবা ফমলুপতি অসিনে। লুপলাকপা ফমদি খুল্লাকপা ফমগি মতুং ইল্লি।[৭]

কংলৈদা ফম্বাল তোংখিদবা তৌইগুম্বসুং মতিক-মগুণ লৈবশিংগী খোঙলুপশিংসু লৈবাক ৱায়েলবদা নুংঙাইনবা লৈরম্মী। মদুশিংদুদি - মারহন হায়বদি মারজিংগী খোঙলূপতি য়োইরেনহনবদি লাইফমনি, মাইবাহনবদি খাবমনি। পোইরৈতোনগী খোঙলূপতি তরুক্লি, মদুদি- অশৈবাহনবদি লাইফমনি, থাঙসুপুরেন (থাঙসুহনবা) দি লাইফমনি, খূৎহৈবা হনজবদি লাইফমনি, হিজবাহনবদি লাইফমনি, কোনশাবাহনবদি খাবমনি, থাঙশাহনবদি লাইফমনি। নোংমোইনুগী খোঙলূপসু অহুমনি, মদুদি - ওক্রনহনবদি লাইফমনি, কৈক্রনহনবদি খাবমনি, অশৈবা হনজবদি লাইফমনি। য়োয়মোংবগী খোঙলূপতি অনীনি, মদুদি- নাকপক হনজবদি খাবমনি, নাকপক লাকপসুং খাবমনি। য়াওরৈ খুনকামগী খোঙলূপতি অমত্তনি, মদুদি- ঈরাৎ লাংবা হনজবদি খাবমনি। মৈদিংঙু নাউফংবগী খোঙলূপতি মঙানি, মদুদি- হিয়াংলোই হনজবা, শঙলেন লাকপা অনীদি লাইফমনি, শঙলেন লাকপা অমগা, চোঙখানবা হনজবা অমগা, মখোয় অনীদি খাবমনি, লৈচোললাকপদি লাইফমনি।[৮] মৈদিংঙু নাউফংবগী মতমদা খোঙলূপ মঙা অসিতা নত্তনা লৈবাক ৱায়েল থৌদা, লৈমা নিংথৌনা প্রজাদা তৌগদবা চৎকদবা নীতি নিয়ম অমসুং ফত্তবা মীগী চৈরাক্লচিংবগী মতাংদা *লোয়য়ম্বা শিনয়েন* দা অসূম্না হায়রি :

৭। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পাঃ) *লোয়য়ম্বা শিনয়েন* (ইম্ফালঃ শ্রীমোইবাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫), লা· ৯,১০।

৮। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭) লাঃ ৩, ৪।

মৈদিংঙু নাওফংবনা মঙাং গুরু, লুবাং গুরু খুমন গুরু অহুম মাগি য়াথং লৌদুনা পোয়রে কংলে মৈতেয়া লৈবাক অসিগি ৱায়েন থৌদা খঙননাবা হায়গে হায়দনা চিঙঙু লাইগীদি মমৈ তইবং মি নমু পোংগীদি মকোক লাইরেল মৈদিংঙু নাওফংবানা থম্রমবা হায়রম্বা ৱাবু হায়গে তাও কংলে মৈতে লৈমানা ৱাই হায়ফরোইয়ে লৈবাক নিংথৌগী ফনবা তৌবদা লন্ লিকফরোই ৱা অনি সুফরোই মৈদিঙঙু অপানবানা ৱা অনি হায়ফরোই। ৱা অনি হায়রবদি লৈবাক ৱা থোকই। ৱায়মই তৌহেদে খংও গুরুনা পনতিংনা মহৈ হৈবানা লৈবাক্কী ফমদৌ নিংথৌ অঙম্বা অথৌবনা লৈবাক নিংথৌ অনিমাদা অফা ফৎতা তৌরগদবা থোক্লগদবা উরা খংলাবদা হায়দ্রবদি লৈবাক নিংথৌ ফৎতে। লৈমা নিংথৌ পুনশিদে। হে মিৱোইবাশিংও খংও নোংথিল নোং চুফরোই চুরাবদি লৈখোং নোংখোং কায়বা কৌই। কায়ফারোয়য়ে। কায়দনবদি ৱায়েল চুমও থৌখালমগনো, থকসু খাসু নম লমলানগনো কুম থাদি মিগি ৱায়েল ইললে, ৱায়েল শোইফরোইয়ে ৱায়েনদি যল হুবা শগোল হুবা নাই হুবা অসিদি মখোং ককও লৈখুন হুৎপা হুরানবা অসিদি মখুৎ ককও মচিলথিবা পুকহোলচাপা অসিদি মচিল লেললো নিংথৌগী ইবেম্মাশিংদা মিৎযেং নাযেংবা লাল্লবা, মীগী মতু হুবা অসিদি মমিৎ হনলো মচেম মনেম খংদনা লাল্লবদি নোং লাও নৌও নিংথৌগী ফিচি ফিনা নেৎপাদি লোই থাও নিংথৌশেমবা ফংলাবদি তুম্না হাৎলো লাইথুং মখাক নাইফাদে যেক্লবা মখাক নাইফাদে যেক্লবা মখাক নাইগনো লমন মখাক থমগনো . ।[৯]

মৈদিংঙু উবাকোনথৌবগী খোঙলূপতি অমত্তনি, মদুদি — শগোলশেনবা হনজবদি খাবমনি। মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী খোঙলূ পসু অমত্তনি, মদুদি— হুইদ্রোনহনবদি খাবমনি।[১০]

মৈদিংঙু খোঙতেকচাগী মতম (৭৬৩ - ৭৭৩) দা মৈতৈ লৈবাক্তা ফমদৌ ৬৪ লৈবম্মী। মহাকথক্তা শা তানবা চৎপদা লাইনা লৌদুনা লোইনা শিখি লোং পাযবা অমত্তং হিংহৌবগী ৱাফম *চৈথারোল কুম্বাব*দা পল্লি :

শকাব্দ ৬৮৫দা মৈদিংঙু খোঙতেকচানা নিংথৌ ওই। মহাকথক্তা লাংজা লৌপুংফৈদা ফমদৌ ৬৪ মক্তা শা তাল্লুবদা ভম্না লাইনা লৌদুনা ঈশিংদা

৯। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পাঃ), *লোয়য়ম্বা শিনয়েন* (ইম্ফাল ঃ শ্রীমোইবাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ৩৩, ৩৪।

১০। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফাল মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭),। লা ৪।

শিখিএ। লোঙ পায়বা অমতং হিংহৌদুনা মাগী ধারা মখে লোংজম কৌখিএ।[১১]

মৈতৈ লৈবাক্তা মৈদিংঙু লোইয়ুম্বনা পানবা মতম (১০৭৪ - ১১২২) দা লৈবাক ঙাকপদা খুদোং চানবা হায়দুনা লূপ তরুক থোক্লা খায়দোক্লম্মী মদুদি :

শেল্লোয়লুপতি কোংজরুপ (কোংচালুপ) কোবমনা লুপমা চিংএ, লংমাইলুপতি থৌজরুপ (থৌচালুপ) লংমাইথেমনা লুপমা চিংএ, অঙৌবা লুপতি অঙোমনা চিংএ, লুপলেন লুপতি লৈচোনলাকপা তোললোং খোম্বনা লুপমা চিংএ, চিংজারুপনে (চিংচালুপনে), খুরায়লুপতি লোকখুবা লুপনে, খুরায় লুপমা চিংএ, খুবায় ৱাৎলে খাইজনৈএ, খাইজরুপ, চহুই লৈরোংপামবনা লুপমা চিংএ। লুপ তরুকমা অসিনা পানা পামবোম ওইদুনা লৈবাক ঙাকএ।[১২]

মথক্কী লুপ তরুক অসিগী মমিং খরা খেন্নবা মওঙদা *চৈথারোল কুম্বাব* দা পল্লম্বা থেংনৈ :

১। অঙৌবা লুপ্তি লুপলেন লুপ ২। নোংমাইলুপতি থৌচা লুপ ৩। আকোং লুপতি কোংচা লুপ ৪। খুরাই লুপ্তি লুপখুবা লুপ ৫। লৈচোল লাকপা তোলোংখোম্বনা লুপ অমা চিংএ চিংচারুপ। খুরাই ৱাৎলে লুপ অমা ৱাৎলে খাইচানখি। ৬। খাইচারুপ। অসিনা পানা ৬ থোকনা কাখিএ।[১৩]

মৈদিংঙু লোইয়ুম্বগী সনা হাক্তক অসিদা লূপ তরুক অসিতা নত্তনা লৈবাক ৱায়েন থৌদাদা নুংঙাইনবা হায়দুনা অনৌবা শঙ কয়া হাপচিনখিবগী মতাং অদু *শঙলোন* হায়রিবা খূৎই লাইরিক্তা অসূম্না ইবি :

লাইনিংথৌ লোয়যুম্বনা শঙ পুথোক্লম্বা য়োইরেন মাইবা অশৈবা শঙ ৩ তিন্নহন্দুনা পুথোকলকএ। অচোইবা শঙ লিংলমএ। লুপ ৬মা খাইজনখি। লাইগা মীগা খাইনবে। লোইপোৎ খমপোৎ হৌরে। পারি লিংকোপ নাইবে। কৈ লোই নাইবে। অয়াম ফমলুপ হাপ্লে। লাইদগী মীনা শিলহৌবে। য়েইরেন হনবা, মাইবা হনবা, অশৈবা হনবা, হিয়াংলোই হনজবা, চোংখানবা হনবা, ফমথকচা, নাইখুরাকপা, ইমাংলোই হনজবা,

---

১১। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা) *চৈথাবোল কুম্বাবা* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯), লা ৬, ৭।

১২। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭), লা ৪।

১৩। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা·) *চৈথাবোল কুম্বাবা* (ইম্ফাল· মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ,, ১৯৮৯), লা ঃ ৯।

ইমিংলোই হনজবা, কৈৰুংবা অসি খৈবিকনচিংবা ফমদৌ ঙমলুপ ৬০ মা হাপলে।[১৪]

মথক্তা পনখ্রিবশিং অসিতা নত্তনা ইনিংথৌ অসিগী সনা হাক্তক্তা যুম্নাক্কী মতুং ইন্না মাইবগী মশিল, কবম্বা য়ুম্নাক্লা করি লাই লাৎকদগে? করম্বা য়ুম্নাক্লা মচু শঙগদগে হায়বগী মতাংদা য়াম্না কৃপ্না ইরম্মী। ৱাফম অসি *চৈথারোল কুম্বাবা* দসু য়ুম্নাক য়ুম্নাক খুদিংমক মশিল তৌহল্লি হায়না ময়েক শেংনা পল্লি। অদুগা *লোযয়ম্বা শিনয়েন* হায়বা লাইরিক্তা পুন্নমক মচা খায়না ময়েক শেংনা ইরি। কবম করম্বা য়ুম্নাক্লা করি করি ফি শাগদগে হায়বগী মতাংদা অসূম্না ইরি .

থিঙকুজম নঙদি মুঙফি; লাইরেল্লাকপম নঙদি লাইফি শা-ও, ... চরৈ ফিশাবা নাওতম নঙদি ফিশাবা য়াংনু ফিশাবা হৈসু নাহা ফিশাব, খোইরিয়ান ফিশাবা নখোয় মঙামাদি চরৈ নিংথৌফি শা-ও।[১৫]

মচু শঙবগী মতাংদা করম্বা লংশংবন্না করি মচু শঙগদগে হায়বদু তাকপগা লোয়ননা মৈতৈশিংনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী করম-করম্বা মচু শীজিন্নরম্বগে হায়দু খঙবা ঙম্মী, মদুদি :

লংশঙবম, অকাংচমপম নঙদি লৈরেল খোইপাকলৈবু সঙও, লঙশঙবম চিংখ্বামপম নঙদি চিঙসাং য়ুমুলৈবু সঙও ... লঙশংবম বুসিয়ামপম নঙদি ৱানা কাতাং মানবা শংলেন য়াইচু লৈবু শংও।[১৬]

কবম্বা য়ুম্নাক্লা করম্বা লাই শঙগদগে হায়বগী মতাংদনা অসূম্না ইরি :

ইরোম নঙদি খল্লাংবা সংও, সোইয়াম নঙদি ৱুশোই শংও, হিদাম নঙদি য়িখৈ সংও, ... চিংখ্বাপম নঙদি লাইচিং হিয়াংথৌ লৈমা শংও, থাওপিচম নঙদি য়ুমচা লাইরেম্মা শংও।[১৭]

য়ুম্নাক্কী মতুং ইন্না মাইবগী মশিলগী মতাংদা অসূম্না ইরি .

অশৈবম নঙদি খোংহামও, অরাম্বম নঙদি য়িরুও,লৈরাংচম নঙদি লৈকললো, তৌইবিচম নঙদি থরাউচি খোংও, . . পুরোইচম নঙদি পুরোই পারোই থোপথিললো, লুৱাংচম নংদি লুসেংও,[১৮]

১৪। "শঙলোন", খুৎই লাইরিক, লাঃ ১,২, ফংফম নিংথৌখোংজং খেলচন্দ্র, উবিপোক, ইম্ফাল।

১৫। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পাঃ), *লোয়য়ম্বা শিনয়েন* (ইম্ফাল ঃ শ্রীমোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ৩৩, ১৭, ১৮।

১৬। মথক্কীসিদা, লাঃ ১৮,১৯।

১৭। মথক্কীসিদা, লাঃ ১৯, ২০।

১৮। মথক্কীসিদা, লাঃ ২০, ২১, ২২।

তম্পাক মাইবগী মশিলগী মতাংদা অসূন্না ইরি :

তম্পাক মাইবা নংদি মোংবাহনবা লাৎলো, খাপা লাংথংচা, কাবা ৰামাইপা নংদি নাওহল অহলবা লাৎলো, জগোই ৰা মাইবা নংদি খন্নাংবা লাৎলো,[১৯]

মতৌ অসূন্না মৈদিংঙু লোইয়ুম্বনা পানবা মতমদা লৈবাক অসিদা মহাক্কী মমাঙদা পাল্লম্বা নিংথৌশিংগী ৰায়েল পথাপতগী হেন্না ফজবা, লৈবাক ৰায়েনবদা খুদোং চানবা হায়দুনা লূপ তকক থোক্লা খায়রম্বগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা লোয়শঙগী তোঙান-তোঙানবা মশিল য়েম্লোকপীরমদুনা লৈবাক ৰায়েল থৌদা তৌবদা চাউখৎলকপগী মওঙ উবা ফংই।

মৈতৈ লৈবাক্তা মথক্তা পনখ্রিবা নিংথৌশিং অসিগী মতমদা হাপ্লম্বা ফমশিং অসিগুম্না লোয়ুম্বগী মতুংদা পাল্লকপা নিংথৌ খরগী মতমদা ফম কয়ামকমসু হাপ্লম্মী। মদুদি - মৈদিংঙু খূমোম্বগী থোঙলূপতি ফিশাবা হনবদি খাবমনি, মৈদিংঙু তেলহৈবগী থোঙলূপতি নাইখুরাকপা অমসুং নাইফারাকপা অনীসি খাবমনি। মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মতমদা ৰাংখৈবাকপা, য়াইস্কুল্লাকপা, শামুহনজবা, অচনবা অসি লাইফমনি, অচনবীনা খাবমনি। অহল্লুপ অমসুং নাহারুপ শঙলেন অনী লিংখৎলি। থাংয়ি লময়াই য়াংবনা অহল্লুপ লাকপা অমসুং ইৰাংবমচা নানবা শাবাবনা নাহারুপ লাকপা হৌএ। মৈদিংঙু লমগাই ঙম্বগী মতমদা হুইরোইহনজবা হায়দুনা খাবমদা খোঙলূপ অমা হাপ্লম্মী।[২০]

মৈত্রবাক্তা মৈদিংঙু খাগেম্বনা পানবা মতমদা দোলাই তোংবা হৌদোকপা, পাঙলগী লোয়শঙ লিংবা, শগোল কাঙজৈবু অনৌবা নিয়ম অমগী মখাদা শান্নবা, মৈদিংঙুবু লাইয়িংথৌ কৌবা, হিদাকফু থকপা মৈতৈ লাইরিক কয়া থোকহন্দুনা, তমহনবা, হিয়াং তান্নবা অসিনচিংবা মরুওইবা থবক থৌরম কয়া হৌদোক্লম্বতা নত্তনা লৈবাক্কী ৰায়েল থৌদা লৈঙাক্লোনগী মরমদা অকুপ্পা মীৎয়েং চংলম্বা মৈতৈ নিংথৌশিংগী মনুংদা অমনি। ইনিংথৌ অসিগী খোঙলূপতি :

দোলাইবোই হনজবদি খাবমনে। লাইফম শঙলেন, খাবমশঙলেন অনীমা লিংএ। শঙখুবা মরিমাসু লিংখৎলে। লাইরিক য়েংবা হনজবা ক্ষেত্রি হনজবা অনীমা হাপ্তুনা লাইফম ইনহল্লে। শঙ পুন্নমাসুঙ লিংখৎলে। কৈরোই পুন্নমাসুঙ লিংখৎলে।[২১]

১৯। মথক্কীসিদা, লাঃ ২৩।

২০। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮৭), লা ৪, ৫।

২১। মথক্কীসিদা লাঃ ৫।

মৈদিংগু খাগেম্বগী মতমদা হান্নদগী লৈরম্লবা লোয়শঙশিংগী মথক্তা অনৌবা লোয়শঙ কয়ামরুম লিংখৎখিবগী মতাংদা "শঙলোন " দা অসুন্না ইরি ·

লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা তাইবোংথোং উত্রা অনীমা শাহৌএ। শঙদি দোলাইরোই দোলাই পাবা শামু শঙ, হিদাক শুংবা, মোইবুং খোংবা, নাগনা পাঙন অসি লিংএ। হিজগা শঙ লাংমৈপুং থোকলমএ। লানমিথোং কৈরুংবা মরোই লিংলমএ। হিনাও হনবনে দোলাই পাবা হনজবা, দোলাইরোই হিদং, শামু হিদং, শগোল হিদং, হিদাক শুংবা হিদং, কৈরুংবা, মরোই হনজবা, হিদাক ফানবা হনজবা, পোৎশংবা হিদং অসি হাপএ।[২২]

মৈদিংগু অসিগী সনা হাক্তক্তা তোঙান-তোঙানবা লোয়শঙ নৎত্রগা কাঙলূপকী শিল্পাগী মরমদা "শঙপানবা পূন্নমক্কী মশিল" কৌবা লাইরিক্তা অসুন্না মচা খায়না ইরি, মদুদি - হাওপলনাবগী শিল্পাদি :

মোয়ুম কাইরং বুরিকাং।। সেকবুংকাং।। বুথাউসুক।। কোলনাপা।। তেম।। য়েৎপু।। ফিসা বুতোং।। সাপৌতে।। কাংহূ।। অক্রপৎ।। বুংমু তোংচই।। নাৎ তোং চই।। নোংখুল।। বুনিং।। খুতেং।। ফাল।। লাঙচল।। সারিক সাথলকি বুপাক ।। হইয়িৎ।। কাংক্রৌ।। হইপ।। হঙ্গপোৎ।। যেনশঙ।। হিরিশঙ।। কোঙৌযেন।। মোলসামহই।। য়েনপুম।। লমকুমনা।। নোংকা হই। চোম।। লাকোই।। কাকলা।। মনা হই।। হইচুকা। তায়াল অঙৌপাৎ।। ঙামু য়াই।। চিঙপোৎ থা।। চিঙফবা।। য়েনখৎ।। হওরই।। থারাম।। নোং সবিক। বুয়ুঙ মরু।। হাওপলনাপতা থাকানি।।[২৩]

শঙখুবা মরিগী শিল্পাগী মতাংদনা অসুন্না ইরি :

সঙলেনকি তংখাঈ থাঙপা।। কইরুংপা য়াইরেক সঙকি।। সিঙ থাঙপা। অসিপাকি কাই পুপা।। য়েনশিল চলপ।। অসি খিবিক্তি সঙখু বা ৪মাতা থাকানি।। মনা মসিঙসুঙ তংখাঈ থাকানি।।[২৪]

পোৎশঙবগী শিল্পাগী মতাংদসু অসুন্না ইরি :

ফিকি চাৎকি মথৈ।। ফাগঙ।। য়ুখল খলপা।। তরাউফি।। খুতই ফিসাং।। মোলপাক।। মোল।। লাইকমফক।। মোইথাপ।। চামেল।। হিংঙোল।।

২২। "শঙলোন", খূৎই লাইরিক, লাঃ ২,৩; ফংফম ঃ নিংথৌখোংজং খেলচন্দ্র, উবিপোক ইম্ফাল

২৩। "শঙপান্নবা পূন্নমক্কী মশিন", খূৎই লাইবিক, লাঃ ৬,৭, ফংফম ঃ বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর থাঙ্গ পাৎ মপান, ইম্ফাল।

২৪। মথক্কীসিদা লাঃ ৮।

চিঙসুপু।। লাইকি কাইরং।। লাইরিককি থৌকল ফিতা অসিনচিংবা অসি পোৎশঙপাতা থাকানি।। সিলথা ১তী।। লংসঙপ।। মুগা সঙপা।। মেৎপা।। তিংপা।। লংসুং সুংপা।। লং মেৎপা।। অসি খিপিক।। কাপ খুলতৈতা।। থাকানি।। লাললুম ১তা।। লং সঙপা।। মেৎপা।। খোৎপ।। সুংপ নুবি ৬। ৬ পোৎসঙপাতা কাকনি।[২৫]

অদুগা অমুক শগোল তোংবগী শিল্পাগী মতাংদা অসুন্না ইরি :

সাকোন পাউ চৎপা।। থানা লেকপা।। লালপল খুৎসমনাপা।। পাউঙাইপা।। পানা সাকোল তোংপাতা থাকানি।[২৬]

শঙলিংবগী শিল্পাগী মতাংদসু অসুন্না ইরি :

মিহাৎ মিপুল।। মিৎহল।। নাকক।। খুৎকক্।। খোঙকক্।। নাফুৎথাপা।। কোম তওপা।। মি ফুমপা।। অঙাংনা।। মাপা মামা খঙতানা।। সিবাই পুসুঙ ফুমপা।। ককপা।। মি হাৎলাপা।। সকোঈ সাপা।। সঙলিংপাতা থাকানি।।[২৭]

শামুশঙগী শিল্পাগী মতাংদনা অসুন্না ইরি :

লাইকি তিনকি অসিপাকি।। থৌকল পাউচেল।। সামু মচুম।। ৱাঈ তইপ।। সিথা থিলপা।। ফুনত্রৈ চিংপা।। সামুমাই অসি সামুসঙতা থাকানি।।[২৮]

কৈরুংবা মারোঈগী শিল্পাগী মতাংদসু অসুন্না ইরি :

কাঙচই থৌকল ফিতা।। চাক হৌবাঈ।। থোইতিং।। য়াংকোক।। বুনাপু।। খারুঙ ।। ফকলোং মোলথক।। সিং।। মুরোক।। কুরেক।। মইথু হিতাক লাঙচল।। লিহিং।। লাই হিতাক।। সামন।। বুচাল সুক।। বুয়ুঙসুক।। থোঈতিংকাপা।। মাকে।। সারাম।। মুয়ুম।। য়াংকেল সুমচিং।। বুনোংসুমজিৎ।। কাঈরেং।। তেলচই।। সঙপাঈ।। য়েনতাই।। নিঙঙই।। লিখাইরুক।। চেঙচামলুক।। পোললাং কাংছ।। লইহৌরা।। খঙলা।। হইপোপ।। হইরুপোপ।। অসি কঈরুংপা মারোঈতা থাকানি।।[২৯]

২৫। মথক্কীসিদা লাঃ ৮।

২৬। মথক্কীসিদা লাঃ ৮, ৯।

২৭। মথক্কীসিদা লাঃ ৯, ১০।

২৮। মথক্কীসিদা লাঃ ১১।

২৯। মথক্কীসিদা লাঃ ১১।

হিরু হিনাউবগী শিল্পাগী মতাংদসু অসূন্না ইরি :

সামু খুতা।। মাবুল।। মাতিঙ।। মাহাও।। মাসিংখা।। মারু।। মামিৎ।। কৈ মবুন।। খুচিন।। মাহাউ। মায়া মাসিংখা।। মাকোই।। মাঁরে।। মামিৎ।। লুসম।। রোক।। সাচি।। সাঙাই।। খারিসা।। সানমপা।। য়ীসিংতা হৌপা ।। থমপাল।। হুইকক।। থংচিং।। চরাং।। য়েনসম য়িসং।। কঙপী।। কঙচাও।। ঙাচক।। খোমমোল।। য়েললাং।। চাওখোং।। য়িসিংপান।। য়িসিং য়েনশাং।। চুমথাং।। চুমলাং।। তওরিক। তঙপোম।। অসি হিরু হিনাউপাতা থাকানি।[৩০]

হিদাক ফানবগী শিল্পাগী মতাংদনা অসূন্না ইরি :

চুহি।। তেরা।। সাকোন হৌবাই।। মংকল।। কাসারি।। মুক।। ঙালথক।। তীকি।। হিদাক।। মইতাল।। মইফু।। তাংপল।। অসি হিতাক ফানবদা থাকানি।[৩১]

পাঙল য়িংখোলগী শিল্পাগী মতাংদসু অসূন্না ইরি ঃ

চুহি।। হওবাই।। লৈনাচিংপা মারুগী মখৈ।। ফাতিকোম।। পাখোল।। চামক্রুক।। কাপা।। আফিং। চিনি।। হংকাম।। মরুকি মখৈ পাঙল য়িংখোলতা থাকানি।[৩২]

লাইয়িংথৌ খাগেম্বা সনা হাক্তক অসিদা লাইরিক য়েংবা লোইশঙনা বারী লিবা অমসুং ইবগী থবক, ক্ষেত্রি লোয়শঙনা বারী লীবা অমসুং লাইরিক থিবগী শিল্পা তৌহল্লম্মী হায়বসি অসূন্না ইরি :

খাফম, লাইফম লাল্লুপ অনিমাদা লাইরিক য়েংবা লোইশংনা বারি লিবা লাইরিক ইবা থৌগল চংয়ে। নাহারুপ, অহল্লুপ লাল্লুপ অনিমাতা খেত্রি লোইশংনা স্না থৌগল্ বারি লিবা লাইরিক থিবা থনবা চংএ। মশিল কৌই। খাগেম্বা স্না হাকথক্তগি হৌনা চঙই লোইশং লিংলকই মাগি মাগি মসিল কাইহলদানা তৌহললমই।[৩৩]

মতৌ অসূন্না মথক্তা পনখ্রিবশিং অসিদগী মৈদিংঙু খাগেম্বগী সনা হাক্তক অসিদসু

৩০। মথক্কীসিদা লা: ১৭।

৩১। মথক্কীসিদা লা: ১৯।

৩২। মথক্কীসিদা লা· ২১।

৩৩। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পা:) *লোয়য়ম্বা শিনয়েন* (ইম্ফাল: শ্রীমোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫), লা: ৭১, ৭২।

লৈবাক বায়েল থৌদাদা খুদোং চানবা হায়দুনা অনৌবা ফমলুপ কয়ামরুম হাপচিনবগা লোয়ননা লৈবাক্কী চাউখৎ থৌরাংগী মরমদসু শিংথানিংঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলম্মী হায়বদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্মী।

মসিগী মতুংদা মৈদিংঙু খুনজাওবগী সনা হাক্তক্তা লমরৈরাকপা হায়দুনা লাইফম পানাদা ফম অমা হাপ্পলম্মী। মৈদিংঙু পাইখোম্বগী খোঙলুপতি পাচাহনবা অমসুং ফমদৌ ফমলুপ লুপলাকফম পুন্নমক হাপ্পলম্মী মৈদিংঙু চরাইরোংবগী সনা হাক্তক্তা অনাশঙ হনজবা হাপ্পলম্মী।।[৩৪]

মৈতৈ লৈবাক্তা মৈদিংঙু গরিবনিবাজনা পানবা মতমদগী মৈতৈগী হান্নগী চৎনবী ফিজ্রেৎ-চাকচা, লমচৎ-শাজৎ পুন্নমক হোংদোকহন্দুনা শা-ঙ্গা, য়ু থক্রম্বা, ঙানু, খুনু, ওক, য়েন লোইহনবা পুন্নমক ঙম্না থিংখি। অদুগা অনৌবা সংস্কৃতিগী মশক অমা শাগৎপা হৌখি। মৈতৈগী হান্নগী ধর্ম্মবু নাঁখেদুনা থন্নরুগা নিংথৌগী অকনবা য়াথং মতুং ইন্না লৈবাক শীনবা থুংনা য়াম্নদী ধর্ম্মদা মায় ওনশিনহনখি। নিংথৌ অসিগী সনা হাক্তক্তগী মৈতৈগী উমঙ লাই আহুম্নিংথৌ নোংশাবা, য়িমথৈ লাই, পাছোইবী, তাইবং খাইবা লাই মরিদা বামোন্না ঈরাৎপা হৈহৌখি।[৩৫] মী শিরগা পোৎলোইবদা মৈগী পোৎলোই চৎনহনবা অমসুং নিংথেম্বু মহারাজ হায়না কৌবসু চৎনহনখি।[৩৬] অদুগা পোং নিংথৌগসু অফবা মরী লৈনরম্মী

> ইঙেন থা থা অহন নোংদা পোং নিংথৌ খেখোম্বগী য়াইবু নিংথেমগা পোং নিংথৌগা কুচুদা ফম্মিন্নবদা পীএ।[৩৭]

মতাং অসিদা 'য়াই' হায়রিবসি বিষ্ণুগী অতোপ্পা শক্তম শালগ্রাম ওইরম্বা য়াই হায়বসিনি।

মৈদিংঙু গরিবনিবাজ মাহারাজগী খোঙলুপতি :

> থাঙশূহনবা লাইফমনে। তেনশূহনবসুঙ লাইফমনে। উমু খুল্লাকপা খাবমনে। চুংশূহনবা খাবমনে। খুনতোংলাকপা লাইফমনে। চীংশুহনবদি খাবমনে। ফমথকচা লাইফমনে। লাইরেল্লাকপসু লাইফমনে। ইমিংলোই হনজবসুঙ খাবমনে। খাবম লাকপা লাইফম লাকপা অনীমা হাপএ। লৈকাই হাজরি মরি হাপএ।[৩৮]

৩৪। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭) লা : ৫, ৬।

৩৫। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা:) *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯) লা : ৮৪।

৩৬। মথক্কীসিদা লা : ৮৫।

৩৭। মথক্কীসিদা লা : ১০২।

৩৮। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭) লা : ৬।

অদুগা অমুক মহারাজ অসিগী সনা হাক্তক্তা ইনৌ নৌনা হাপলম্বা ফমশিংদি : যুবরাজ, সেনাপতি, মন্ত্রী, কম্বান, পানা হাজারি মরিমা পোৎশঙবা হনজবা, হীদাক ফানবা হনজবা, চাংগম নিংথৌ, হিরুহনবা, হিনাউহনবা, লম্বোং হনজবা অসি হাপএ।৩৯

অদুগা লৈবাক বায়েলগীদমক লিংখৎলম্বা শঙলেনশিংদি- চৈরাপ, পোৎশঙবা শঙলাংমৈ, হিদাক ফানবা শঙলেন, কৈরুংবা য়ারেকশঙ, নিংথৌশেনবা য়ারেকশঙ, লাম্মী য়ারেকশঙ, তানয়েবা লোয়শঙ, হাওমচা, কৈবি চিনা, দোলাই পাবা, পাশোংশাবা, ঈনুংলোই ঈশৈ শকপা, পানজি লোয়শঙ লিংখৎলি।৪০ অদুগা "শঙলোন" দদি অসূম্না ইরি-থাংচা পান্নবা, পাইচাওবা শঙশারোই। তেংখন, শম্লুংশঙ, লোয়চবা, অয়েকপা ফুনীন চাওপোক, থুমজাওলুংবা, খেত্রি কিত্না লাইরিক এংবাশঙ, পোৎশংবা থোংদগী হাওমচা থোংগিশং, সনামহীগী শঙ্গাই, ইনুংলোই নান্দেবা, কৈরোই শঙ অমসুং শঙশাংসু লিংলম্মী।৪১ ফমগী মতাংদসু - মোইবুং খোংবসু হনজবা হাপএ। লাইফম লাকপা, খাবম লাকপা, থাংজা পুরেন, উরুং পুরেন, শঙশারোই হনজবা, থোং হনজবা, তেংখল হনজবা, শম্লুং পুরেন, লৌরুং পুরেন, থুমজাওরুংবা পুরেন, অয়েকপা হনজবা, খেত্রি হনজবা,কিত্না হনজবা, লাইরিক এংবা হনজবা, অয়োকপা হনজবা কানাবতি। নান্দেবা হনজবা, কৈরোই লাকপা অসি খিবিক হাপ্লম্মী।৪২

মৈদিংগু অসিনা 'খাবম' অমসুং 'লাইফম' অনী অসিগী অপুনবা মমিংবু 'খুঞ্জা' অদুগা 'নাহারুপ' অমসুং 'অহল্লুপ' কী অপুনবা মমিংনা 'নাইজা' হায়না কৌরম্মী। খুঞ্জাগী ফমনা খুনফাংথৌ কৌই। নাইজাগী ফমবুনা বাংঙম নাইফাংথৌ হায়না কৌই। ফমথৌ কৌবদি চৈরাপকী বায়েনফমগী খুল্লাক ফম অয়াম্ববুনি, নিংথৌ কৌবদি অঙোম নিংথৌ, মোইরাং নিংথৌ, লুবাং নিংথৌ অমসুং খূমন নিংথৌ মরিবু খঙনৈ।৪৩

লাইফম পানাগী মরু ওইবা ফম্নাইবশিংদি — পুখ্রনবা, শঙলেন লাকপা, ইমাঙলোয় হনজবা, লমলৈরাকপা, লৈচোম্লাকপা, খুতোংহনবা, কোনশাহনবা, হিশাবা হনবা।

অহল্লুপ পানাগী মরু ওইবা ফম্নাইবশিংদি— খাইরাকপা, হিয়াংলোই হনজবা, ফমথকচা, য়েন্দ্রনহনবা, ওক্রনহনবা, ঈরাৎলাংবা, সিনাইবা হনবা, ফি শাবা হনবা।

৩৯। মথক্কীসিদা লা ঃ ৬।

৪০। মথক্কীসিদা লা ঃ ৬।

৪১। *শঙলোন,* খুৎই লাইরিক, লাঃ ৩; ফংফম ঃ নিংথৌখোংজং খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

৪২। মথক্কীসিদা লা ঃ ৩।

৪৩। মোইরাংথেম নরেন্দ্র "ফমলোন", খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পাঃ) *ফিদম বাবেং* (ইম্ফাল ঃ মৈতে ময়েক ওর্গেনাইজিং এণ্ড রিসর্চ এসোসিয়েশন মণিপুর, ১৯৮৪) লাঃ ৩২।

খাবম পানাগী মরু ওইবা ফম্নাইবশিংদি - ৱাংখৈরাকপা, নোংথোনবা, শঙলেন লাকপা, ইমিংলোয় হনজবা, উমু খুল্লাকপা, কৈরুনহনবা, খুৎহৈবা হনজবা, থাংশাহনবা।

নহারুপ পানাগী মরু ওইবা ফম্নাইবশিংদি — য়াইস্কুল লাকপা, অহৈবা হনজবা, হুইরোই হনজবা, চোঙখানবা হনজবা, লাইখুরাকপা, হুইত্রেনহনবা, নাইফারাকপা, নাকপলাকপা।

মথক্কী লাইফম পানাগী ফম ৮, অহল্লুপ পানাগী ফম৮, খাবম পানাগী ফম ৮, নাহারুপ পানাগী ফম ৮, শুপ্পা ৩২ অসি পোইরৈথৌ, খুনফাংথৌ, তয়ুমথৌ, নাইফাংথৌ কৌই। মখোয় অসিবু পূন্না খুল্লাকফম কৌই।[৪৪]

অদুগা পুখ্রন হিদং, নোংথোল হিদং, খ্বাই হিদং, ৱাংখৈ হিদং, য়াইস্কুল হিদং অসিনচিংবা হিদং ৩২ লৈরি, মসিবু লুপলাকফম কৌই।[৪৫]

ইনিংথৌ অসিগী সনা হাক্তক্তা চৎলম্বা নীতি নিয়ম অমসুং ফমহাপলোনগী মতাংদা অসূন্না হায়বি - করিগুম্বা ৱায়েল অমদা চৈরাপনা ঙমদ্রবদি লৈবাক নিংথৌগীনি হায়দুনা অচৌবা ৱাফম ওইনা নিংথৌগী ওইনা থম্মী। নিংথৌ অমসুং লৈমা শেনবদা কাগদবা মীদি পিবাগা মথংগা অনী অসিতনা কাগনি। নিংথৌগা কোনুংদা লৈমিন্নগদবা মীদি য়োইবু যোইহৈগা, হাওমচা অসিতগা লৈমিন্নগনি। নিংথৌ অমসুং অঙম্বনা কৌশিনদনা মনাক্তা চঙফদে। করিগুম্বা মতাংদা চঙলক্লবসু নিংথৌনা ৱা হংদনা ৱা হঙ্গৎপা য়াদে। চহী কুন্থ্রা শুদ্রিবা মীবু নীং-মাং খঙবা ৱাৎলি হায়দুনা ফম হাপলমদে। নুমিৎ কুন্নি মরক থা অমগী মরক্তা নিংথৌ অমসুং অঙম্বন লৈবাক্কীদমক ৱা তান্নগনি। নোংপোক অমসুং নোংচুপহারমগী যুম্নাক শাগৈ নৎত্রগা মীনা সনামহী, পাখঙবনচিংবা লাই অয়াম্বা চঙবা য়াদে অমসুং মাইবা লোয়শঙ অহুমদসু খনবা য়াদে। দোলাইপাবনা নিংথৌগী সনা শঙ্গাইসু চঙবা য়াদে।[৪৬]

সনা হাক্তক্তা দোলাই পীরম্বা অঙম্বা নৎত্রগা ফমলুপশিংদি অসূন্না পল্লম্মী :

অঙোম নিংথৌনচিংবা গুরু পণ্ডিত, পুখ্রনব, নোংথোনবা, লৈকাইরাকপা মরি, পানা লাকপা মরি, মন্ত্রী, সেনাপতি, কপ্তান, শঙলাকপা মরিমা, শঙলেন লাকপা মরিমা, কৈরুংবাহনবা মরিমা, শেলুংবাহনবা মরিমা, শঙগুবা শঙলাকপা মরিমা, পানা হাজারি মরিমা, ফৈদা হনজবা, থোঙশঙবা হনজবা, থাঙবন চারবা মী, দোলাইরোই হনজবা অসিনে।[৪৭]

লোইদগী লাকপদা দোলাই পীরম্বা খুল্লাক পশিংদি-চোথে খুল্লাকপনা মোংশাংগৈ

৪৪। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পাঃ) *লোয়য়ম্বা শিনয়েন* (ইম্ফাল ঃ শ্রী মোইবাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ২৬, ২৭।

৪৫। মথক্কীসিদা, লা ঃ ২৭।

৪৬। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭) লা ঃ ৬।

৪৭। মথক্কীসিদা, লা ঃ ৮,৯।

ফাওবদং দোলাই তোংগনি। মোইরাং খুম্নাকপা অমসুং লুপলাকপা অনীদি লাংপোক ফাওবদং দোলাই তোংবা য়াই।[৪৮]

মহারাজ গরিবনিৱাজগী সনা হাক্তক অসিদা তোঙান - তোঙানবা ফমলুপশিংগী শিহ্নাগী মতাংদা *শঙ পান্নবা পুম্নমক্কী মশিন* দা ময়েক শেংনা ইরম্মী। মদুদি শঙশারোইগী শিহ্নাগী মতাংদা অসুন্না ইরি :

পায়া।। হুমতাং।। ৱাচেৎ।। মী।। ৱা য়ানপা।। সিঙবুৎ সিঙনাং।। ৱুচিৱা য়ুংপা।। কুমনা।। ফনত্রাগী ফৈ।। সুমচিৎ।। খাপই।। অসিপাকি।। খাংপক খলপা।। ৱাঈ তইপা।। অসিপাকি চালত্না খলপা।। লমসেংপা।। সঙসাপা।। লাইকি তিলকি থৌদোকলাপতা।। লাফু ফানবা।। য়ুংপা কাইখোঙ য়ুংপা।। মাইথিল পুপা।। বুচেকতী।। সোইপোল।। বুরেমপী।। বুনা খোই।। খোইঙাং।। খোইঙৌ।। খোইঙাল।। লম মোইপুঙ।। লাংপল কৌখা।। সাপল কৌখা।। সাপন কাকলৈ।। সাপন লৈসোক।। বালতেংখোইপী।। অঙাংপা লাপা।। পাখংপা লৈত্তোল।। য়ীরিকসিপী।। কারোঙ হই।। মিকৌপা।। লুলপা।। সাক্কই সাপা।। অসি সঙসারোইতা থাকানি।।[৪৯]

অয়েকপগী শিহ্নাগী মতাংদনা অসুন্না ইরি :

খামেন চপপা।। লৈচা পেপা।। বুচপ য়েকপা।। কালতেং সাপা।। কাল য়েকপা।। মোইমিৎ লাললু য়েকপা।। কাইরেল কাইচাও য়েকপা।। কু য়েকপা।। নিংথৌফি য়েকপা ফুমইচই য়েকপা।। কাংথোল য়েকপা।। কুচপকি মমি লৌপা।। অসি থৈপিক।। অয়েকপতা থাকানি।।[৫০]

থাঙচা হনবগী শিহ্নাগী মতাংদসু অসুন্না ইরি :

তাখোক।। লমপুখোক।। লিরুং।। নোংমাইখোক।। নুঙচাক স্নাচুঙ।। তেল।। তা।। সিঙচঙ।। হাঙমই।। থাঙ।। য়োবি।। য়োৎ।। তোক।। নাহুল।। ফেলতিল। পাইচা।। নুঙথং।। চেকপা কাপতু।। কাপলেন।।পৌরোল।। য়োৎপাক।। সেংকম।। হোরাঈ।। নোংমই মরু।। য়োৎকি চাৎনা।। চঙপাকি মখৈ।। থাঙচা হনপতা থাকানি।[৫১]

৪৮। মথক্কীসিদা, লা : ৯।

৪৯। "শঙ পানবা পুম্নমককী মশিন", খুৎই লাইরিক, লাঃ ১৩; ফংকম : বি. কুলচন্দ্র শর্মা, ব্রহ্মপুর, থাঙ্গপাৎ মপান, ইম্ফাল।

৫০। মথক্কীসিদা, লা : ১৩।

৫১। মথক্কীসিদা, লা : ২৫।

থুমজাওরুংবগী শিন্থাগী মতাংদি :

খারি।। থুমাই।। খারি মচঙ।। অসি থুমচাউরুংপাতা থাকানি।।[৫২]

অয়োকপগী শিন্থাগী মতাংনা :

লা।। লাফু।। লারোই।। চু।। য়েনসাং মনা মসিঙ।। মারোই।। পেরুক।। লাই পেরুক।। বুচি সমমন।। লাললুকোক।। খুনু চেংবি।। পেরুক নুংচে।। কাইখোঙকি লাফু।। খাললিকি লফু।। চেঙকুম।। চেঙকুম পোকলাউপী।। মানলেচারেঙ।। মোনসাউবি।। অসিপাকি লা থাপা।। লাফু মোল থাপা।। খাংপক সিপা।। মংফম মরু হুলপা।। মইকোইপাকি চাকুম সেংপা।। থারা হৈফম সেংনা।। মইকোই নাইপিপা।। বুহল।। অসি খাঙলা।। কওচেং য়োংমালবি। তোরপোৎ।। সলসিরি।। লাফু চানামাকি বু।। খামেল অসি খৈপিক অয়োকপা।। ফুনিল।। চাওথোক।। ২ মাতা থাকানি।। [৫৩]

কিত্নাগী শিন্থাগী মতাংদা অসূন্না ইরি :

লাইসঙ তইপা।। তুলসি মনা হেকপা।। কুমা মনা হেকপা।। চেঙ থোইতিং তিংথৌ।। থালি তুংগা সাপা।। থারা হৈফম শেমবা।। সারিক খিংপা।। সেন য়ইপা।। বাই সিৎপা।। য়াম সুপা।। সারাৎকী লা থাপা।। চেঙ থাপা। লৈ থাপা।। সেন পুঙ য়ইপা।। লৈ মলপা অসি কিত্নাতা থাকানি।।[৫৪]

কৈরোইগী শিন্থাগী মতাংদসু অসূন্না ইরি :

তেরা।। ফুনিন।। কেঙঙোই।। কওখা।। কওথুম।। খামু।। চামু।। লাইকি কাইরং।। বুরইরোম।। কুহি।। সলখোম।। লাইসৌ।। চোঙঙা।। লমখুনু।। সঙাইরাপা।। অসি কইরোইতা থাকানি।[৫৫]

তেঙখলগী শিন্থাগী মতাংদসু অসূন্না ইরি :

নুঙ খেৎপা।। য়ানপা।। পুবা।। থাঙপা হই লৈ থাপা।। ফুকপা।। চেকপল থোলপা।। লাংখোং তেংপা।। লইরঙ থোলপা।। তইপা।। অসিপাকি হুমাই খোক পালপা।। মং সেমপা।। মইতান খোমপা।। মুৎপা।। ফুমপা।। কোম তওপা।। দারা হইপমকি মফম য়েংপা।। থোইতিং মাল খোমপা।। খুৎচুম পেরেকি বুৎ।। খাংখাকি বুৎ।। মইতিল

৫২। মথক্কীসিদা, লা ঃ ১৬।

৫৩। মথক্কীসিদা, লাঃ ১৭।

৫৪। মথক্কীসিদা, লা ঃ ২২।

৫৫। মথক্কীসিদা, লা ঃ ১৭।

তুমপা।। পোকলওপি।। খোমত্রোকপি।। বুচি হংকাম।। য়ীসিং চাইপা।।
হিতাক।। মইকি চাৎ মাখে।। পুকস্রি।। থাউনম।। কেকে।। সাকোন
হিতাক।। ককচেং নোংমাইথৌ।। অসি খিপিক তেঙখলতা থাকানি।।[৫৬]

মথক্তা শম্নপ্না খরদং নৈনজখ্রিবশিং অসিদগী খণ্ডবদি মহারাজ গরিবনিৱাজ সনা হাক্তুক্তা নিংথৌগী যাথং মতুং ইন্না তম্পাক্কী শরুক মখে পাক শন্না হিন্দু ধর্ম্মদা লাইমিং লৌহন্দুনা হিন্দুগী ওইবা চৎনবী কয়া পুশিল্লক্রবসু লৈবাক অসিগী লৈবাক ৱাযেনতা নত্তনা চাওখৎ থৌবাংগী লমদা থোইদোক্লা মাযপুননা হোৎনখিবা নিংথৌ অমনি। মহাক্কী ৱাযেন থৌদা মতিক মথৌনাতনা তখেল, ঔৱানচিংবা লৈবাক কয়া মায়থীবা পীদুনা মবৈবাক মজাতিবু য়াম্না নুংশিজবা নিংথৌ অমনি।

মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা খৃ. ১৭৫৯ শজিবু থাগী ৭নি পানবা শগোলশেন নুমিত্তা আখাম চনু মহাবাণীগা ফম্বাল কামিন্নে। খৃষ্ট ১৭৬১ ময়াম্বুং ইবুংঙো মরাম্ব (গৌরশ্যাম) গা হায়নবগী মতুং ইন্না নিংথৌ ফম্বাল অমুক কাবা মতমদা চীংথংখোম্বনা যুববাজ ওইনা লৈখি। অসুন্না চহী অনী মযাম্বুংনা পাল্লবদা খৃ. ১৭৬৩গী থৱানগী ২৭নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মযাম্বুং গৌবশ্যাম নেঙ্গাখিবদগী নুমিৎ অদুমক্তদা চীংথংখোম্বনা অমুক ফম্বাল তোংখি।[৫৭] মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা পাল্লকপগা ইকান কান্নদনা মোইরাং নিংথৌনা ঔৱাগা লৌতুনৱগা লান হৌবক্তুনা লৈবাক কাং-খোং চাইখি। নিংথৌসু লৈবাক থাদোক্লম্নগা অহোম নিংথৌ রাজেশ্বরগী মফমদা চঙজখি। অহোম নিংথৌ চাওসুরেমফা (রাজেশ্বর)না লান পাংবিদুনা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা মৈতৈ ফম্বাল অমুক ফংজখি।[৫৮]

মৈদিংঙু চীংথংখোম্বগী খোঙলুপতি অসুন্না পল্লি, মদুদি - পাচ্চাহনবা, যৈদা শঙলাকপা, হাওমচা শঙলাকপা, ঈশৈ শকপা শঙলাকপা, কৈরুংবা নাহা মরি, শেলুংবা নাহা মরি, তেখাওদগী হন্নক্লগা রাজখ্বা হাপ্তুনা লৈকাইরাকপা মরিগা ফম তিন্ননা ফমহল্লি। শঙলেন মরি, শঙখুবা মরি, লোয়িন নীপান, লৌরুং পুবেন, থুমজাউপুরেন, শল্লুং পুরেন হাপ্পী।[৫৯] মৈদিংঙুনা মোরান্দগী হল্লক্লগা পানা মরিগী শঙ্গোইবা হনজবা হিদং নীপাল হাপ্তুনা ফমদৌ খুল্লাকফম নীপালগী মখা ফমহল্লি, তেংখন লোয়শঙনচিংবা শঙ পানবা পুন্নমক্কী লোয়শঙ

৫৬। মথক্কীসিদা, লা ঃ ৯।

৫৭। লাইবেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯) লা ঃ ১২২, ২৩, ২৪।

৫৮। রাই সাহিব গুলাবচন্দ্র (অনু· অমসুং সম্পাঃ) *অহোম বুরনজি* (শিলংঃ আসাম গোর্বণমেন্ট, ১৯৩০) লা ঃ ২৮৬, ৮৭।

৫৯। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭) লা ঃ ১২, ১৩।

লিংখৎলি। শঙখুবা মরি, শঙ্গোইবা হনজবা হিদং মবি, শঙলাকপা মরি, থাঙজা পুরেন, অরাং পুরেন, লমবোং হনজবা, তত্তরি পুরেন, চন্দ্রসিদ্ধান্ত, তেংখন অতেংবা হাজারি, অযেকপা হাজাবি, হাওপান্নবা পুরেন, পাঙন কাজি, তখেলঙামন, লাইয়েংবা হনজবা, ক্ষেত্রিহিদং, ধোবা হনজবা, নাপেৎ হনজবা, তেলিহনজবা অসিখিবিক হাপ্লম্মী।[৬০]

সনা হাক্তক্তা চৈরাপকী ফমলূপ খায়রম্বগী মতাংদা অসূন্না পল্লি :

অঙোম নিংথৌনা লাঙজৈ ফম্মে। য়েত্তা সেনাপতি, গুরু পণ্ডিত, খূরায়রাকপা, পুখ্রনবা, রাজখ্বা, খ্বাইরাকপা, লাইফমলাকপা, অহল্লুপ লাকপা, পাচ্চাহনবা, চন্দ্রসিদ্ধান্ত, হিয়াংলোয়হনজবা, শঙলেন লাকপা, পণ্ডিত, কৈরুংহন, লাইরিক য়েংবা হনজবা, ক্ষেত্রি হনজবা, থাঙগুহনবা, তেনগুহনবা, লমলৈরাকপা, য়েন্দ্রেনহনবা, য়োইরেনহনবা, অশৈবাহনবা, লৈচোল লাকপা, খুনদোংলাকপা, লাইরেনলাকপা, অচনবা, ওক্রনহনবা, নাকপ লাকপা, শিনাইবাহনব, থাঙশাহনবা, শামু হনজবা, ঈরাৎ লাংবা, ফমথকচা, কোনসহনবা, খূৎহৈবাহনবা, অমেৎপা হনজবা, দোলাইরোই হনজবা, উশাবা খুল্লাকপা অসি ফমএ।[৬১]

নহারুপ খাবমগী ফমফমগী মতাংদসু অসূন্না পল্লি :

বাংখৈরাকপা, মন্ত্রী, নোংথোনবা, কত্বান, য়াইস্কুল লাকপা, খাবম লাকপা, নাহারুপ লাকপা, চোঙখানবা হনজবা, শঙলেন লাকপা, পণ্ডিত, কৈরুংবাহনবা, চাংগমনিংথৌ, চুংগুহনবা,উমু খুল্লাকপা, হুইদোনহনবা, কৈক্রনহনবা, মাইবাহনবা, নাক্পলাকপা, ইমিংলোইহনবা, অচনবী, শগোলহনজবা, হিশাবা হনবা, নাইফারাকপা, নাইখুরাকপা, অয়েকপাহনজবা, মোইফোংবা হনজবা, অহৈবা হনজবা, ফিশাবা হনজবা, উনুংদা খুল্লাকপা, ফুরিৎশাবা খুল্লাকপা অসুম ফমএ।[৬২]

দোলাই তোংবা অমসুং পে খোঙশাংবা খানবা অঙম্বশিং অদুগী মতাংদা অসূন্না ইরি .

অঙোম নিংথৌ খুরায় লাকপা, বাংখৈরাকপা, পুখ্রনবা, নোংথোনবা, খ্বাইরাকপা, য়াইস্কুল লাকপা, সঙলাকপা মরি, মন্ত্রি, সেনাপতি, রাজখ্বা, কতবান, শঙলেন লাকপা মরিমা, পাৎচাহনবা পণ্ডিত অহমমা নিংথৌ মচা ফম ওইসে হায়না লিংখৎলম্বা, দোলাইরোই হঞ্জবা, শামু হঞ্জবা, শগোল হঞ্জবা অহম্মানে, শঙখুবা শঙলাকপা মরিমা, ফমদৌ নিপালমা,পানা হাজারি

৬০। মথক্কীসিদা, লাঃ ১৩।
৬১। মথক্কীসিদা, লাঃ ১৩, ১৪।
৬২। মথক্কীসিদা, লাঃ১৫।

মরি, কৈরুংবাহল মরি, সেম্লুংবাহল মরি, ফৈতা হঙ্গবা, হিদাক ফানবা হঙ্গবা, পোৎশঙবা হঙ্গবা সুপ্না য়াঙ্খে হমদোইমা অসিদি দোলাই তোংবা,পেখোকশাংবা খানবনে, ফম অয়াম্বদি খুদোং পে খাললে।[৬৩]

মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা সনা হাক্তক্কী মশিলগী মতাংদা অসুম্না ইরি :

মৈদিংঙু চিংথংখোম্বা হাকথক্তা কারাতাকি ময়াংনা নুঙপুইয়ে। য়িকুবা মৈতানদি লাললুপ অমদা পোৎ তরুক পিয়ে। লাম্লুপ অমদা নুংঙৌ চাং অনি কৎলে। ময়াংনা ঙমু চিলরোক তরা ঙা চাং তরা লাললুপ অমদা রোকনায়ে। কুম অমদা অন্দ্রোনা য়িচুমফু তরা, সেকমাই খানা ফু কুন কৎলে। থৌপালতোংনা রাইতৈফু তরা য়িরাইপু তরা চাং সুনু লোননাবা ঙাংখা তালই, শিঙ তালই খামারলনা কেকাম খুম শোই নাইয়ে। অরাংপানা ঘি হাপনায়ে। অরাংবানা অহিং নোংশোইনাবা থাউ তাললি। কৈরুংবা য়াইরেক শাঙতাকি নুং য়ালনাবা থাং য়োৎসুপি চেক্কপ য়োৎকি থাউমৈ খাপে য়োৎ য়াংকোক সুমশিৎ য়িখুমফি মোইথাপ মেরা হাও চোংবদা চুং তা অসি তালই। ...পাঙল য়িংখোলগি হিতাক চুহি হরাই আফিংলৈ মারোই মারু পুন্নমা নাইয়ে। সৎপা চৎপদি চাপোল লুংবা,ঙাকুংবা,থুমলুংবা পললুংবা অতৈ নত্তে অনৌবনে চেসং থৌপালতোং, তিললি ফুন্দ্রে মাসিলনে। লাংগোল হিদাক কৎলে। থাংগানা উথম হিতাক কৎলে। চন্দ্রখোং থুমলুংবা চংই। লোইফম আনান তাংখুলনচিংবাগি মাখে লমচাপা চংই।[৬৪]

তাংখুল খা-রাং লূপকী মশিলগী মতাংদসু অসুম্না ইরি ঃ

অনিমানা মৈখু হিদাক কৎলে। য়িরেং, মাখাল খুলখু মপাউ, য়িরৈমা, লৈমারেন গুরুসিদবা অনিমাকি লোইনে। লমচা লমপু চংফাদে। লোইকোকনে। কারাখুল, কাংচুপ খুল, খুন্তোং খুললেন অসিদি লমচাপা চংএ। হিদাক ফানবা মাচা মাশুদি নিংথৌ মচা মশুদা খলফদে। অনাল নালফৌনচিংবা হিদাক কৎলে নাই খৈপিক চৎতে। চারাইথাংতা লেকই। থৌকল চাক চায়ে য়াকু থৌপান্তোং লোইদি য়িহালাই, সেকমাই, খরিখুল চকপা ফয়েং কৌতাক্কতি নত্তে। রাইকোক সোইচাকামেংগা অন্দ্রো নত্তে,

৬৩। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পাঃ) *লোযমবা শিনযেন* (ইম্ফাল ঃ শ্রীমোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ১৫।

৬৪। মথক্কীসিদা, লাঃ ৬২, ৬৩।

চন্দ্রখোং, নিংঙেল, সিখোং, ৱাইখোং, থুমখোং, পললেন, ককচিং, লাংঙাথেল, অসিনে।[৬৫]

তালয়েবগী মশিলগী মতাংদনা অসূন্না পল্লি :

তালয়েবগী থৌখলদি পুংচা য়েয়ে। তিনথুং লাইথুং সল্লাই য়েংই। য়াইপুং য়াইশেল য়েংয়ে। অসিনা মি অমনা নাই হাইবাবু য়েংনদে হায়বগী শাখিদি চৈরাপনা য়াইরেকশংনা কৌদানা য়েংহললাগা মখোয়গী মাচিলদগি চৎলি। ৱাখে চাম্মা ফংজয়ে। লাই পাখংবানা থৌনিবদা খয়োম লাকয়ে। স্নামহি য়াবা য়ুমপুম খুদিং চংতনা সেন খাইদনা মৈরিংনায়ে। নিংথৌনা খাউপিদানা মৈ মুৎহলদে, স্না খোংলেংলবদা পুংচা পুদানা চৎলি। অয়োকপানা উতুপ মৈরা পিয়ে। থৌয়াংশং শায়ে অরাংপানা থাউ থুম অমা পিয়ে। অসি অনা চত্তে। পাই লোইবা য়াওদে। নিংথৌনা পাৎ অমা পিজয়ে। তাংখুনসুং পিজয়ে। লাইতিন অনিমাগি চাকচা পিজৈ। লাইনা তিম্না য়াইয়ে। লাইরম তিল্লম খঙনা নিংথৌনা তৌহল্লে পুংচা কায়হন্দনা তৌহললে।[৬৬]

মাইবা শঙগী থৌগল্লোন মশিনগী মতাংদসু অসূন্না ইরি :

মাইবা শঙ অহুম্মাগি থৌখললোন হায়গে য়োয়রেল সঙ নামুংদি লাইফম তিনফম লিংখৎকানি। পোৎ লাক্কানি লাই তিন শঙহলগনি। অশৈবা লোইশঙনা লাইতিন অনিমগি লাইচৎ তিনচৎ খঙনা তেংথানা য়িশৈ শক্কনি। পাহায় লোই খোমগনি। মাইবা লোল মঙামাতি লাই মঙামাগি মমিং খঙনা লাইশোল্ তিলশোল শোন্দুনা নাহৈগনি। চূপশা মোইসালাকা কোনচল্ য়াইচল্গনি।[৬৭]

চৈরাউবা নুমিত্তা তৌগদবা থৌরম পরেংগী মতাংদসু অসূন্না পল্লি :

চৈরাউবা নুমিত্তা চৈরাউবা লোয়রাবদা লৈপাক নোংথৌ মরা চেৎননবা হায়দনা খুলচা নাইচা অনিমা অঙম্বা অথৌবা, সাচিং লানচিং সংলেন লাকপা, কৈরুং শেল্লুং, হাজারি, সতৱান, চৈরাকপকি য়িঙুশিং পুখ্রন নোংথোন অঙৌ পানবা গুরুনচিংবা পাচা অমাই অশৈ য়োইরেল সঙ

৬৫। খুলেম চন্দ্রশেখব (সম্পাঃ) *লোযয়ম্বা শিনযেন* (ইম্ফাল ঃ শ্রীমোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ৬৩, ৬৪।

৬৬। মথক্কীসিদা, লাঃ ৬৪।

৬৭। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পাঃ) *লোযযম্বা শিনয়েন* (ইম্ফাল ঃ শ্রীমোইবাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫ লাঃ ৬৪, ৬৫।

মরিমানাচিংবা শঙপানবা অয়াম্বা খিবিকমক নিংথৌগি পোংবৈফমদা ফমদনা চহি অদুগী ফত্তহাওদি চঙদানাবা লাইখুল তিনখুল মেলহলগদবনে। গুরুনা লাই মঙামাবু মাইবরোল মঙামানা মেলহলদানা থবাই মঙামা মিগা থানা তরুকমাবু নুঙঙাই মারাং কায়নানবা হরাউ তয়ামনা পালননবা লাইতিন অনিমাগি মেলদানা নুমিৎ হুমনি, মঙানি, তরেৎনিনা অমানে। মাপলনিনা লোমগনি হারাউনা নিংথৌনা নোংলোল মেলগনি। হরাউনা মাহারানিনা লৈরোল মাপলমাবু তাইগনি। নুপি নুপা অনিমা হরাউনা সান্নগনি থৌচৎ য়িচৎফরোই। লৌচৎ শিংচৎফাদে হায়বা খঙও।[৬৮]

ফৈদাগী মশিলগী মতাংদসু অসুন্না ইরি, মদুদি - ফৈদাদা শঙপানবা পুন্নমক্কা য়িয়ামমা কৌই। ফৈদানা নিংথৌ মচা অঙম্বগী মনাক্তা চংবা য়াদে। মহারাণীনা লমথোকপদা ফৈদানা কোনচি পায়। নিংথৌগী ফম্মাংদা বারী লিবা, পেনা খোংবা ঈশৈ শকপনা সনা থৌগলগীদমক চংলকপদা ফৈদানা পাউতাকই। ফৈদানা অহিংদা কোনুং চংবদা লৈবাক্তা লীচৈ মতোন্না খোৎপগী খোরক খোরক লাউবা মখোল থোক্লা চৎলবদি ফৈদানি খঙগনি। নিংথৌ ফম্বাল কাবদা চৈরাপকী অঙম-অথৌ য়িঙুশিং পুন্নমক চংবদা ফৈদানা মাং থাগনি। লৈমা নিংথৌনা পানা পীজবদা ফৈদা হান্না পীজগনি। ফৈদাদা অহকপা চৈরাক তৌফদে, লাইকুপনি হায়দুনা লুনা তৌবিবম্মী।[৬৯]

মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা অসি লৈবাক্কী বায়েল থৌদাগী মরমদতা অকুপ্পা মীৎযেং চংলম্বতা নত্তনা কলাপ্রেমী অমসুং কালাকার অমসুনি। মহাথক্তা ওসি মণিপুর অমসুং মণিপুরী জগোই শক্তাক্লিবা রাস মখল অহুম- মহারাস, কুঞ্জরাস, বসন্তরাস পুথোকপীবম্মী। অসিগুম্লবা রাস অসিগী শৈহৌগী নিপা পালাদা নিংথৌ মশামক্লা পুং য়েদুনা সংকীর্ত্তন কৎখিবা অসিমক কলাপ্রেমী অমসুং কলাকার অমগী মগুণ ফোঙদোকপনি। মৈদিংঙু অসিনা মৈতৈ লৈবাক্তা চহী নিফুবোম শা-লানগী মবক্তা লাম্ভেংনরগা পোখাদুনা লৈথোকপগী মহুত্তা মৈতৈ জাতিগী সংস্কৃতি শেমগৎনবগী নীংহন্নবা লৈতনা পুন্সি চেংজেল লোইশিন্নকপা মতম ফাওবদা হোৎনখিবা নিংথৌনি।

মৈদিংঙু নোংচুপ বাইরং পামহৈবা চৌরজিৎ মহাবাজগী সনা হাক্তক্তা ইবুংশি খুচুমবু দেবান হাপ্পুনা চৈরাপ্তা ফমহল্লি, শঙশাবোইগী শঙসু লিংদুনা হনজবা হিদংনচিংবা হাপ্পী।[৭০]

৬৮। মথক্কীসিদা, লাঃ ৬৫, ৬৬।

৬৯। খুলেম চন্দ্রশেখব (সম্পাঃ) *লোয়য়ম্বা শিনয়েন* (ইম্ফাল ঃ শ্রীমোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ৬৭, ৬৮।

৭০। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮৭) লা ঃ ১৫।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিনা অঙাং ওইনা নিংথৌ ফম্বাল তোংবা মতমদা লৈবাক্কী ভার খুদিংমক মতোন ইবুংঙো নরসিংহ যুবরাজনা পুরম্মী। মতম অদুদা শ্রীযুৎ সনা য়াথং হায়দোক্তুনা পাউনা পণ্ডিত য়াওনা চৈরাপকী ফমফমগী মতাংদা ৱারেপ্পখিবা মতাং অমসুং ফম ফম মওঙ অদু অসূম্না ইরি :

> শকাব্দ ১৭৫৬ চন্দ্রাব্দ ১০৪৬ চৈরাপকী ফমবৈ ফমশাংফম্বা মথক মখা থিনা হায়দোকখিবদি অহল্লুপ লাইফমগী অঙৌপানবনা লাঙজৈ ফমএ। য়েক্তা সেনাপতি গুরু পণ্ডিত, খূরায়রাকপা, পুখ্রনবা, মোইরাং নিংথৌ, রাজখ্বা, খ্বাইরাকপা, লাইফম লাকপা, অহল্লুপ লাকপা, লাইফম দেৱান, অহল্লুপ দেৱান, পাচ্চাহনবা, চন্দ্রসিদ্ধান্ত, হিয়াংলোইহনজবা, শঙলেন লাকপা, পণ্ডিত কৈরুংবাহন, লাইরিকয়েংবা হনজবা, থাঙশূহনবা, তেনশূহনবা, লমলৈরাকপা, এন্দ্রেনহনবা, য়োইরেনহনবা, অশৈবাহনবা, লৈচোল লাকপা, খুন্দোং লাকপা, লাইরেন লাকপা, অচনবা, ওক্রনহনবা, নাকপ লাকপা, শিনাইবা হনজবা, থাঙজা হনবা, শামুহনজবা, ঈরাৎলাংবা, ফমথকচা, দোলাইরোই হনজবা, উশাবা খুল্লাকপা অসি ফমএ। নহারুপ খাবমগী ওয়দা ৱাংখৈরাকপা, মন্ত্রী, নোংথোনবা, কত্বান, লুৱাংনিংথৌ, য়াইস্কুল লাকপা, খাবম লাকপা, নহারুপ লাকপা, খাবম দেৱান, নহারুপ দেৱান, চোঙখানবা হনবা, শঙলেন লাকপা, পণ্ডিত, কৈরুংহনবা, চাংঙমনিংথৌ, চুংশূহনবা, উমু খুল্লাকপা, হুইদ্রোনহনবা, কৈক্রনহনবা, মাইবাহনবা, নাকপ লাকপা, ইমিংলোই হনজবা, অচনবী, শগোলহনজবা, হিশাবা হনজবা, নাইফারাকপা, নাইখুরাকপা, অয়েকপাহনজবা, মোইফেংবা হনজবা, অহৈবা হনজবা, কোনসাবা হনবা, ফিশাবা হনবা, উনুংদা খুল্লাকপা, ফুরিৎশাবা খুল্লাকপা অসুম ফমএ।[৭১]

কুম্মৈ ফিয়োংগী থৌরমদা অহল্লুপ লাইফমগী মরমদা অসূম্না ইরি

> অঙোম নিংথৌ, সেনাপতি, গুরু পণ্ডিত, খূরায়রাকপা, লুৱাং নিংথৌ, পুখ্রনবা, মোইরাং নিংথৌ, রাজখ্বা, খ্বাইরাকপা, লাইফম লাকপা, অহল্লুপ লাকপা, লাইফম দেৱান, অহল্লুপ দেৱান, পচ্চাহনবা, চন্দ্রসিদ্ধান্ত, ফৈদা শঙলাকপা, হিয়াংলোই হনজবা, শঙলেন লাকপা, পণ্ডিত, ক্ষেত্রি শঙলাকপা, ফৈরুংহনবা, ফৈদাহনজবা, হিনাউহনবা, লাইবিক য়েংবা

৭১। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭) লাঃ ১৫, ১৬।

হনজবা, ক্ষেত্রি হনজবা, থাঙশূহনবা, তেনশূহনবা, লমলৈরাকপা, এন্দ্রেনহনবা, য়োইরেনহনবা, অশৈবাহনবা, লৈচোললাকপা, খুন্দোং লাকপা, লাইরেল্লাকপা, অচনবা, হীদাকফানবা হনজবা, শেলুংবাহনবা, ওক্রনহনবা, নাকপলাকপা, শিনাইবা হনজবা, থাঙজা হনবা, শামু হনজবা, ঈরাৎ লাংবা, ফমথকচা, কোনসাহনবা, অশৈবা হনজবা, অমেৎপা হনজবা দোলাইরোই হনজবা, উশাবা খুল্লাকপা।[৭২]

নাহারুপ খাবমগী ফমফমগী মতাংদসু অসুন্না ইরি :

বাংখৈরাকপা, মন্ত্রী, নোংথোনবা, কত্বান, য়াইস্কুল লাকপা, খাবম লাকপা, নাহারুপ লাকপা, ফুঙ্গানাই, শঙলাকপা, খাবম দেবান, নাহারুপ দেবান, চোঙখানবা হনজবা, শঙলেন লাকপা, পণ্ডিত, কৈরুংবাহনবা, চাংঙম নিংথৌ, পানা হাজারি, হিরুহনবা, চুংশূহনবা, উমু খুল্লাকপা, হুইদ্রোনহনবা, কৈক্রেহনবা, মাইবাহনবা, নাকপলাকপা, ইমিংলোই হনজবা, অচনবী, পোৎশংবা হনজবা, শগোল হনজবা, হিশাবা হনজবা, নাইফারাকপা, নাইখুরাকপা, অয়েকপা হনজবা, মোইফেংবা হনজবা, অহৈবা হনজবা, কোনসাবা হনবা, ফিশাবা হনজবা, উনুংদা খুল্লাকপা, ফুরিৎশাবা খুল্লাকপা, থোং হনজবা, ফৈদা হিদং, কৈরুবা নাহা, পানা সত্বান, লৈমনাই কৈরুংবা, লৈকাই হাজারি, লৈমনাই শেলুংবা শঙজারোই হাজারি।।[৭৩]

মৈদিংঙু নরসিংহগী সনা হাক্তক্তা মথক্তা পনথ্রিবা ফমশিং অমসুং শঙশিং অসিগী মনুং চন্দবা তোপ তোপ্লা 'গারোৎ' হায়দুনা শঙ অমা লিংখৎখি। শঙ অসিদা লৈবা ফমশিং অসিগী লাইপা লৈতে। মসি মিলিটরি শাসনগী মওঙ ওইরমগদরা হায়বসিনি।[৭৪]

মথক্তা নৈনখ্রিবশিং অসিদগী মৈতৈ লৈবাক্তা ঙসিদগী চহী লিশিং অনীগী মমাঙদগী লৈবাক অসিগী বায়েল থৌদাগী হীরমদা মশাগী ওইবা তোপ তোপ্লা লোয়শঙ অমসুং ফম কয়ামরুম লিংখত্তুনা লৈজরকই হায়বসি খঙবা ঙম্মী। লোয়ননা অতোপ্লা লৈবাক্তা য়েংনরুবদসু চাং করিমত্তা তাবা লৈতে। অসিগুম্বা বায়েল থৌদাগী মশক য়েংলুরগা মৈতৈ ঐখোয়না চাওথোকচদবা ঙমদে হায়বদা হায়মনবা থোক্রোই।

৭২। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *ফমলোন* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭) লাঃ ১৬।

৭৩। মথক্কীসিদা, লাঃ ১৭।

৭৪। মোইরাংথেম নরেন্দ্র, 'ফমলোন', খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পাঃ), *ফিদম বারেং* (ইম্ফালঃ মৈতৈ মযেক ওর্গেনাইজিং এণ্ড রিসর্চ এসোসিয়েশন, ১৯৮৪) লাঃ ৩৫।

তরুকশুবা পন্দুপ

লাল্লুপ অমসুং লৌচা

লাল্লুপ

লাল্লুপ কদাইবু কৌবগে হায়বগী মতাংদা পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রনা অসুন্না ইরি :

> প্রজাশিংনা চহী অমগী মনুংদা থা অহুম হায়বদি নুমিৎ নিফুনিগী মনুংদা নুমিৎ তরানি নিংথৌগী (লৈবাক্কী) থবক তৌই। প্রজাশিংনা নিংথৌগী থবক শূরিবা অদুগীদমক মখোয়না অসুমন ফংদে। অসুম তৌনা লৈবাক নিংথৌগী থৌ পুবা অসিবু লাল্লুপ কাবা কৌই।[১]

নন্দলাল শর্ম্মানসু অসুন্না হায়রি :

> শিন অমদা শিঙ্গারুবগী অৱামলনা খাজনা ওইনা সরকারদা পীবা পথাপ অসিবু লাল্লুপ কৌই।[২]

লাল্লুপ কাবগী থৌরম অসি করম্বা মতমদগী হৌরকপগে হায়বগী মতাংদা *চৈথারোল কুম্বাবা*দা অসুন্না ইরি :

> শকাব্দ ৯৯৬ তা মৈদিংঙু লোইয়ুম্বনা নিংথৌ ওইএ। মহাকথক্তা লাইগা মীগা লাল্লুপ কারম্বদগী মীনা লাকচদুনা লাইগী মখে মাঙখরে। মীদনা শিলহৌএ।[৩]

মথক্কী ৱাফমসিদা খন্নবা য়াবদি মৈদিংঙু লোইয়ুম্বগী মমাঙদগী হৌনা লাল্লুপকী থবক অসি চৎনরকপগী মওঙ অমদি উবা ফংই। মহাক্কী মতমদগী মওঙ খরা হোংলকপা মাল্লি।

১। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *অরিবা মণিপুরী লোনগৈ* (ইম্ফালঃ মণিপুব ষ্টেট কলা একাদেমী, ১৯৭৮) লা : ১৭৪।

২। নন্দলাল শর্ম্মা, 'মৈত্রবাক্কী লৈবাক ভাকলোন', বি, চিত্রেশ্বর শর্ম্মা অমসুং এন, কুঞ্জমোহন (সম্পা.), *ৱাবেং-ৱাখল* (ইম্ফালঃ সম্পাঃশিং, ১৯৭৩), লাঃ ১২১।

৩। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯) লা : ৯।

অদুগা সার ব্রাউন্নদি মৈদিংঙু পাখঙবগী মতমদগী হৌদোকখিবনি হায়রি :

> The system of lallup was first introduced, it is said, in the reign of Pakhangba, and it has undergone little change.[8]

করম্বা মীওইনা চহী মতাং কয়াদগী কয়া ফাওবা লাল্লুপ কাগদগে হায়বগী মতাংদা চহী তরাতরেৎতগী হুম্ফু ফাওবগী চহী মতাংগী নিপা মখৈ লাল্লুপ কাবগী থবক অসি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা লৈবাক্কী ৱারেপনি। করম্বা মীওইনা করি থৌ ওইনা লাল্লুপ পুগদগে হায়বগী মতাংদা টি.সি. হোদসন্না অসুন্না হায়রি :

> The immediate family of the 'Peepa', or head of the Tribe, is not called upon to perform any heavy duty. Its post is near the Raja, acting as 'Ningthou Selba' or personal attendants. The family next in seniority has a heavy duty to perform in the 'Laikai'. The third has the 'Lalmee', and the fourth the 'Sungsaroi'. The lalloop of the second and fourth families works generally in unison. Their chief duty is to make houses and bridges for which they cut and bring the materials.[৫]

মথক্কী ৱাফম অসিনা তাকপদি য়ুমথোং অমদা মচানিপা ময়াম পোক্লবদি মচা অহন পিবানা নিংথৌগী মনাক্তা লৈদুনা নিংথৌ শেনবগী থবক তৌই। অনীশুবা মচানিপানা লৈকাইগী শিন্থা হায়বদি লম্বী-থোংনচিংবা শেম্বগী থবক তৌই। অহুমশুবা মচানিপানা লাম্মী ওই অমসুং মরিশুবা মচানিপানা শঙশারোই ওইনা থবক তৌই। মচানিপা অনীশুবা অমসুং মরিশুবগী শিন্থা অসি মান্নে হায়না লৌবা য়াই। মথোয়গী মরু ওইবা থৌদাংদি য়ুম-থোং শেম্বা অমসুং মদুগী মচাকশিংসু কক্তুনা পুরকপগী থবক তৌই।

লাল্লুপ কাবগী থবক অসি মণিপুরদা লৈরিবা ব্রাহ্মণ পাঙন্নচিংবসু কারম্মী। ব্রাহ্মণশিংনা গোবিন্দগী সেবা অমসুং নিংথেমগী পূজারিনচিংবগী থবক তৌই। অসুন্না ব্রাহ্মণ পাঙননচিংবশিংনা লাল্লুপ কারম্মী হায়বগী মতাংদা T.C. Hodson না অসুন্না ইরি :

> The persons liable to duty under the lal-lup system were the Meitheis, The Brahmins, and the

৪। আর ব্রাউন, *ষ্টেটিষ্টিকেল একাউন্ট ওফ মণিপুর* (দিল্লী· সংস্করণ প্রকাশক, ১৯৭৫), লাঃ ৮৩।

৫। টি. সি হোদসন, *দি মৈতৈজ* (দিল্লীঃ লো প্রাইস পাব্লিকেসনস, ২০০৩) লাঃ ৬৩।

> Musalmans, who are called Pang-gans Nagas and Lois are subject to much heavier duty, and with them work the Keis, or slave communities.[৬]

লাল্লুপ কাবা য়ারবা নিপা অমনা চহী অমদা নুমিৎ ৮০নি লাল্লুপ কাগদবনি। চহী অমদা নুমিৎ ৪০গী মতুপ ৮ থোক্লা খায়রগা নুমিৎ ৪০নিগী মতুপ অসিগী মনুংদা নুমিৎ ১০নি লাল্লুপ কায়। ১০নিগী লাল্লুপকী থৌদাং লোইরগা য়ুমদা কুন্নকুনা থা অমা লৈবগী খুদোংচাবা লৈ।[৭] লাল্লুপকী থৌদাং কোকপা হায়বদি কাদ্রবসু য়াবা মশক নাইবা মীশক খবা লৈ। মদুদি- সনামতৈ, লৈমা মতৈ, সনাগী মচা, শীজপাম মখোয় অসি লাল্লুপ কানদে, মখোয়দি অপাম থৌগল ওইনা কায়। অচৌবা মশক নাইবা ফম্নাইবগী মচা মশু নিংথৌমচানচিংবদি লাল্লুপ কাদে, থৌ কোক্লরম্মী, মেজরগী মচা-মশু, সুবেদারগী মচা ফাওবা লাল্লুপকী থৌ অসি কোকই।[৮]

লাল্লুপকী থৌগী মতমদা চৎনগদবা নীতি নিয়ম কয়ামকম লৈ, মদুদি- খুন্দিন, চীংজিল লাংবন থৌকাইবা, পলেমলাং পচৌলাং কাইবা, অকা-অকুম থিংবা অসিনচিংবা।

খুন্দিন - লাল্লুপ পুরকপা ৯নি শুরকপা নুমিত্তা পালি পুবিবা মীশিংনা নোংমদুগী শিঙ্খা লোইববা মতুংদা লাল্লুপনচিংবগা লোয়ননা লোয়শঙদা ফম্মিন্নদুনা বা তানৈ, অসুন্না বা তান্নবা অসিবু খুন্দিন কৌই। লাল্লুপ থৌদাং লৌহৌগদবা মীশিংগী মনুংদা কনাগুম্বনা অশি-অনা য়াওদুনা হেনফদবদগী পালি পুবা ওমলোইদৌরে হাযজরক্লবদি খুন্দিনদা খন্নদুনা লাল্লুপ কাদবা য়াই। অসুন্না মবম চানা লাল্লুপ কাদ্রবদি মদুগীদমক বাকোংবা অমসুং চৈরাক লৈতে। করিগুম্বাদা মরম চাদনা লাল্লুপ কাদ্রবদি বাকোংই। খুন্দিনগী মীফমদা য়াওদুনা লাল্লুপ কাবা মীশিংগী মরক্তা লাল্লুপ কাবা ওমলোইদৌরিবা নিপা অদুগী লাল্লুপ শিঙ্খা অদু হনগৎকেরা হায়না হংই। মদুদা কনাগুম্বনা হনগৎচগে হায়রবদি পুথগদবা লাল্লুপ অদু ফুকৎহল্লি অমসুং ফুকৎপগীদমক লৈবাক নিংথৌনা ফুকৎলিবা নিপা অদুদা অহেনবা শিঙ্খা পায়খিবগীদমক শেল ওইনা অবামন পীবি।

চীংজিল লাংবন থৌকাইবা - লৌ লোকপগী মতমদা লৌমীশিংগী খুদোং চানবা হায়দুনা লাল্লুপকী কাঙলোন খরা কোমথোকপী। বাকোংশেল পীবগা লাল্লুপ কাদবা য়াবগী

৬। টি সি হোদসন, *দি মৈতৈজ* (দিল্লীঃ লো প্রাইস পাব্লিকেসনস, ২০০৩) লাঃ ৬০।

৭। নন্দলাল শর্মা, 'মৈত্রবাক্কী লৈবাক ঙাকলোন', বি, চিত্রেশ্বর শর্মা অমসুং এন, কুঞ্জমোহন (সম্পা), *বাবেং বাখল* (ইম্ফালঃ সম্পাঃশিং, ১৯৭৩), লাঃ ১২১।

৮। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *অবিবা মণিপুবী লোনগৈ* (ইম্ফালঃ মণিপুব ষ্টেট কলা একাদেমী, ১৯৭৮) লা ঃ ১৭৫।

মওঙডি নত্তে। অসিগুম্বা লৌরোক পাম্থাদা লাল্লুপকী কাঙলোন খরা কোমথোকপা অসিবু চীংজিল লাংবন থৌকাইবা হায়রগা খঙনৈ।

পলেমলাং পম্ভৌলাং কাইবা - মসি লাল্লুপকী য়াম্না মরুওইবা কাঙলোন অমনি। লাল্লুপ কাগদবা নিপা অমনা মাগী কাগদবা লাল্লুপ অদু অহানবা পুখবদগী হেন্দোক্লুনা অনীরক সুনা পুখরক্লবদি অহানবগী লাল্লুপ পুখবগী ৱাকোংশেল অদুগী তম্খায় অমা হেন্না পীগনি। অদুগা পুখরিবা লাল্লুপ অনীমক নিপা অমতনা ফুকৎপা তারবদি অহানবা লাল্লুপ ফুকৎপগী অৱামলগী তম্খায় অমা হেন্না ফংই। মসিবু 'পলেমলাং পম্ভৌলাং কাইবা' কৌই।

অকা-অকুম থিংবা - মৈতৈ লৈবাক্তা তোঙান তোঙানবা লোয়শঙ কয়ামরুম লৈ। লোয়শঙ খুদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা শিন্মীশিংনা মখোয় মখোয় লাল্লুপ কাবগী তঙাইফদবা লৈ। করিগুম্বা লোয়শঙ অমদা লাল্লুপ কারিবা কাঙবু অমনা মখোয়দা শিন্নবা থবক লোইবা ঙমদ্রবদি অতোপ্পা লোয়শঙদগী লাল্লুপ কারিবা শিন্মী ৱায়দুনা থবক অদু লোইশিন্নবা তৌই। অসুন্না খূৎলং পাংলবিবা লোয়শঙ অদুদা খূৎলং নেক্লিবা লোয়শঙ অদুনা মতম চাবা য়েংদুনা খূৎলং অমুক শিংজিল্লি। অসূন্না খূৎলং লৌথোক লৌশিন তৌবগী মওঙ অসিবু 'অকা অকুম থিংবা' কৌই।

লাল্লুপসু কাবা ৱাসাসু শাবা - কনাগুম্বা নিপা অমনা মাগী কাফম থোকপা লাল্লুপকী থৌদাং অদু মাগী লোয়শঙ অদুদা কাবা ঙম্লরোই হায়না পাউ পীদ্রবা নৎত্রগা ৯নি খুন্দিনদা হায়জদনা লাল্লুপ কাদ্রবদি চৈরাক্না লোয়ননা ৱাকোংশেল অমসুং মাগী কাহৌদ্রিবা লাল্লুপ অদু অমুক ফুকত্তুনা কাবগী মথৌ তাই। মসিবু "লাল্লুপসু কাবা ৱাসাসু শাবা" কৌই। মসি থোক্তনবা নিপা খুদিংমক্না মাগী মাগী লাল্লুপকী মতমদা চেকশিন্নে।

লৈবাক নিংথৌনা লাল্লুপকী অকূপ্পা পথাপ অসিবু ঙাক্না চৎনহন্নবা লোয়শঙ অমমম লিংই, মসিগী মমিং কৈরুংবা য়ারেকশঙ নৎত্রগা খুন্দিন শঙলেন কৌই। লোয়শঙ অসিগী শঙলাকপবুনা লাল্লুপচিংবা কৌই।[৯]

লৌচা

মণিপুরনা মশাগী নীংতম্বা মাংদ্রিঙৈ, নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা লম পুন্নমক নিংথৌগীনি। মতম অসিদা নিংথৌনা প্রজাশিংদগী ইংখোলগী খাজনা লৌরমদে, লৌগী খাজনাদমক লৌরম্মী। নিংথৌনা লৌ ইংখোলগী মরমদা য়েংশিন্নবা অঙম্বা ফম্নাইবা

৯। নন্দলাল শর্মা, 'মৈত্রবাক্কী লৈবাক ঙাকলোন', বি, চিত্রেশ্বর শর্মা অমসুং এন, কুঞ্জমোহন (সম্পা.), *ৱারেং-ৱাখল* (ইম্ফালঃ সম্পাঃশিং, ১৯৭৩), লাঃ ১২৩।

কয়ামরুম হাপতুনা মসিগী লোয়শঙ অমা থম্লম্মী। লোয়শঙ অসিগী মকোক ওইবা ফম্নাইবা অদুবু লৌরুংপুরেন কৌই। নিংথৌনা প্রজাশিংদগী লৌখৎপা লৌগী খাজনা অসি শেল ওইনা লৌবগী মহুত্তা ফৌ ওইনা লৌরম্মী। করিগুম্বদা খাজনা অদু মতম চানা পীবা ঙমদদুনা থেঙনা পীবা তারবদি মাগী পীফম থোকপা ফৌগী মমল অদু মতম অদুদা পীনরিবা মমল অদু ফৌরুংবা লাক্লগা লৌনরম্মী। অসুন্না লৌগী খাজনা লৌরিবা অঙম্বা অদুবু ফৌরুংবা কৌই।

মণিপুরদা লৈরিবা লৌ অসি মওঙ অনী থোক্লা লৈ, মদুদি - **খাজনা লৌদবা লৌ** অমসুং **খাজনা লৌবা লৌ**। খাজনা লৌদবা লৌশিংদি - (১) নিংথেম মশাগী লৌ, নিংথৌ মচা-মশূ অমসুং ইমুং মনুংগী লৌ, (২) ব্রাহ্মণগী লুগুণ লৌ, (৩) সিফাইগী লৌ, (৪) মনা ওইনা পীবা লৌ, (৫) পাঙ্গল লৌ অমসুং (৬) লাইগী লৌ। অদুগা খাজনা লৌবা লৌশিংদি - (১) ফমলৌ, (২) থৌনারৌ নৎত্রগা তৌনরৌ, (৩) সরকারী।[১০]

খাজনা থীদবা লৌশিং -

(১) নিংথেম মশাগী লৌ নৎত্রগা মাগী ইমুং মনুংগী লৌ — নিংথৌনা লৌবা রাণীশিংগী লৌ, নিংথৌগী মচিন-মনাওগী মিংদা পানবা লৌ, মজাইবুংঙোশিংগী মিংদা পানবা লৌ, মজাইবুংঙোশিংগী নুপীশিংগী লৌ, মজাইবেম্মাশিংদা উন্‌বা লৌ অসি খাজনা লৌদে। নিংথৌগী মজাইবেম্মা খুদিংমক হেক লুহোংবদা খাজনা থিদবা লৌ পরি ২৫ উল্লম্মী। মসি পাল্লি-পাল্লিবা নিংথৌ অদুতগী নত্তনা হান্না পাল্লম্বা নিংথৌশিংগী মজাইবেম্মাশিংসু অদুম ফংলম্মী। অসিগুম্বা খাজনা থিদবা লৌচাশিং অসিবু "খরপোষ লৌ" হায়না খঙনৈ। নিংথৌগী মজাইবেম্মাশিংগী লৌ পবি কুনমঙা অসিদগী অহেনবা নিনবা নৎত্রগা লৈবা তারবদি মদুগী খাজনাদি থীবা তাই।

(২) ব্রাহ্মণগী লুগুণ লৌ — মণিপুরদা লৈরিবা ব্রাহ্মণশিংবু লৈবাক নিংথৌনা য়াম্না লুনা তৌবিবম্মী। ব্রাহ্মণ খুদিংমক লুগুণ হেক থাংবগা নিংথৌনা খাজনা থিদবা লৌ পবি অমা পীবি। মসি নুংশি-চানবগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা ব্রাহ্মণদা হেন্না পীবসু য়াওই। অসিগুম্বা লৌ অসি ব্রাহ্মণ অদুনা কনাগুম্বা অমদা যোনথোকপা য়াদে। ব্রাহ্মণ অদু শিরগা নিংথৌনা অমুক লৌখৎলি। ব্রাহ্মণ অদুনা ময়ুম মকৈ পাল্লম্বা ওইরবদি মাগী মতু-মচাগী লৌরাক অমা খাক্লগা অবেম্বা লৌ অদু লৌখৎলি। অসুন্না ব্রাহ্মণনা লুগুণ থাংবগা নিংথৌনা লৌ পরি অমা পীবা অসিবু ব্রাহ্মণগী লুগুণ লৌ হায়না খঙনৈ।

১০। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র " অঙনবা মতমগী মণিপুব," নোংমাইথেম তোম্বী অমসুং থোকচোম ইবোহনবী (সম্পাঃ) *মণিপুবী সাহিত্যগী ইতিহাস* (ইম্ফাল ঃ মণিপুরী সাহিত্য পবিষদ, ২০০১) লাঃ১৭।

(৩) সিফাই লৌ — নিংথৌনা মণিপুরগী সিফাইশিংবু থাগী তলব শেল ওইনা পীবগী মহুত্তা লৌ ওইনা পীরম্মী। কনাগুম্বা সিফাই অমনা মচানিপা অমা নৎত্রগা খরা পোক্লম্লগা শিখিবা থোক্লবদি মাগী ইমুং মনুংগী চানবা (পেল্লনগুম্না) লৌরাক অমা খাকপিরম্লগা অতৈ অরেম্বা লৌ অদু নিংথৌনা লৌখৎলি। মচানুপীগুম্বা পোক্লবদি লৌ পুন্নমক লৌখৎলি। মণিপুরগী লাম্মীশিংদা নিংথৌনা ফমগী অচৌ-মচাগী মতুং ইন্না লৌ পীরম্মী। মেজর অমনা মহাক্না পুরিবা কম্পানী মশীংগী মতুং ইন্না কম্পানী খুদিংগী লৌ পরি অমমম পীরম্মী।

পোইলা অমদা লৌ পরি ৬ পীরম্মী। সুবেদার অমদা লৌ পরি ৪ পীরম্মী। জমান্দার অমদা লৌ পরি ৩ পীরম্মী। কুৎ অমদা লৌ পরি ২১/২ অনীমরাকপীরম্মী। হবিলদার অমদা লৌ পরি ২ পীরম্মী। আমোন্দার অমদা লৌ পরি ১৩/৪ (অনীদগী শগুম তাবা) পীরম্মী। কোথোন্দার অমদা লৌ পরি ১১/২ (অমা মরাক) পীরম্মী। সিফাই অমদা লৌ পরি ১১/৪ (শগুম মপ্তা) পীরম্মী।[১১]

(৪) মনা লৌ — খাজনা থীদবা লৌশিংগী মরক্তা মনারৌ অসিসু অমনি। মসি নিংথৌনা কনাগুম্বা অমদা মহাক্না হেন্দোক-থোইদোকপা করিগুম্বা থবক অমা তৌরকপগীদমক পীবা লৌনি। মনারৌ অসি ফংলিবা মীওই অদুনা শিরবদি নিংথৌনা অমুক লৌখৎলি। করিগুম্বা মচা-মশূনা অদুম চাজগে হায়রবদি চহী অমদা পরিদা ফৌপোৎ ১২ দগী হেন্দনা খাজনা পীরগা চাবা য়াই।

(৫) পাঙ্গল লৌ — মসিসু মনারৌ মখল অমনি। অদুবু মসিনা থোইদোক্না অকন-অথৌ, থৌনা লিংজেনগী লমদা হায়বদি শা-লান্দা ময়ামদগী থোইদোক-হেন্দোকপা থবক, নিংথৌবু কনবনচিংবদা নিংথৌনা পেন্দুনা পীবা মনানি। মসিদি ফংলম্লিবা মী অদুনা শিরবফাওবদা মাগী মচাশিংনা ফংহৌই।

(৬) লাইরৌ — মৈতৈ লৈবাক্কী নিংথৌ খুদিংমক লাইবু য়াম্না থাজবা ভক্তি লৈবা ওক্তনি। মরম অদুনা নিংথৌনা লাইগীদমক লৌফম কয়ামুক কৎথোকই। মসিগী খাজনা অমুক লৌখত্তে। মসিবু লাইরৌ হায়না খঙনৈ। মণিপুরদা শ্রীশ্রী গোবিন্দ লিংখৎপা মতমদা গোবিন্দগীদমক হায়দুনা নিংথৌনা চরাংপাৎ, থিনুংগৈ, নিংথৌখোং, উয়াম্নচিংবা মফমদা লৌফম কয়ামরোম কৎথোকই। মসিগী লৌশিং অসি কৈ (মীনাই) শিংনা উই।

১১। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র "লম", *সাহিত্য* ৪০-৪১ শুবা মশীং (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ,) লাঃ ৯, ১০।

খাজনা থীবা লৌশিং

(১) ফমলৌ — মৈতৈ লৈবাক্তা ফন্নাইবা কয়ামরুম লৈরম্মী। নিংথৌনা মখোয়গীদমক্তা তলবকী মহুত্তা য়ান্না লীকপা খাজনাদা পরি অমদা ফৌ পোৎ অমা চহীদা পীবা তাই। হায়বিবা পীফম থোকপা খাজনা অসি থা ১২গী মনুংদা পীদ্রবদি ফৌরুংবনা নিংথৌদা হঙ্গৎলগা সনায়াথং মতুং ইন্না ফৌরুংবনা খাজনা তোনবা অদু ফাগৎলগা মতম মতমদুদা চৎনবিবা ফৌগী মমল অদু শেল ওইনা থিহল্লি। করিগুম্বদা মসি ফাওবা পীবা ঙমদ্রবদি লৌ অদু লৌখৎলি। চৈবাপকী ফন্নাইবা অণ্ডম্বশিং অসি ফমলৌ চাবম্মী।

(২) তৌনরৌ — মসি মখল অনী থোক্লা লৈ। মদুদি - (ক) মী অমদগী মমল পীদুনা লৈরগা চাবা। (খ) লৌ নিনবা হায়বদি উমঙ কোক্লগা লৌফম শেমজবগা চাবা। লৌ নিনবা অসিসু নিংথৌদা হায়জবগা নিনগদবনি। অসূন্না লৌফম শেমজদুনা চাবকপা চহী অহুম শুবকপা মতুংদগীদি মহাক্না চাবিবা লৌফম অদুগীদমক লৌ পবি অমদা চেঙ ওইনা চেঙকোক তরুক খাজনা পীগনি। খাজনা অসি থা ১২ গী মনুংদা পীদ্রবদি লৌফম অদু শত্তোকপা যাই। অসিগুম্বা চেঙ ওইনা লৌবগী খাজনা অসি শেল ওইনা লৌবসু যাই, তৌবতবু মতম মতমদুগী চৎনরিবা চেঙগী মমলগী মতুং ইন্না পীবা তাই।

নিংথেম লৌ নৎত্রগা সরকারী — মণিপুবগী নিংথৌগী লন্নাই লৌ কযামকম লৈ। মসিবু নিংথেম লৌ নৎত্রগা সবকাবী হায়না খঙনৈ। মসি মীনাই ফুঙ্গা নৎত্রগা অতোপ্পা মীনা উই। মীনাই ফুঙ্গানা উববদি লৌ পরি অমগা মবাক উহল্লি। অদুগা লৌ উবদা চঙগদবা পোৎ শন্নচিংবা খুৎশু-খুৎলায় লাঙ্গোন্নচিংবা পূন্নমক পী। অদুগা মপুদা ফৌপোৎ ৪০ (নিফু) পী। অতোপ্পা মীনা উরবদি লৌ পবি অমদমক উহল্লি অদুগা মপুদা ফৌপোৎ ৩০ পী। অতোপ্পা মীদা শান্দোক্তুনা উহল্লবদি চহীদা লৌ পবি অমদা লৌশাল ওইনা ফৌপোৎ ১২ পী।

শনজাবুং — নিংথৌনা শনজাবুংগীদমক্তা খাজনা লৌদে। কনাগুম্বগী শনজাবুংদা কৈনা শন শোক্লবদি খুন অদুগী মীশিংদা লুপা ১০ ব্রাকোংই। কনাগুম্বনা শনজাবুংদা লম খোপচিল্লরুবদি খুনগী মীশিংনা অহানবদা লৌকুংবদা ব্রাকৎলি, মদুদা পেন্দ্রগা নিংথৌদা অমুক ব্রাকৎপা যাই। অতোপ্পা খুন অমগী শন্না অতোপ্পা খুন অমগী শনজাবুংদা লাক্তুনা চারবদি অহানবদা হায়দুনা যেংগনি, মদুদা যাদ্রবদি শন অদু ফারগা শনলুংবদা পীদুনা ব্রাযেলহনগনি।

খাজনা লৌখৎপা — লৌ পান্নবশিংনা মখোয় মখোয়গী খুন খুনগী খাজনা লৌখৎলগা কৈদা থম্মী। ফৌ অদু লৌকংবনা শীজিন্নগদবা মতমদা কৈদগী লৌখৎলি।

লৌমীশিংদা পুখহৌবা লৌফমশিংগীদমক্তা খাজনা লৌরকপা মতমদা নিংথৌনা মথোই লৌদে। অতোপ্পা খুল্লক্কী মীনদি মথোই লৌবা চৎনৈ।

মণিপুবদা চৎনবা লৌগী পথাপ -

লৌশেল অনীনা তোং অমা।
তোং অনীনা লৌখায় অমা।
লৌখায অনীনা শঙম অমা।
শঙম অনীনা লৌরাক অমা।
লৌরাক অনীনা পরি অমা।[১২]

১২। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র " লম", *সাহিত্য* ৪০-৪১ শুবা মশীং (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পবিষদ,) লাঃ ২৫।

তরেৎশুবা পন্দুপ

ফিশা-লোনশা অমসুং ফিজেৎ-লৈতেং

মৈতৈ লৈবাক্তা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা ফিশা-লোনশাগী, মচু-মমেলগী হীরমদা খূমাং চাওখৎলম্মী হায়বসি মৈতৈগী অরিবা লাইরিক কয়াদগী খঙবা ঙম্মী। মদুদি মালেম লৈশেম্বা লোইরবা মতুংদা শাগী মউন, অপাবা উকু, উরী-ৱারী উনানচিংবনা শেমদুনা হকচাং কায়াৎশিং কুপ্তুনা শেৎনরম্মী। মসিগী মতুংদা লৈশীরেল লৈপূনবীনা হৈরোঙলৈমা ফিঙম্বী অমসুং সনা খোংনাং লৈমা লাইরেম্বী অনীদা ফি শানবা য়াথং তৌখি। অসূম্না লাইরেম্বী অনীনা লশিংদগী লং লৌদুনা ফৈবাক্তা মরী-মরী তাদুনা 'লং' পুথোকখি। মথংগী লাংওনদা কপত্রেং, হুইত্রি, কাংবোন পোলাং পুথোক্লুনা লং লৌরগা খ্বাংদা ফি শাবা হৌদোকখি।[১] মসিগী মতুংদা ৱালকাপ্পানা খাকি (চিন) নিংথৌগী মমোম ঔরিনুবু লৌই। ঔরিনুনা মৈতৈ লৈবাক্তা লাক্লগা মোইথাপ নাইদুনা, তরেংদা লং নাইদুনা য়োংখমদা ফি শাবা লৈবাক মীয়ামদা তম্বীখি। ঔবিনু অসি নিংথৌ ককশুবগী মমানি।[২]

মণিপুরদা নিংথৌ অঙম-অথৌ ফম্নাইবশিংগী শমজিন মনাফি থোক্লকখিবগী মতাংদা তোঙান-তোঙনবা লাইরিক কয়ামরুমদা পল্লম্বা থেংনৈ। মদুদি - লাইস্নানা ফৌবা ফৌগী মথক্তা পাখঙবনা লিন ওইনা শায়োন্দুনা ফৌগী মথক্তা লৈরবদা লাইস্নাগী মচানিপা খুয়োই তোমপোক্পা থাঙজ তরেৎ চংনা শাখিবা লোংনা লিনগী লৱাইদা মপানি খঙদবদগী থিন্দুনা হাৎখি। লাইস্নাগী মঙলান্দা ফাওরকপদগী মপুরোইবনি হায়না খঙলকখি অমসুং মঙলান্দা পাখঙবনা হায়রম্বা মতুং ইন্না লাইস্না অমসুং মচানিপা খুয়োই তোমপোক্পা লৈবাক্কী পণ্ডিত মরিং হনুবা নহাঙম্বা মতৈ-মনাওনচিংবগা তান্নরগা নিংথৌগী মনাফি, নীংখম শমজিন, লমথাং খুলক, খামেন চপ্পনচিংবা কয়ামরুম লিনগী মশক্তগী লৌদুনা শাখি।

লিনগী মশোংগী মওঙ লৌদুনা কোয়েৎ শমজিন তুংদা তাবা মতোন অপাকপা ওইনা শেমখি। লিনগী মথাগী মওঙদগী খদাংয়েৎ মরী মতোন্দা তানবা থবাক কুপ্পবা মরী মতোন অপাকপা ওইনা শেমখি। শমজিন কোয়েৎ য়েৎনবা মরী অসি লিনগী

১। ফুরাইলাৎপম ইবোতোন শর্মা *মীতৈ ফিজেৎ লৈতেং* (ইম্ফালঃ অইবা মশা, ১৯৭০) লাঃ ৩২, ৩৩।

২। চোংথামচা ভান্বা (জয়) (সম্পাঃ) *মাল্লেম লৈসেল্লোল অরিবা (অহানবা অমসুং অনীশুবা শরুক)* (ইম্ফাল· থিংবাইজমচা টুতেশ্বর, ২০০০), লাঃ ১৮৭।

ময়াংলেন্দগী লৌবা ময়েক্কি হায়না লৌনৈ। মসিগী মরী অসিগী মওঙ নৎত্রগা ময়েক অসি অহুম থোক্লা শেমখি। মদুদি - (১) থম্বাল মযেক, (২) যেন্সিন ময়েক নত্রগা মালতী ময়েক অমসুং (৩) খোই অকোনবী ময়েক। লিনগী মমৈগী ময়েক্কী মওঙ লৌদুনা নিংখুম নৎত্রগা নিংখম শেমখি। মসিগী ময়েক মওঙ অসি অনী গুই । মদুদি - (১) ফাম্তুপ ময়েক। (২) খোইজাও অকোইবী ময়েক। ফাম্তুপ ময়েক অসি নিংথৌ নত্তবা মীনা শেৎনদে, নিংথৌনা শমজিন শেৎলকপা মতমদা নিংখম ওইনা হাপনৈ। লিনগী মবুক্কী অরাংবা ময়েক্কী মওঙ লৌদুনা লমথাং খুলক শাখি। মসি শীজিন্নবা মীওইদি সনা, লৈমা, নিংথৌনা মনা ওইনা পীবা কাঙবুশিংনা শীজিন্নৈ। লিনগী মশাগী অরাংবগী ময়েক্কী মওঙ লৌরগা খামেন চপ্পা পুথোকখি। খামেন চপ্পা অসি কামুচপ্পা হাযনসু খঙনৈ। মসি নিংথৌগী মনাফিগী মনুংদা লৈ। নিংথৌনা মনা ওইনা খুদোল তৌথ্রবা নৎত্রগা ফংলবা মীওইশিংতনা মসি শীজিন্নবা যাই।[৩]

নিংথৌ ফি শাখিবগী মতাংদসু মৈদিংঙু খুয়োই তোমপোক সনা হাক্তক্তা রানফক ফুরিৎ শাখি। অদুগা মৈদিংঙু নাউফংবগী সনা হাক্তক্তা কোবীনা শীংমিৎ ওইনা শীং খন্দুনা শাখিবগী মতাংদা "নিংথৌ ফি শাবা" হায়বা লাইরিক্তা অসুন্না ইরি·

> অকো ফিশা হনবনা চবৈ নিংথৌফিবু শংদিং ফিহৌতম কব্রং চাচু লংনা লংলা খাদা থা, অঙৌবনা থক্কা থোং অমুবা য়ায়দা লাং মেমানবনা তুবী যেকসোনলৌ শীংখন লৌ থাঙলেন যাইওইবনা কোরীতুবান লোন্না তুবী য়েকপু য়েক শোয়দ্রবগী লাইবেন নাউফংবদি তুবী পূকনীং হরাউথোইখিএ।[৪]

মৈদিংঙু লোইযুম্বগী মতমদসু চবৈ ফিশাহনবনা নিংথৌফি শাখিবগা লোযননা সনা হাক্তক অসিদদি মৈতৈ লৈবাক্তা চৎনরম্বা মৈতৈনা শাবা ফি অসি মওঙ মখল কয়ামকম লৈবম্মী হাযবসি *লোযযম্বা শিনযেন* কৌবা লাইবিক্তগী খঙবা ঙম্মী। মদুদি - ১। মুংফি, ২। চিনফি, ৩। লাইফি, ৪। রানা কদংফি, ৫। লাইফি তোংকাপ, ৬। ফিরেন, ৭। লংদোমফি, ৮। য়াবোংফি, ৯। চামি ফি, ১০। তোংকাপফি, ১১। শারোংফি, ১২। লৈরূমফি, ১৩। দোলাই কুপফি, ১৪। দোলাই থানাফি, ১৫। ফৈবোই ফি, ১৬। হৈকোয়ফি, ১৭। শীংখনফি, ১৮। লাইয়েকফি, ১৯। পুকমফি, ২০। ফাকংফি, ২১। তবাউফি, ২২। পূমথিৎফি, ২৩। ফিমুযেক পাংযোংফি, ২৪। নোংফি, ২৫। খুনুং মুগুমফি, ২৬। খুনুং চুমখনফি, ২৭। চীংখোঙফি

৩। ফুরাইলাৎপম ইবোতোন শর্মা, *মীতৈ ফিজেৎ লৈতেং* (ইম্ফালঃ অইবা মশা, ১৯৯০) লাঃ ৪৯ ৫৩।

৪। "নিংথৌ ফি শাবা" খুৎই লাইবিক ফংফম নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

ফিমু, ২৮। ফিমু লালফি, ২৯। খুনুং মাথংফি, ৩০। করৌফি ফিঙাঙ, ৩১। সঙমু লাংমুফি, ৩২। খাঙ্গং, ৩৩। সঙমু লাংমু ফি, ৩৪। থাংলি অসিনচিংবা।[৫]

মৈতৈ লৈবাক্তা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা চৎনরম্বা নিপাগী ফিজেৎ মওঙ অসি তরেৎ থোক্লা লৈরম্মী। মদুদি - ১। খ্বাঙলী লাইখন, ২। হুইত্রি খুরৌ নৎত্রগা নিংগ্রি, ৩। অকোয়বী মতেক নামৈ য়েপ্তবী, ৪। কপত্রেং ফিজেৎ, ৫। শামু নাতোন লাইখন (কুঞ্জা) থাদবী, ৬। থৌগন ফিজেৎ লাইখন (কুঞ্জা) য়েপথৎপি, ৭। খামেন চপ্পা শেৎপা।

১। খ্বাঙলী লাইখন - মসি শেৎপগী মওঙদি খ্বাঙদা থৌরিগী মওঙ মানবা মরী অমা কিরগা কাপ অমা খরা হেল্লা পাকপা, খুদুপ মরিদগী মঙা ফাওবা শাংবা ফি অমনা খোয়দৌ মপাদা লোনশিন্দুনা য়েপ্লগা ফি মচী অমনা মাঙলোমদগী তুংলোমদা নামৈ ওইনা য়েপকনি, ফিজিন অমনা মাঙদা খুড য়ৌগদবা খরা ৱাৎনা লাইখল তাহনগনি। অসুন্না শেৎপা ফিজেৎপু খ্বাঙলী লাইখল হায়না খঙনৈ।

২। হুইত্রি খুরৌ নৎত্রগা নিংগ্রি - খুদুপ মরি মঙামুক শাংবা পীক্তক তৌবা ফিনা খ্বাঙদা কোয়না তাশিল্লগা নীঙগী মপাদা কিরগা নীঙ কারক্তা পুরক্তুনা মাঙগী খোয়দৌ মপাদা লোনশিল্লগা কীশি কিগনি। মসি মুক্লা, মুক্লা কাঙজে, লাক্ল-ফানবা মতমদা শেৎলি।

৩। অকোয়বী মতেক নামৈ য়েপ্তবী - মসি ফি খুদুপ অহুম-মরি শাংবা, পাকপনা খ্বাঙদগী খুডফাওবা পাকপা ফিনা য়েৎকী খ্বাঙ মপাদা ফিবান অনী কিরগা ফিবান ফিজিন অমনা খোয়দৌ মপাদা য়েপকনি। মসিগী ফিজেৎ অসি থবক্কী মতুং ইন্না মফম পুম্বদা শেৎপা য়াই।

৪। কপত্রেং ফিজেৎ - মরাক্লা খ্বাঙদগী খোঙমিৎ ফাওবা পাকপা, ময়ুংনা খুদুপ নিপান-মাপনমুক শাংবা ফিগী ফিবান্না খ্বাঙ কোয়রগা ওয়দা লৈবা ফিদোন্না য়েৎকী খ্বাঙ মপাদা য়েপ্লগা ফিদোন মচিন্না খোঙমিৎ য়ৌবা ফাওবা চোন্না থল্লগা করাঙদা পুখৎলক্তুনা নীঙগী খ্বাঙ মপাদা য়েপশিল্লগা নামৈ অদু ওয়গী নাকন্দা পাক্লা শন্দোক্তুনা থমগনি। খ্বাঙয়েৎকী মপাদা লৈহৌবা অশাংবা ফিদোন অদু খ্বাঙদা লৈবা ফিবান অদু ওইগী খ্বাঙ মপাদা য়েপ্লগা ফিবান অদু পুখৎলক্তুনা খোয়দৌ মপাদা য়েপ্লগা লাইখল (কুঞ্জা) গী ফিবান অদু য়েৎকী নীঙলোমদা শন্দোক্কনি।

৫। শামু মনাতোন লাইখল (কুঞ্জা) থাদবী - মসি কপত্রেং ফিজেৎকী মওঙদা শেৎকনি, তুংগী নামৈ অদু লৈরগা য়েপকনি। মাঙদা লৈবা ফিজিন অদুনা নীংথিনা মথোন নাইনা অচৌ-মচা নাইনা থুপ্লগা লাইখল হায়বদি কুঞ্জা শারগা মতোন তুন্না শামু মনাতোন শানা তাহল্লগা খোয়দৌ মপাদা মথক থংবা ফিবান অদু য়েপখৎকনি। মসি মৈদিংঙু নরসিংহগী মতমদগী লাকপা মওঙনি।

৫। খুলেম চন্দ্রশেখর (সম্পা:) *লোয়য়ম্বা শিনয়েন* (ইম্ফাল: শ্রীমোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫, লা: ১৭, ১৮।

৬। থৌগল ফিজেৎ লাইখল কুঞ্জা য়েপখৎপি — মসিসু মথক্কী ফিজেৎকী মওঙদা শেৎকনি, তৌবতবু নামৈ লৈরোই অদুগা কুঞ্জা তম্বায়দগী লৌখৎলক্তুনা খোইদৌ মপাদা য়েপশিনগনি। মসি মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগী থোরকপা ফিজেৎনি।

৭। খামেন চপ্পা শেৎপা — মসি মফম-মতমগী মতুং ইন্না কপত্রেং ফিজেৎ, শামু মনাতোন লাইখল থাদবী অমসুং লাইখল য়েপখৎপি মওঙ অহুম অসিদা অয়াম্বনা শেৎনৈ।[৬]

মৈতৈ লৈবাক্তা চৎনরম্বা কোয়েৎ — মৈতৈশিংনা কোক্তা ফিনা য়েৎনরম্বা কোয়েৎকী মওঙ অসি তরাতরেৎমুক উবা ফংই। মদুদি - ১। কোয়েৎ লোল্লৈ, ২। কোয়েৎ তোলোক, ৩। কোয়েৎ পাখং তোলোক মচা, ৪। কোয়েৎ পাকলোই, ৫। কোয়েৎ কাঙদুম, ৬। কোযেৎ ফৈয়েৎ, ৭। কোয়েৎ শমজিন কাবন ওয়না নম্বী, ৮। কোযেৎ শমজিন কারল য়েৎনা নম্বী, ৯। কোয়েৎ শমজিন কারন নাম তাবি, ১০। কোয়েৎ শলাই অচৌবা, ১১। কোযেৎ শলাই মচা, ১২। কোয়েৎ শলাই ওইনা নম্বী, ১৩। কোযেৎ অচৌবা অনানবী।, ১৪। আজমেবি কোয়েৎ, ১৫। ফাগুরি কোয়েৎ, অতোপ্পা কোয়েৎ মখল অনী অদুগীদি থোইদোক্না মমিং পন্নদে।

১। কোয়েৎ লোল্লৈ — কোয়েৎ অসিগী মওঙদি খজিং মকোক্তা হাইরপ মান্নৈ। মসি নিংথৌনা উপনৈ। হৈক্রু হিদোংবগী হিযাং তান্নবদা নিংথৌনা তেংমায লেপ্লবদি নীংখম শমজিনগী মহুত্তা লোল্লৈ ওইনা হাপনৈ।

২। কোয়েৎ তোলোক — মসি লাইগীনি হায়দুনা মীনা কয়া শীজিন্নদে। ময়েৎ মওঙদি লাইবক ময়ায়দা ফিজিন থিনগত্তুনা থম্লগা লেমহৌবা ফিজিন অদুনা মায় মপাদা কারন য়েত্তুনা কোক অকোয়বদা য়েৎলগা ফিদোন অদু লুখমদা মচীন লোৎকনি।

৩। কোয়েৎ পাখং তোলোক মচা — মসি লৈকাইদা চৎথোক-চৎশিন কোযথোকপনচিংবা মতমদা নিপাশিংনা শীজিন্নৈ। ময়েৎ মওঙদি খূদুপ মরি-মঙা শাংবা ফিনা তাশিল্লগা নাপ মপাদা ফিদোন মচীন থিনগত্তুনা থম্লগা কোক অকোয়বদা কাবন চত্তুনা অতোপ্পা ফিজিন মতোন অদু লুখমদা য়েপকনি। মসি চাক থোংবা পুজারিশিংসু মওঙ খজিক্তং থেন্নবা মওঙদা য়েৎনৈ। পুজারিশিংনা তুংলোমগী ফিজিন অদু খদাং চীনবান খুন্না য়েৎলগা নাপ মপাদা য়েপশিল্লি। অদুগা খদাং চীনবান খুন্না যেৎপদি লাইগী সেবাদা য়েৎনৈ।

৪। কোয়েৎ পাকলোই — মসি কনাগুম্বনা পাকলোই হায়নসু কৌনৈ। নিংথৌ, অঙম-অথৌশিংনা বায়েল-বিচার, কুম্মৈ-ফিয়োং শাফা-লানফা চৎপদা শীজিন্নবা চৎনৈ।

৬। ফুরাইলাৎপম ইবোতোন শর্মা, *মীতৈ ফিজেৎ লৈতেং* (ইম্ফালঃ অইবা মশা, ১৯৯০), লাঃ ৫৯ - ৬২।

মসি নোংদা লাইরেন পাখঙবগী মতমদগী য়েৎনরকপা চৎনৈ। ময়েৎ মওঙদি মরাক পীকপা অশাংবা ফিগী ফিদোন অমনা লুখমদা খুদুপ অমা শাংনা থমহৌরগা অরেম্বা ফিশাং অদুনা কোক ময়ায়দা পুদুনা কোক ওয়গী নাকন্দগী য়েৎলোমদা কারল চত্তুনা য়েৎকনি। লুখমদা লৈহৌবা ফিদোন মচিন অদুনা য়েৎকী নাপ মপাদা কোয়েৎকী ময়ায়দা মতোন থিনগৎহনগনি। অদুগা কোয়েৎ অকোয়বদা য়েৎলিবা ফিদোন্না ওয়গী নাপ মপাদা কোয়েৎকী ময়ায়দা মতোন থিনগৎহনগনি।

৫। কোয়েৎ কাঙদুম — মসি শা- লানগী মতমদা শীজিন্নৈ। মসিগী ময়েত্তি মরাক পীকপা অশাংবা ফিনা লুখমদা ফিদোন অমা থল্লগা কোক্কী ময়ায়দা পুখত্তুনা নাক-য়েৎ কারল তানা য়েৎকনি। য়েৎলিবা ফিগী ফিদোন অদু লবাইগী কোয়েৎ মনুংদা মচিন লোৎকনি। লুখমদা লৈহৌরিবা ফিদোন অদুনা হাইগত্তুনা য়েৎলিবা কোয়েৎ অদু কায়দনবা কোয়েৎকী লবাই মনুংদা থিনজিনগনি।

৬। কোয়েৎ ফৈয়েৎ — কোয়েৎ মওঙ অসি য়েৎপা মীওইশিংদি নিংথৌ, মাগী মচা-মশু, বড়সেনাপতি, শাগৈগী পিবা, থৌরম অমগী ময়ায় তাংবলদা লৈবা মীশিংনা য়েৎনৈ। ময়েৎ মওঙদি - মরাক খুদুপ অনী-অনীমথায়মুক পাকপা, অপাবা ফি, ময়ুংনা খুদুপ মঙা তকক শাংবা ফিনা মরাক্তা তাশিল্লগা কারন নাইনা কিশি কিরগা মতোন অমনা নাপ মপাদা থমগনি। মতোন অমনা ওয়গী লাইবক মপাদা মতোন হাইগত্তুনা থমগনি।

৭। কোয়েৎ শমজিন কারন ওয়না নম্বী — মসি মৈদিংঙু খুয়োই তোমপোক্কী মতমদা পুথোকখিবনি। কোয়েৎ অসি নিংথৌদগী মনা ফি ওইনা ফংলবা অখন্নবা মীশিংনসু য়েৎপা য়াই। হিয়াং তান্নবা, লাই হরাওবা, পানা মুক্না শান্নবদা শীজিন্নৈ। ময়েত্তি উকং হায়না কৌবা মতোন্দা খারৌ মকোক অফনবগী মওঙ মানবা অহোবা মচৈ কাপ অমা খরা হেন্না শাংবা কোলপ তানা শেন্নগা হোদবা মচৈ মখোঙদা কোক্কী অকোয়বদা ইকোই কোয়না কোয়েৎ ফানবা লং অকনবা অমনা কিরগা লাইবক ময়ায় কোক্তা থমদুনা উকং অদুদা খূদৈ চনাং অকনবা অমনা খুবাকমুক পাক্না থুপ্তুনা উকংদুদা ফিদোন নামনা কোক্কী অকোয়বদা কারন চত্তুনা য়েৎকনি, খুদৈ অদুগী মথক্তা উকং মতোন্দা লৈবা লং অকনবা অদুগা উকংগা পান্ননা য়েৎলগা কোয়েৎ অদু ফাগনি। অদুগা চাংখ্রংতাবী কোয়েৎ (পুং য়ৈবনা য়েৎনবা কোয়েৎ) অসিনা ময়ুংদা থুপতুনা ফিদোন ফিজিন অমনা উকংদা য়েৎলগা কোক্কী অকোয়বদা য়েৎলগা উকংদগী কারন লৌদুনা শমজিন কোয়েৎ শেমগনি। য়েৎলিবা ফিদোন অদুনা তিংথোক্তুনা মরাক তম্ভায় অদু কোক্তা থল্লগা ফিবান অনী নাপ অনীগী মপাদা থেৎচিনগনি। শমজিন মরী অদু কোয়েৎকী ময়ায় উকংগী কারক্তা লোনশিল্লগা নাপ মপাদা পুরক্তুনা খদাঙগী খোরি মপাদা থমগনি, মরী অশাংবা অদুনা নাপ অমগী মপাদা থল্লগা খদাঙ মযা ফাওবা পুথবক্তুনা মরী মপাদা কোয়না য়েত্তুনা ওয়না নমদুনা কারন তাহন্দুনা থমগনি। শমজিন মরী

অদুনা উকংদা য়েত্তুনা পুরক্লগা উকংগী অহোবদা থিনজিন্দুনা মরী অদুগা কোন্নবা অপাকপা লিন ময়েক লোনবা অদু লুখমদা তাহনগনি। মাঙদা লৈহৌবা মরী অনী লোনশিন্নদুনা খদাংদা কিরগা মতোল অপাকপা অদু থবাক্তা তাহনগনি।

৮। কোয়েৎ শমজিন কারন য়েৎনা নম্বী — মসি কোয়েৎ শমজিন কারন ওয়না নম্বী ময়েৎকা চপ মান্নে। খেন্নবা হায়ববু হিয়াং তান্নবদা তেংমাই লেপ্পা নিংথৌ নৎত্রগা অঙম অথৌনা শমজিন চিনবদা উকংগী মখোঙদা কারন চৎপা মরী অদু য়েৎনা নমগনি।

৯। কোয়েৎ শমজিন কারন নাম তাবি — মসি কোয়েৎ শমজিন য়েৎ অমসুং ওয়না নম্বীগা মান্নে। তৌবতবু উকংগী মখোঙদা কারন নামতা লৈগনি। মীচন্না থবক্কী মতুং ইন্না হরাউ-কুম্মে হিয়াং তান্নবদা হিরোইশিংনা মসি য়েৎনৈ।

১০। কোয়েৎ শলাই অচৌবা — মসি থবক থৌরমগী মতুং ইন্না নিংথৌদগী মীচন্না ফাওবা য়েৎনৈ। খুয়েৎ মওঙদি কোয়েৎ পাকলোইগা মান্নে। তৌবতবু মসি চাংপ্রং তাবী খুদুপ তককমুক শাংবনা য়েৎনৈ।

১১। কোয়েৎ শলাই মচা — মসি কোয়েৎ সলাই অচৌবগী খুয়েৎকা চাউরাকপা মান্নে। সলাই অচৌবগী ফি শন্দোক্লা য়েৎপা মওঙ অদু সলাই মচাগীদি শন্দোক্লা য়েত্তে, নাপ মপাদা কোক য়েৎকী তম্বায়দা ফিজিন অনী থিনগৎপা অদু য়াওরোই। কোয়েৎ ময়াইদা ফিদোন মচিন অমা থিনগৎহননি। অমনা লাইবক্কী য়েৎওয়ননা থিনগৎহনগনি।

১২। কোয়েৎ সলাই ওয়না নম্বী — মসিসু সলাই অচৌবগী খুয়েৎকা চাউরাকপা মান্নে। তৌবতবু য়েৎলকপা মতমদা য়েৎনা নম্বগী মহুত্তা ওয়না নম্মী। কোয়েৎ ময়ায়দা ওয়গী নাপরোমদা ফিজিন মতোন অদু পৈতক্লা য়ুংনা থিন্দোকহনগনি।

১৩। কোয়েৎ অচৌবা অনানবী — কোয়েৎ অচৌবা অনানবী অসি অপাবা অশাংবা কোযেৎকীদমক শাবা ফি অদুনা লুখমদা ফিদোন অমা থন্নগা কোক্কী ময়ায়দা পুরক্লুনা নাক-যেৎ কারন তানা য়েৎকনি। যেৎলিবা ফিদোন অদু লবাইগী কোয়েৎ মনুংদা মচিন লোৎকনি। লুখমদা তাবা ফিদোন অদুনা হাইগৎলক্লুনা কোয়েৎ অদু কায়দনবা লবাইগী মনুংদা থিনজিন্দুনা ফাগনি। মসিগী ফিজিন লৈহল্লোই। কোয়েৎকী ময়ায়দা অমুবা লং খরা হাপ্পী মসি পেত্রক কৌই। মসি নট সংকীর্তনগী ঈশৈ শকপা, দুহার, পালা অমসুং পেনা খোংবা অমাইবশিংনা শীজিন্নে।[৭]

১৪। আজমেরি কোয়েৎ — কোয়েৎ মখল অসি মথক্তা পনখ্রিবা কোয়েৎ মখল ১৩ অসিগদী তোপ তোপ্পী। মসি আজমেবগী নিংথৌনা য়েৎথংবা মিৎ অশোয়বা অদু উদনবা য়েত্তা নমদুনা য়েৎপগী মওঙ অদু পকচবদগী মণিপুরদা মতৌ তমদুনা য়াওশঙগী

৭। ফুবাইলাৎপম ইবোতোন শর্মা *মীতৈ ফিজেৎ লৈতেং* (ইম্ফালঃ অইবা মশা, ১৯৯০), লাঃ ৬৩ ৭২।

হোলিগী সনা পালাদা য়াই শণ্ডদুনা য়েৎনৈ। অতে অতোপ্পা হোলি পালাদা য়েৎনদে। তৌইগুম্বসুং মচু শণ্ডদনা অঙৌবা ওইনা য়েৎনবদি য়াওই। কোয়েৎ অসিগী ময়ায়দা অঙাঙবা মচুগী ফিজিন অমা হাপ্পী অমসুং কোয়েৎ মনীঙদা মমৈ পাপ্লি।

১৫। ফাগুরি কোয়েৎ — য়াওশঙগী হোলি পালাদা য়েৎনবা কোয়েৎ মখলনি। মসি কোক মচা হায়না খঙনবা কোয়েৎ ফিনা কোক্তা লবাইগী শরুক ফিজিন অমনা খুন্নগা ইকোয় কোয়না য়েৎশিন্বনি। মসি জয়পত্র ফংলবা কাঙবুনা য়াই শঙলগা ফংদবা কাঙবুনা অঙৌবা ওইনা য়েৎনৈ। মসি বৃন্দাবনগী ব্রজবাসিশিংনা য়েৎনবগী মওঙদু মতৌ তমদুনা য়েৎনবনি।

শ্রাদ্ধ নত্রগা বৎসর শ্রাদ্ধ (ফিরোই)দা সংকীর্তনগী মনুংদা তাঞ্চপ মেনকুপনচিংবা লোইরগা ফমদুনা লৈরিঙৈদা সম্ভোগ শকখিবগী ফিরোই হোংবা মতমদা পূং য়ৈবা অনী, ঈশৈ শকপ, দুহার অমসুং খোনবাংবা মঙানা মাগী মাগী হান্নগী কোয়েৎ অদু লৌথোক্লগা অনৌবা কোয়েৎ অমুক য়েৎনৈ। মসি য়ুমবু য়ুমবুগী মতুং ইন্না পালা খুদিংমক য়েৎহন্নবসু য়াওই। মসি য়েৎপগী মওঙদি কোয়েৎ সলাই অচৌবগা হাইরপ মান্নৈ। পূং য়ৈবগীদি সলাই মচাগী মওঙদা অয়াম্বনা য়েৎনৈ।[৮]

নুপাগী কোয়েৎ মখল তরাতরুক অসি নত্তবা নুপীনা য়েৎপা কোকশেৎ অসিসু মরু ওইবা অমনি। মসি নুপীশিংনা লাই-তীনগী থবক তৌবা, লৌলিংবা, চাকথোং-ফৌশুগী মতমদা কোকশেৎ অসি য়েৎনৈ।

মৈতৈশিংনা শীজিন্নরম্বা ফুরিৎ অসি চাউরাক্লা তরেৎমুক লৈরম্মী। মদুদি - ফুরিৎ শাইজোনবা, ফুরিৎ শাইককপা, ফুরিৎ তাজিন, ব্রানফক ফুরিৎ, কোনখা ফুরিৎ, ফিরেন ফুরিৎ, খাওন ফুরিৎ অসিনচিংবনি। লৈবাক অসিদা লৈমা-নিংথৌ অমসুং সনামহী লৈমরেন্না থোনবা ফিজেৎ তোঙান্না খায়দোক্লুনা লৈরম্মী। নিংথৌনা থোনবা ফিজেত্তি - লৈরুথেৎ, তারি নিংখম, ফিরেন ফুরিৎ, লোনফি, হাই-নিংখম, কোনখা ফুরিৎ, ইনফি লংদোম ফি অসিনচিংবনি। লৈমনা শেৎ ইনগদবদি - লৈরেন লৈচাও, কুমলং ফনেক, কাব্রং ফনেক, কনাপ ফনেক, খাওন, ফৈজা-রেনখাং, ফুরিৎ শাইজোনবা, ফিরেন কনাপ, থারোন ফনেক, শারোং অসিনচিংবনি। সনামহী লৈমরেন্না থোনবা ফিশিংদি - তোঙকাপ ফনেক, মপান লোন্দবা ফনেকনি। ইনফিনা লাইফি হায়বদি ফি মপান্দা পীক্লা পীক্লা মপান চনবা অদুবুনি। উমঙ লাইশিংগী ফিদি শমজিন, নমথাং, কোয়েৎ, ফৈজোম, ফনেকঅসিনচিংবা থোন্নৈ।

মৈতৈ লৈবাক্তা ঙন্নিঙৈ মতমদগী হৌনা নিংথৌনা কনাগুম্বা অমনা মাগী থোইদোক হেন্দোকপা মতিক-মথৌনা, নিংথৌবু লান্দা কনবিরকপা অসিগীদমক মনা ওইনা পীরম্বা

৮। তাকপীরকপা পদ্মশ্রী শৌগাইজম থানিল (চহি ৬০), প্রধানগুরু, জে এন মণিপুর ডান্স একাদেমী, ইম্ফাল।

ফুরিৎশিংদি - ফুরিৎ শাইজোনবা, ফুরিৎ শাইককপা, ফুরিৎ তাজিন, রানফক ফুরিৎ অসিনচিংবা পীরম্মী। অসিগুম্বা মনা অসি ফংলিবা মীওই অদু শিরবা মতুংদা মচা-মশুদগী অমুক নিংথৌনা লৌখৎলি। লৌখৎলক্লিবা ফুরিৎশিং অদু অমুক মতিক চাবা মীওই থোরকপা মতমদা মনা ওইনা অমুক পী।

মৈতৈশিংনা মথক্তা পনখ্রিবা ফৈজোম, কোয়েৎ অমসুং ফুরিৎশিং অসিতা নত্তনা অতোপ অতোপ্পা লৈতেং কয়ামকম নেংথ্রৈ, চনিং, নূং, লিক্কোন, সনা অমসুং লুপানা শাবা পোৎশক কয়ামরুম শীজিন্নরম্মী। চীংমীশিংনা মৈতৈ নিংথৌদা চনিং পরেংনা লোইপোৎ ওইনসু পীনরম্বসু য়াওই। মথক্তা পল্লিবা পোৎশকশিং অসি ঙক্কী লৈতেং ওইনা, নাগী লৈতেং ওইনা, খূদোপ অমসুং খূজি ওইনা, পাম্বোম ফাবী ওইনা, খোঙজি ওইনা শিনবম্মী হায়বসি *পাখংবা নাওয়োম, চীংলোন লাইহুই, নুমিৎ কাপ্পা,* অসিনচিংবা লাইরিকশিংদা পল্লম্বা থেংনৈ।

মৈতৈশিংনা ঙক্কী লৈতেং ওইনা শিন্নরম্বা লিক মওঙ খবদং পল্লবদি - ঙাংগোই পরেং, সনাবুং ঙাংগোই পরেং, কোন্দূম পবেং, হৈক্রু পরেং, কিয়াম লিকফাং, সনদ্রেম্বী পরেং, মরৈ পরেং, পুমতারিক, থাংসবিক, বোকুল পরেং, অংগোৎ পরেং, থবোই মনিং পরেং, হৈবী মপাল, হৈয়াই থানবী পরেং, থবী মরু পরেং অসিনচিংবা। খূৎ মচাগী লৈতেং ওইনা শিনরম্বা খূদোপ মওঙশিংদি পবৈ, লিকখাও, লিকখাও খাইবী, হমক্রু মপাল, লাইরেন মখোয়, খোইমহুম, চবোৎ খূদোপ, য়ুবী খূদোপ, মিংশেল মখুম অসিনচিংবা। নাগী লৈতেং ওইনা চিনবম্বা লৈতেং মওঙশিংদি - নাযিন, নাথাং, কোরিয়ান, চোমলাং, তাইরেন মপাল, অংগোৎ অসিনচিংবনি। খরা থেংথরক্লবা মতমদা কুখুর অমসুং নারী ফাবসু চৎনরম্মী। পাম্বোমগীদমক্তা পাম্বোম ফাবি অমসুং তান্নচিংবসু পাম্বোমদা ফানরম্মী। খূদাংগী লৈতেং ওইনা সনা খূজি, খূজি পোকচাওবী অমসুং শমসোক ঙম্বা (মৈদিংঙু গরিবনিরাজনা শমসোক লান ঙম্ববু তুংগী মীরোলনা কাওদনবা শাহনখিবা) অসিনচিংবনি। খোঙগী লৈতেং ওইনা য়োৎনা কোল্লগা শরিক মচা মচা হাপ্তুনা শিবা নৎত্রগা লুপানা শারগা শিবসু চৎনরম্মী।[৯]

৯। মুতুবা বাহাদুর, "মণিপুরী সংস্কৃতিদা ফিজেৎ লৈতেং" *মণিপুরী সংস্কৃতিদা লাইয়েকপা, লাইশাবা অমসুং ফিজেৎ- লৈতেং,* (সেমিনার পেপর) (ইম্ফালঃ দি কলচরেল ফোরম, মণিপুর, মে ২৬, ২০০২), লাঃ ৯ - ১৪।

নিপানশুবা পন্দুপ

মৈতৈ লৈবাক্তা চারৌ-মৌরৌনবা

পৃথিবীদা লৈরিবা জাতি খুদিংমক্কী চারৌ-মৌরৌনবগী ৱায়েল ৱাথুপ লৈবগুম মণিপুরী জাতিগীসু য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা চারৌ-মৌরৌনবগী অকৃপ্পা পথাপ লৈজরকই। লৈবাক অসিদা খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈ মমাঙদগী হৌনা লুহোংবগী চৎনবী অসি অদুক হাক্লা অকুপ্পা পথাপ অমা লৈবমদ্রবসু হৈজিং খবাই হৈকৎ-লৈকৎ তৌদুনা লুহোংলম্বগী ৱা অবিবা লাইরিকশিংদা পল্লম্বা থেংনৈ .

> লৈমা ঔবিনু নীঙথিপীনা মপারিকিতামক ককচা লৈনৌপীপু ঙাপা পাওতোং য়ান হৈচিঙ মশীঙ সু, খুতোংমপু পুনা হৈথীনপীয়ে অতুনোংকিপু নুচা হৈথীনপাতা তাওচীঙ হৈচীঙপুপা নুচা লুহোংপা হাইনা সীনতমপীবমযে হাইতাপাবা।[১]

মতৌ অসুম্না মৈতৈগী অঙনবা মতমদগী হায়বদি হিন্দু ধর্ম্মদা মপুঙ ওইনা মায ওনশিন্দ্রিঙৈ মতম ১৮ শুবা শতাব্দীগী মমাঙ ফাওবদা নিপানা নুপীবু মাগী লোযনবী ওইনা লৌবগী মওঙ অসি চাউরাকপা মীৎযেংদা মঙা থোক্লা খায়দোকপা য়াই। মদুদি - (১) মশা মশা য়ানদুনা লৌন-লৈনবা, (২) অহল-লম্মন হায়ন-শীংনরগা লৌন-লৈনবা, (৩) লানফা ওইনা পুরক্লগা লৌন-লৈনবা, (৪) নমদুনা লৌন-লৈনবা অমসুং (৫) মুন্দুনা লৌন-লৈনবা।

(১) মশা মশা য়ানদুনা লৌন-লৈনবা— মৈতৈ লৈবাক্তা মপুঙ মৱৈ ফাদ্রিবা নিপামচা নৎত্রগা নুপীমচাবু লুহোংবিবগী চৎনবী অসি উবা ফংদে। অদুম ওইনমক মপুঙ মৱৈবু ফাবক্লবদি মশা মশা য়ানদুনা চেনখিবা নৎত্রগা অহল-লমন্না লুহোংবিবগী চৎনবীদি লৈরকই। অসুম্না মপুঙ মৱৈ ফারক্লবা ফারক্লবী নিপা-নুপীশিংনা অপাম-নুংশিগী ৱাখল মহৌশানা যাকাইবকপা মরম্না মান মানা পামজবা, নকশিন্নরুবা নৎত্রগা ৱাখল মীৎযেং মান্নকবদগী পুন্সি লম্বীদা অমত্তা ওইনা চৎনীংলকপদগী অনীগী মরক্তা অবোৎপা অথুপ্পা থন্নরক্তে। অসিগুম্না খোঙথাং অসিদা চঙশিনখিদুনা পুন্সিগী অৱা-নুংঙাই কযাদা শরুক

১। চোংথামচা ঙাম্বা (জয়) (সম্পা) *মান্নেম লৈসেম্লোল অরিবা (অহানবা অমসুং অনীশুবা শরুক)* (ইম্ফালঃ থিংবাইজমচা টুতেশ্বর, ২০০০) লাঃ ১৮৮ ৮৯।

য়ামিন্নরগনি, খোঙবু ওইনা চৎমিন্নরগনি হায়বগী অরেপ্পা ৱাখলদা অফ-ফত্ত থম্বা তৌদনা লৌন-লৈনবা হায়বদি য়ুম পানমিন্নে। অসিগুম্বা মওঙ অসি লৌনবা য়াদবা, অহল-লম্মন মশেন য়ানদবা, অহল-লম্মন খঙহন্দনা য়ানবদগী হায়বদি অরোনবা মরী থম্বদগী থোক্কল্লি। মসিগী মতাংদা খূদম ওইনা *নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা* দা নাওথিংখোংনা শেল্লোই লংমাই য়ুমলেম্বম চনু পিতঙ্‌ঙাগা মতম খরা পান্নদুনা লৈমিন্নরম্বা অদু পনবা য়াই।[২]

(২) অহল-লম্মন হায়ন-শীংনরগা লৌন-লৈনহনবা— মখল অসিগী লৌন-লৈনহনবগী মওঙ অসি মৈতৈ খুনাইদা খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা থাক্তা পুখত্তুনা থম্লে। মসি সমাজ অদুগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিং অদুনা চাওখৎপা, লৈবাক মচা তাবা খুনবান-লৈপান অমা ওইরক্লবা, শিঙ্খা পাঙবা ঙম্বা মীওই অমমম ওইরক্লবা অমসুং মশা মশাগী মথৌ মশক খঙনরক্লবা মতমদা খ্বাইদগী হেন্না শীংথানরবা লৌন-লৈনবনি। মসি শাবী-শানৌ অনীদুগী মমা-মপা নৎত্রগা মখোয়বু কোনবিরিবা অহল-লম্মনশিং অদুনা মমৌ অমসুং ময়া থিবা নৎত্রগা খল্লকপদা শাগৈ সলাইগী খূৎকন পাঙ্গনবা, খুন অমগা অমগা নৎত্রগা লৈবাক অমগা অমগা মতেং পাংননবগী পাম্বৈ থিরকপদা থাক মান্নবা নৎত্রগা হেনবা কাঙলুপশিংগা চারৌ-মৌরৌনহন্দুনা ঙাই-শেলগী মরী শাগৎপনি। মসিগী খূদম ওইনা নুংবান পোম্পী লুৱাউবগীদমক মমা-মপানা কৌক্রনা য়োকচবী মচানুপী কৌবরোন নামোইনুবু হৈজিং খরাই পুদুনা লৌন-লৈনহনবা পনবা য়াই।[৩]

(৩) লানফা ওইনা পুরক্লগা লৌন-লৈনহনবা— মপাঙ্গল মথৌনা লৈরবা নিংথৌ অমসুং অকন-অথৌশিংনা মখোয় মখোয়গী লৈবাক্কী ঙমখৈ শন্দোক্লবা য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদা লান্দাদুনা নমথনবা নৎত্রগা লোই চনশিনবা হায়বসি ঙল্লিঙৈ মতমদা তোয়না থোক্লম্মী। মখোয়না লান তারুরিবা মফম অদু লৌশিল্লবা নৎত্রগা নমথরগা মমল য়াম্লবা পোৎ-চৈ শগোল, শামু, শন-ইরোই লোয়ননা লোই চনশিল্লবা লমদম অদুগী মশক মতৌ চঙখোল্লবী নিংঙোল কয়ামরুমসু পুরক্তুনা নিংথৌ নৎত্রগা অঙম-অথৌশিংগী তালোয়শিংদা চনশিল্লি। মসিগী খূদম ওইনা *তুতেংলোন* দা য়োইমোংবা অমসুং তাওথিংমাং অনীনা তুতেংবদগী হাওখা লোকখাদা লান তারুবদা লানফা ওইনা য়োইমোংবনা লাইতোংখু অমসুং লাইতোংহনবু তালোয় মরুম্বী ওইনা, অদুগা তাওথিংমাংনা হাওনুখু অমসুং হাওনুহন অনীবু তালোয় মরুম্বী ওইনা কংলৈদা পুরকপা অদু পনবা য়াই।[৪]

২। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ), *নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা* (ইম্ফালঃ সম্পাঃ মশা, ১৯৯৫), লাঃ ১।

৩। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ), *নুংপাল পোম্পী লুৱাউপা* (ইম্ফালঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি, ১৯৯১) লাঃ ১৬ - ১৮।

৪। নোংমাইথেম মনাও য়াইমা (সম্পাঃ), *তুতেংলোন* (ককচিংঃ এন চন্দ্রাবলি দেবী ১৯৮৮), লাঃ ২১। নাওরোইবম ইন্দ্রমনি (সম্পাঃ) *পাখংবা লাইহুই*, (ইম্ফালঃ নাওরোইবম মেধাবতি, ১৯৯৫), লাঃ ৩৭, ৩৮।

(৪) নমদুনা লৌন-লৈনবা— কনাগুম্বী মথোৎ কারক্রবী নুপী অমবু মাগী অপাম্বগী মায়োক্তা কনাগুম্বা নিপা অমনা অরোনবা শবৌ শীন্দুনা নৎত্রগা নমজা- নমথেক্তুনা নুপী ওইবীগী ইজৎ মাঙহনবদগী নুপী অদুনা মাগী ইজৎকীদমক খনবদগী নিপা অদুগী মখূৎ চনশিনখি। অসূম্না নিপানা নুপীবু নমদুনা লৌন-লৈনহনবগী মওঙ লৈবকই।

(৫) মুন্দুনা লৌবা— কনাগুম্বী মপুবোইবা লৈববী নুপী অমবু মতিক-মথৌনা লৈববা নিংথৌ নৎত্রগা অঙম্বা অমনা অপাম মীৎযেং চঙবদগী লান্দাদুনা নৎত্রগা মপুবোইবদু হাৎতোক্লগা নৎত্রগা নমথরগা লৌববু মুন্দুনা লৌবা হায়না খঙনবা য়াই। মসি ঙল্লিঙৈ মতমদা যান্না তোয়না থোকপা থৌদোক অমনি হায়বা য়াই। মসিগী খূদম ওইনা মৈতৈ নিংথৌ নাউখম্বনা থাংয়ি খোঙজ্রোম্ববু লান্দাদুনা মায়থীবা পীবগা মাগী তালোয় মরুম্বী যাওরৈমাবু নাউখম্বগী তালোয় ওইনা লৌখিবা অসি পনবা যাই।[৫]

মৈতৈ লৈবাক্তা ঙল্লিঙৈ মতমদগী ১৮শুবা শতাব্দীগী ময়ায ওইবা মতম ফাওবদা মীগী নুপীবু মুন্দুনা লৌবা নৎত্রগা অবোনবা মরী লৈনরগা লৌবা অসি হন্থনা খন্নববসু মবক মরক্তা অদুমক অঙম অথৌ নৎত্রগা নিংথৌনা তৌনবম্মী। মদুদি নোংপোক নিংথৌনা তবংখোইনুচাগী নুপী পাম্থোইবীবু লৌবা,[৬] নোংদা লাইবেন পাখঙবনা লৈনাওতাবীবু পোইবৈতোন্দগী মুন্দুনা লৌবা[৭], নাউখোম্বনা থাংযি খোঙজ্রোম্বগী নুপী যাওরৈমাবু লৌবা[৮], মৈদিংঙু লোইযুম্বনা চহুই লৈবোং পাম্বগী নুপী খ্বাংলাংমৈবেম্বীবু লৌনবগী শরৌ শীনবা[৯], মৈদিংঙু পামহৈবা (গরিবনিৱাজ) না ঈৱাংলোন থম্বালবু মপুরোইবদগী নমদুনা লৌবগা গোমতী হায়না মিংওন্দুনা মহারাণী ওইহনবা[১০] অদুগা অমরোমদা অমুক মৈতৈ নিংথৌ খৱান থাবনা মচানুপী চীংখৈথানবীবু খূমন নিংথৌ পুন্সিবদা পীবা, খূমন নিংথৌ পুন্সিবনসু মচানুপী চকপা শম্ফবীবু থৱান থাবদা পীবা[১১] অসিনা তাকপদি মিঙ্গৌদা মুংনবা (চযেৎনবা) লৈরবসু রাজনীতিদনা হেন্না লুনা খন্নবম্মী হায়বসু তাকই। অসিগুম্বা চাবৌ মৌবৌনবগী অমকপা মওঙ অসি লৈবাক্কী অঙম্বা নিংথৌতনা য়ারবসু মীচম প্রজাদদি চৈরাক লৈরম্মী হায়বদু অসূন্না তাক্লি:

৫। নোংমাইথেম মনাওয়াইমা (সম্পাঃ), *চেংলৈবোন* (ককচিংঃ এন চন্দ্রাবলি দেবী ২০০০), লাঃ ৪।

৬। মোইবাংথেম চন্দ্রসিং (সম্পাঃ) *পাম্থোইবী খোঙ্কুল* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৯৯) লাঃ ৪৯-৫৯।

৭। *থিবেল নানম্বা*, খূৎই লাইবিক, ফংফমঃ বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর থাঙ্গপাৎ মপান, ইম্ফাল।

৮। নোংমাইথেম মনাওয়াইমা (সম্পাঃ), *চেংলৈবোন* (ককচিংঃ এন চন্দ্রাবলি দেবী ২০০০), লাঃ ৪।

৯। থোকচোম থৌযাংবা মৈতৈ (সম্পাঃ), *চহুই লৈরোং পামপা* (ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮৮) লাঃ ৩২ ৩৪।

১০। বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা, *মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন-লৈনবগী ৱায়েল-ৱাখুল* (ইম্ফালঃ তান্না পব্লিকেসন্স, ১৯৯৮) লাঃ ১০।

১১। ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র (সম্পাঃ) *থৌৱান থাবা হিৱান* (ককচিং ঃ পিপলস 'ম্যুজিয়ম, ১৯৯৮) লাঃ ১০ - ১৫।

নিংথৌগী ইবেম্মাশিংদা মিৎয়েং নায়েংবা লান্নবা, মীগী মতু হুবা অসিদি মমিৎ হনলো,[১২]

অদুগা অমুক করিগুম্বদা থরা হন্থবা কাঙলূপ নৎত্রগা জাৎ ধর্ম্ম খেন্নরবদি ইহ্রোকপগী মওঙ অমসু লৈরম্মী। মদুদি লুব্বাং চনু খোংচোমনুপী মতা তরুকপু হাওকু পাখঙদা য়ুম্বানবগী মরী লৈনরুবগীদমক ইহ্রোকপা,[১৩] সলাম মচা অমনা বামোন কোনোক নুপী অমা লৌরুবগীদমক মতৈ-মনাওবু হাও জোংপন্দা লোই থাখিবা পনবা য়াই।[১৪]

নিপা-নুপী লৌন-লৈনবগী পথাপ অসি ঙল্লিঙৈগী মতমদা অসূন্না খায়দোক্তুনা ঙাক্লা চৎনরম্মী। মদুদি - (১) য়েক তিন্নবা (২) শাইরুক তিন্নবা, (৩) পেন তিন্নবা, (৪) লৈনুং পেন তিন্নবা, (৫) মুংনবা, (৬) ঈ ওন্নবা, (৭) ঙাক্লবা, (৮) জাৎ তিন্নদবা। কনাগুম্বনা হায়রিবা চৎন-পথাপ অসি কায়রক্লবদি লোই থাবা, ইহ্রোকপা, ব্রাকোঙহনবা, হান্নগী ফমদগী হন্থহনবা অসিনচিংবা চৈরাক ওইনা পী।

(১) য়েক তিন্নবা— পুকোক তিন্নবা হায়বদি মীশক অমত্তদগী খায়থ শমথরকপা নৎত্রগা চাদা নাওদারকপা ঈ তিন্নবা শাগৈ, য়ুম্নাকশিং পুন্নমক্তুবু য়েক তিন্নবা হায়না কৌই। য়েক তিন্নবা য়ুম্নাক শাগৈ অমগা-অমগা লৌন-লৈনবা তৌনদে। মৈতৈ লৈবাক্তা মীরৈবাক্তগী হায়বদি নোংচুপ অমসুং নোংপোক হারমগী মীওই কয়া খুন হোংলকপা মীওই কয়াশিং অদুসু নিংথৌনা য়ুম্নাক পীদুনা য়েক সলাই অমদা তিলহনবী। অসূন্না মখোয়শিং অসিসু মান্নদবা য়েক সলাইশিংগা নিপা-নুপী লৌন-লৈনবগী পথাপ অসি ইন্দুনা চৎলম্মী। কনাগুম্বনা মসিবু থৌওইদদুনা লৌনরবদি মখোয় অনীবু দণ্ডিগী মশক ওইনা লাই-তীনগী থবক থৌরমদা য়াওহন্দে।

(২) শাইরুক তিন্নবা— কনাগুম্বা মীশক অমত্তদগী খায়থরকপা চাদা নাওদাশিংনা অতোপ অতোপ্পা ফুরূপ কাঙলূপ ওইনখিদুনা তোঙান-তোঙানবা য়েক্তা চঙনববু শাইরুক তিন্নবা কৌই। খূদম ওইনা নোংদা লাইরেন পাখঙবনা খাবা ফান্দোংবগা ফম্বাল মুন্নঙৈদা পাখঙবনা ইম্ফাল কংলৈদগী চেনখিদুনা মোইরাংগী লোইরেন সনাপুংদা লৈবা মতমদা মূংমাং চাউবা অমসুং তাংক্রুক লুম্মিবা মচা নিপা অনী পোকই। মূংমাং চাউবনা

১২। খুলেম চন্দ্রশেখব (সম্পাঃ) *লোয়য়ম্বা শিনয়েন* (ইম্ফাল ঃ শ্রী মোইরাংথেম ইবোতোম্বী সিংহ, ১৯৭৫) লাঃ ৩৪।

১৩' মোইরাংথেম নরেন্দ্র (সম্পাঃ) *খোংচোমনুপী নোংকারোল* (ইম্ফাল ঃ পোক্নফম পব্লিকেসন্স, ১৯৯৫) লাঃ ৩০ - ৩২।

১৪। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফালঃ মণিপুবী সাহিত্য পবিষদ, ১৯৮৯) লাঃ ৩৪৮।

সোরায়েনগী মচানুপী অরাই লৈমগা পান্নদুনা মাগী ঈবু মুংয়াংজম হায়না খঙনখি। তাংক্রুক লুম্মিবগী ঈনা লোইরেনচম হায়না খঙনদুনা মোইরাং অরিবা সলাইদা তিন্নখি। মরম অসিনা য়ুম্নাক অনী অসি মোইরাং অরিবা সলাই ওইজরবসু অশেংবা মকদদি নিংথৌজাগী ঈ ওইবনা নিংথৌজা সলাইগা শাইরুক তিন্নে হায়বগীদমক লৌনহেদে।[১৫] মৈতৈগী চৎনবীদা শাইরুক মরি হায়দুনা লৈ। মদুদি-

(১) মোইরাং অনৌবগা অঙোমগা শাইরুক তিন্নে।

(২) খুমনগা লুরাংগা শাইরুক তিন্নে।

(৩) খাবা ঙানবগা চেংলৈ সলাইগা শাইরুক তিন্নে।

(৪) মোইরাং অরিবগা ঙানবা সলাইগা শাইরুক তিন্নে।[১৬]

শাইরুক তিন্নবা অসি মখল অনী গুই, মদুদি -

(ক) শাইরুক অচৌবা অমসুং (খ) শাইরুক মচা।

(ক) শাইরুক অচৌবা - মসি নিপা হায়বদি মপাগী ঈ মরীগী চাদা-নাওদানি। কনাগুম্বা নিপা অমনা খেন্ন-খেন্নবা মমাশিংদা পোকপা মচানিপাশিংগী মরক্তুগী অতোপ্পা য়েক সলাইগী মীনা য়োকখিদুনা য়োক্লিবা মী অদুগী য়েক সলাইদা চঙখ্রবদি হায়রিবা য়েক অদুগী য়ুম্নাক অদুগা মপাগী য়েক্না লৌন-লৈনবা য়াদে। মসিবু শাইরুক অচৌবা হায়না খঙনৈ।

(খ) শাইরুক মচা - মসি মমা হায়বদি নুপীগী ঈ মরী তিন্নবা চাদা -নাওদানি। মসিবু পী নৎত্রগা পেন তিন্নবা হায়না খঙনৈ। লৈনুং পেন তিন্নবা নত্তনা অতৈ পেন তিন্নবা মখলশিংদি - মমা মমা মচিন-মনাও ওইবা, মমাগী মবুঙ নৎত্রগা মৌপ্পাগী মচাশিং, মপাগী মচন নৎত্রগা মচেগী মচাশিং অসিনচিংববু পী নৎত্রগা পেন তিন্নবা হাযনা খঙনৈ। মখোয় অসি অকক্লবা মীবোন অহুম লাম্থরবদি লৌন-লৈনবা য়াহল্লম্মী।[১৭]

(৩) পেন তিন্নবা— মথক্তা শাইরুক মচাদা পঞ্জখ্রিবদুনি।

(৪) লৈনুং পেন তিন্নবা— কনাগুম্বী নুপী অমনা কনাগুম্বা য়ুম্নাক অমগী নিপাদা ময়ুম পান্লুরগা মচা লৈরবা মতুংদা অমুক অতোপ্পা নিপা অমদা ময়ুম পান্দুনা মচা পোক্লবদি মচা অনী অদু মপা তিন্নদবা মমা তিন্নবা মচিন-মনাও হায়না লৌই।

১৫। তাকপিরকপা পদ্মশ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (চহী ৮৭), উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকায়, ইম্ফাল।

১৬। বি কুলচন্দ্র শর্মা, *মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন-লৈনবগী বাযেল-বাখুল* (ইম্ফালঃ তাম্রা পব্লিকেসন্স ১৯৯৮) লাঃ ৯৬।

১৭। মথক্কীসিদা লাঃ ৯৮।

মখোয়শিং অসিগী চাদা-নাওদাশিং অসি য়েক তিন্নব্রবসু পেন হায়বদি মবেন অমত্তগী মশু ওইবনা লৌন-লৈনবা য়াদে। অসিগুম্বা মবেন তিন্নবা কাঙবু অসি লৈনুং পেনতিন্নবা কৌই।[১৮]

(৫) মুংনবা— লৌন-লৈনবগী মরীসিদা নিপা নুপী লৌন-লৈনবদা পামদবা মহৈ থোক্লকপা য়াবা য়ুম্নাক শাগৈগী মীশকশিংবু মুংনবা হায়না খঙনৈ। মুংনবা অসি মখল কয়ামরুম লৈ, মরু ওইবা খরদং পন্নবদা ঈ মুংনবা, মিঙৌ মুংনবা পনবা য়াই।

ঈ মুংনবা হায়বসি মপা মমা অমত্তনা পোকপা মচা নুপী অনী তোঙান-তোঙানবা য়ুম্নাক্কী মীশকশিংদা থাজখ্রগা মখোয়না পোক্লবা মচা-মশুশিং অদু য়েক তিন্নব্রবসু ঈ মুংনবা মরম্না লৌনবা য়াদে। অদুবু মীরোন মঙা লাম্ছোরক্লবদি মুংনদ্রে হায়দুনা অমুক লৌনবা য়াই।[১৯]

মিঙৌ মুংনবা হায়বসিনা নিপাগী মমাগা মমিং মান্নবী নুপীবু মিঙৌ মুংনৈ হায়দুনা লৌনহৈদে। করিগুম্বা লৌনরবসু নুপীগী মমিং ওহ্লোকপা চৎনৈ।।

(৬) ঈ ওন্নবা— কনাগুম্বা নুপী অমনা নিপা অমদা ময়ুম পাল্লুরগা মীরোন্দুনা মবুক্তা অঙাং য়াওনা অতোপ্পা য়ুম্নাক শাগৈগী নিপা অমদা ওংখ্রবদি শাগৈ অনীদুগী মরক্তা মক ওইনা ইমুং অনীদুগী মরক্তা ঈ ওন্নখিবনা মরম ওইদুনা লৌন-লৈনবা তৌনদে। মসিগী অকক্লবা মীরোল পীদ্রবসু মৌ থিবা অমসুং থাজ য়োনজবা মতমদা য়াম্না কুপ্না চেকশিন্না য়েংনৈ।[২০]

(৭) ঙাক্লবা— ঈকায় খুম্নবা উৎপা, নুংশি-চান্নবগী মরী থন্নবা, তৌবিমল খঙবা উৎপা, মমা মপা শক্ল নাওয়োক নাওকোনবিরকপা, লানফমদা থবায় কন্নখিবগী হৌন খঙবা উৎপা ওইনা শাগৈ, য়েক, শারুক্লচিংবা তিন্নদবা মরী মতা শুকথোক থোক্লদবা অমসুং লৈমিন-চামিন্নরক্তবা য়ুম্নাক অনীগী মরক্তা অমগা অমগা লৌন-লৈনবা তৌনদে। অমনা অমবু অফবা ব্বাখলদা মচিন-মনাও নৎত্রগা য়াম্না নক্লবা মরী মতাগুম খন্নৈ অমসুং মীশক অনীদুগী চাদা-নাওদা ফাওবদা লৌন-লৈনবা তৌনদে। মদুদগী অথিংবা ওল্লকই। অসিগুম্বা মখলগী লৌন-লৈনবগী কাঙলোন অসিবু ঙাক্লবা হায়না খঙনৈ।[২১]

১৮। বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা, *মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন-লৈনবগী ব্বায়েল-ব্বাথুন* (ইম্ফাল তাম্রা পব্লিকেসন্স, ১৯৯৮), লাঃ ৯৯।

১৯। *সম্বন্ধি নির্ণয়*, খূৎই লাইরিক, ফংফম ঃ নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

২০। মথক্কীসিদা।

২১। বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা, *মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন-লৈনবগী ব্বায়েল-ব্বাথুন* (ইম্ফালঃ তাম্রা পব্লিকেসন্স, ১৯৯৮), লাঃ ১০২, ১০৩।

(৮) জাৎ তিন্নদবা— কাণ্ডলূপ তিন্নদবা, লাইনীং লীচৎ, ফিজেৎ-চাকচা, য়ুমলৈ-কৈরে মান্নদবা মীওই ফুরূপশিংবু জাৎ তিন্নদবা হায়না খঙনৈ। অসিগুম্বা কাণ্ডলূপ তিন্নদবা অমগা অমগা লৌন-লৈনবা অসি ওল্লিদৈঙে মতমদদি অথিংবা লৈরম্বগী মওঙ উবা ফংদে। অদুম ওইনমক থেংথরক্লবা মতমদদি অথিংবা অসি লৈরম্বগী মওঙ উবা ফংই। অসিগুম্বা অথিংবা মওঙ অসি লৈদুনসু ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌ মশামক্লা মচানুপীবু তেখাও নিংথৌ অমসুং তখেল নিংথৌদা রাজনীতিগীদমক থাজরম্বা, মহারাজ বোধচন্দ্রনা নেপাল নিংথৌগী মচানুপী ঈশ্বরীবু লুহোংদুনা লৌবা[২২] অসিনা তাকপদি নিংথৌ নিংথৌগী মচা মশুশিংনা জাৎ তিন্নদবা নিঙোল লৌবদদি মওঙ অসিগী চারৌ মৌরৌনবসি খরা কোমথোকপগী মশক উবা ফংই।

২২। লাইরেনমযুম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ) *চৈথারোল কুম্বাবা* (ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯) লাঃ ৬৩৬, ৬৩৭।

বিব্লিওগ্রাফি

(ক) মণিপুরী

(অ) লাইরিক

অমুবী, ইরোম (সম্পাঃ)। *লৈহৌ নাউফমলোল*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮১।

অমুবী, ইরোম, নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, ওইনাম ভোগেশ্বর, নামৈরাকপম ইবোচৌবা (সম্পাঃ) *শাগৈ শলাইরোল* ইম্ফালঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি, ১৯৯৪।

ইন্দ্রমনি, নাওরোইবম (সম্পাঃ)। *পাখংবা লাইহুই*। ইম্ফালঃ নাওরোইবম ওংবী মেধাবতি, ১৯৯৫।

ইন্দ্রমনি, নাওরোইবম (সম্পাঃ)। *পেন্‌লোন্ তেংথা*। ইম্ফালঃ নাওরোইবম দেবিদ, ১৯৯৮।

ইবুংঙোহল, লাইরেনময়ুম অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পাঃ)। *চৈথারোল কুম্বাবা*। ইম্ফাল ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৯।

ইবোচৌবা, এন (সম্পাঃ)। *থিরেল লায়াৎ*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮১।

ইবোচৌবা, এন (সম্পাঃ)। *থিরেন মৈরম লীবা*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮২।

ইবোচৌবা, এন (সম্পাঃ)। *থারোন*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮২।

ইবোমচা পেবম (সম্পাঃ)। *শিংককুলেন মিকৌবোন্ খঙঙোই য়াংঙোই সেকনিং থিরেন মৈরম লিবা*। ইম্ফাল ঃ পেবম ওংবী একাশিনি দেবী, ১৯৯২।

ইবোহনবী, থোকচোম। *অঙনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা ইমেজরি*। ইম্ফাল ঃ কল্পনা পব্লিকেসন্স, ১৯৯৭।

কাংজীয়া, এনজী। *কংলৈ ঈয়েক্কী বারী*। ইম্ফালঃ কংলৈ পব্লিসিং হাউস, ১৯৯৬।

কুলচন্দ্র, ঙারিয়াম্বম (সম্পাঃ)। *সদিং পুয়া*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮২।

কুলচন্দ্র, ঙারিয়াম্বম (সম্পাঃ)। *চকপালোন খুনতাবা*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৯৩।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *চাদ লাইহুই*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৬৬।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ) *নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৬৭।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *চায়নরোল*। ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৬৮।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *লাংগোই শগোল থাবা*। ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৬৮।

খেলচন্দ্র নিংথৌখোংজম। *অরিবা মণিপুরী লোনগৈ*। ইম্ফালঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী, ১৯৭৮।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *খুমন কংলৈরোন*। ইম্ফালঃ অতোম্বাপু রিসার্চ সেন্টর, ১৯৮০।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *চীঙ্গোইরোল*। ইম্ফালঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি, ১৯৮২।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *ফমলোন*। ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮৭।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *চোথে থাঙরায় পাখংপা অমসুং নুংপান পোম্পী লুরাউপা*। ইম্ফালঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি, ১৯৯১।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম (সম্পাঃ)। *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস*। ইম্ফালঃ চিরোম য়াইমবী দেবী, ১৯৯২।

গুনেশ্বব, রাজকুমার সনাহল। *মৈত্রবাক্কী থাঙ তাগী মরোন*। ইম্ফালঃ অইবা মশা, ১৯৮১।

গৌরচন্দ্র, ময়াংলম্বম (সম্পাঃ)। *খম্লাং পাবারী অহুইরোন*। ককচিংঃ সম্পাদক মশা, ১৯৭৭।

গৌরচন্দ্র, মযাংলম্বম (সম্পাঃ)। *মৈতৈ কংলৈরোন*। ককচিংঃ পিপলস' ম্যুজিয়ম, ১৯৮৯।

গৌরচন্দ্র, ময়াংলম্বম (সম্পাঃ)। *থৌরান থাবা হিরান*। ককচিংঃ পিপলস' ম্যুজিয়ম. ১৯৯৮।

গৌরচন্দ্র, ময়াংলম্বম (সম্পাঃ)। *লম্মীৎলোন*। ককচিংঃ পিপলস' ম্যুজিয়ম, ২০০৪।

ঙাম্বা (জয়), চোংথামচা (সম্পাঃ)। *মাপ্লেম লৈসেম্লোল অরিবা*। ইম্ফালঃ থিংবাইজমচা টুতেশ্বর, ২০০০।

চন্দ্রশেখর, খুলেম (সম্পাঃ)। *লোয়য়ম্বা শিনয়েন*। ইম্ফালঃ ওল মমিপুর উমংলাই হরাউবা কমিটি, ১৯৭৫।

চন্দ্রশেখর, খুলেম (সম্পাঃ)। *ঈরাৎ লাইশোল* । ইম্ফালঃ মৈতৈ ময়েক ওর্গেনাইজিং এণ্ড রিসার্চ এসোসিএশন, ১৯৮৪।

চন্দ্রশেখর, খুলেম (সম্পাঃ)। *ফিদম বারেং (অহানবা)* ।ইম্ফালঃ মৈতৈ ময়েক ওর্গেনাইজিং এণ্ড রিসর্চ এসোসিয়েশন, ১৯৮৪।

চন্দ্রশেখর, খুলেম (সম্পাঃ)। *ফিদম বারেং অনিশুবা শরুক* । ইম্ফালঃ মৈতৈ ময়েক ওর্গেনাইজিং এণ্ড রিসর্চ এসোসিয়েশন, ১৯৮৬।

চন্দ্রশেখর, খুলেম (সম্পাঃ)। *শাকোক লমলেন অহানবা* । ইম্ফালঃ ওল মণিপুর উমং লাই হরাউবা কমিটি, ১৯৯২।

চন্দ্রশেখর, খুলেম (সম্পাঃ)। *ইনাৎকী হরাউ কুম্মৈ* । ইম্ফালঃ মৈতৈ ময়েক ওর্গেনাইজিং এণ্ড রিসর্চ এসোসিয়েশন, ১৯৯৪।

চন্দ্রশেখর, খুলেম (সম্পাঃ)। *মসিল* । ইম্ফালঃ মৈতৈ ময়েক ওর্গেনাইজিং এণ্ড রিসর্চ এসোসিয়েশন, ১৯৯৭।

চন্দ্রশেখর, খুলেম (সম্পাঃ)। *লুবাংলোন খোঙকুল* । ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ...।

চন্দ্রসিং, মোইরাংথেম (সম্পাঃ)। *পোইরৈতোন খুন্থোক* । ইম্ফালঃ পোক্রক্ষম পব্লিকেসন্স, ১৯৯৫।

চন্দ্রসিং, মোইরাংথেম (সম্পাঃ)। *পান্থোইবী খোঙ্কুল* । ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৯৯।

চাওবা, কাঙবম (সম্পাঃ)। *পাখংপা নাউয়োম* ।ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮৫।

তম্ফাজাও, য়ুম্নাবা। *মীতৈ ময়েক্ ১৮গী কাঙলোন্ অমসুং বাঙউলোন*।ইম্ফালঃ মঙাংচা কৈশাম ইবোমচা, ১৯৯২।

তোম্বী, নোংমাইথেম অমসুং থোকচোম, ইবোহনবী (সম্পাঃ)। *মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস*। ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ। ২০০১।

তোম্বা, সাপম। *মীতৈলোনগী ঈতীহাস অমসুং বানান* । ইম্ফালঃ মণিপুরী রাইটরস এসোসিয়েশন, ১৯৯৮।

তোংব্রা, দি: এস: (দোরেন)। *কংলৈ ইয়েক্ তম্নব অরাইব মপী লাই রিক্ অহানব* ।ইম্ফালঃ ওল মণিপুর মীতৈ ময়েক রিসার্চ এন্দ ত্রেনিং বোর্ড, ২০০২।

থম্বাল, সলাম। *অন্দ্রো খুন্দা লৈতারকপা অমসুং মৈহৌরোলগী চৎনবীশিং* । অন্দ্রোঃ সলাম মেমচা দেবী,

থৌয়াংবা, থোকচোম (সম্পাঃ)। *চহুই লৈরোং পাম্পা* । ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৮৮।

নরেন্দ্র, মোইরাংথেম (সম্পাঃ)। *খোংচোম্নুপী নোংকারোল্* ।ইম্ফালঃ পোরুফম পব্লিকেসন্স, ১৯৯৫।

নরেন্দ্র, মোইরাংথেম (সম্পাঃ)। *কৌবরেল্ খুন্গুম্* । ইম্ফালঃ এম. চন্দ্রসিং মেমোরিয়েল্ মনুস্ক্রপ্ট লাইব্রেরি, ১৯৯৬।

নোংলেনখোম্বা, হাওবা (সম্পাঃ)। *মৈহৌপালোল লাথুপ* । ইম্ফালঃ লৈশেম পাথৌ থৌকাইলোল, ১৯৯৬।

বিলাসিনী, হাওবম (সম্পাঃ) *নিংথৌরোল লম্বুবা* ।ইম্ফালঃ সম্পাদিকা মশা, ১৯৯৪।

বুদ্ধিচন্দ্র, য়ুন্নামচা (সম্পাঃ)। *থালোয-নোংখায়লোন* ।ইম্ফালঃ ঈনাৎ কন্নবা অমসুং সেমগৎ সাগৎপা লুপ, ১৯৮৬।

ভোগেশ্বর, ওইনাম (সম্পাঃ)। *নিংথৌরোল লমবুবা* ।ইম্ফালঃ সম্পাদক মশা, ১৯৬৭।

ভোগেশ্বর, ওইনাম (সম্পাঃ)। *নুমিৎ কাপ্পা*।ইম্ফালঃ ইউনিভর্সেল লিটরেরি এসোসিয়েসন, ১৯৭৭।

ভোগেশ্বর, ওইনাম (সম্পাঃ)। *শাগৈ শলাইরোল*। ইম্ফালঃ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি, ১৯৮২।

ভোগেশ্বর, ওইনাম। *মৈতৈ ময়েক মপী তন্নবা লাইরিক* । ইম্ফালঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৯০।

ভোগেশ্বর, ওইনাম (সম্পাঃ)। *সনামহি লাইকন*।ইম্ফালঃ তাম্রা পব্লিকেসন্স, ১৯৯৫।

ভোগেশ্বর, ওইনাম অমসুং জনাব খাঁ (সম্পাঃ)। *নোংসামৈ* ।ইম্ফাল এম. জে. খাঁ, ১৯৭৩।

মনাও য়াইমা, নোংমাইথেম (সম্পা:)। *তুতেংলোন* ।ককচিং: এন. চন্দ্রাবলি দেবী, ১৯৮৮।

মনাও য়াইমা, নোংমাইথেম (সম্পা:)। *চেংলৈরোন* ।ককচিং: এন. চন্দ্রাবলি দেবী, ২০০০।

মনিজাও, নিংডোম্বম (সম্পা:)। *মতমগী খোঙ্লৈ তাকপা পুয়াশিং* । ইম্ফাল: সম্পাদক মশা, ১৯৯৮।

মাধব, থোংঙাম অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র (সম্পা:)। *খুনুং লিচৎ শাজৎ* ।ইম্ফাল: থোংঙাম মাধব, ১৯৭০।

মৈতৈ, লুবাং পাকা (সম্পা:)। *সলাই য়ুমচংবা হাথরোন* ।ইম্ফাল: পোঈরৈ ঈনাৎ শিন্দমশঙ, ১৯৮৬।

রাজকুমার, কোকঙাংসনা (সম্পা:)। *কংলৈ লংবা পাখংবা* ।ইম্ফাল: নিংথৌ মচা মনিসনা, ১৯৮৭।

লুবাং, নোংথোনবমচা অঙৌ (সম্পা:)। *নিংথৌ কাঙবলোন* । ইম্ফাল: তাম্রা পব্লিকেসন্স, ২০০২।

শমচেৎশাবা, এম. কে. (সম্পা:)। *ফম্বাল মশিন* । থৌবাল: শলুংফম কালা মেমোরিয়েল ম্যেনুস্কৃপ্ট লাইব্রেরি ১৯৯৮।

শমচেৎশাবা, এম. কে. (সম্পা:)। *শৌবোল লাইরিম্বী* । থৌবাল: শলুংফম কালা মেমোরিয়েল ম্যেনুস্কৃপ্ট লাইব্রেরি ২০০২।

শৰ্ম্মা, চিত্রেশ্বর (সম্পা:)। *মৈতৈগী হোঙনেম্বা অমসুং উক্রোং হোঙবা* ।ইম্ফাল: চিন্তা পব্লিকেসন, ২০০৩।

শৰ্ম্মা, নন্দলাল। *মৈত্রবাক* ।ইম্ফাল: ও: কে: ষ্টোর, ১৯৬০।

শৰ্ম্মা, ফুরাইলাৎপম ইবোতোন। *মীতৈ ফিজেৎ লৈতেং* । ইম্ফাল: অইবা মশা, ১৯৯০।

শৰ্ম্মা, বি, চিত্রেশ্বর অমসুং এন. কুঞ্জমোহন (সম্পা:)। *বারেং-বাখল* ।ইম্ফাল: সম্পাদকশিং, ১৯৭৩।

শৰ্ম্মা, বি: কুলচন্দ্র। *মৈত্রবাকী খুম্বোক-খুন্দরোল*।ইম্ফাল: তাম্রা পব্লিকেসন্স, ১৯৯৭।

শৰ্ম্মা, বি: কুলচন্দ্র (সম্পা:)। *খুমন্ নিংথৌরোন লম্বুবা*। উৎলৌ: এল: লোকেন, ১৯৯৮।

শৰ্ম্মা, বি: কুলচন্দ্র। *মৈতৈগী লুহোংবা অমসুং লৌন-লৈনবগী বায়েল-বাখুল*। ইম্ফাল: তাম্রা পব্লিকেসন্স, ১৯৯৮।

শৰ্ম্মা, বি: কুলচন্দ্র। *মৈতৈগী মচুগী মনাৎ*। ইম্ফাল: বি: রোসন মেনুস্ক্রিপ্ত লাইব্রেরী, ২০০০।

শৰ্ম্মা, বি: কুলচন্দ্র। *মৈদিংঙু গরিবনিবাঝ/ময়াম্বা* ।ইম্ফাল: চিরোম যুগেশ্বর সিংহ, ২০০০।

শ্যামকহাই, ক্ষেত্রিময়ুম। *মণিপুরগী লৈশ্রাক্রোন অমসুং লৈশ্রাক পথাপকী ইতিহাস*। ইম্ফাল: অইবা মশা, ১৯৭৮।

সনাজাওবা, এন:। *মণিপুর পুৱারী কুনগুবা চহিচা*। ইম্ফাল: নেসনেল রিসার্চ সেন্তর, ১৯৯৭।

হেমচন্দ্র, চনম (সম্পা:) । *পাখংবা লাইহুই, পাখংবা ফমবাল,কংলা হওবা*।ইম্ফাল: সম্পাদক মশা, ১৯৯৭।

হেমচন্দ্র অমসুং কুলচন্দ্র (সম্পা:) । *থাঙমইলোন*।ইম্ফাল: সম্পাদকশিং, ১৯৮৯।

য়াইমা, খুমল্লম্বম (সম্পা:)। *পাখংবা ফম্বাল* । ইম্ফাল: সম্পাদক মশা, ১৯৬৭।

য়াইমা, খুমল্লম্বম (সম্পা:)। *কংলা লৈয়াৎ*। ইম্ফাল: সম্পাদক মশা, ১৯৮৭।

য়াইমা, খুমল্লম্বম (সম্পা:)। *অরিবা শিহ্লোং* । ইম্ফাল: শ্রীঅসেম ইবোমচা সিংহ, ১৯৮৮।

য়েংখোয়বা, ভাগ্য (সম্পা:)। *লৈথক-লৈখারোণ* । ইম্ফাল: শ্রীমতি হৈমবতী, ১৯৯৪।

মণিপুরীগী মরমদা ৱারেং। ইম্ফাল: মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮২।

মীতৈ লাইনিং (সেমিনার পেপর)।ইম্ফাল: খোংনাং থাবা প্রেস, খুরাই লমলোং, ১৯৯৭।

(আ) চেকোঙগী আর্টিকল

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম। "লম"। *সাহিত্য* ৪০ - ৪১শুবা মশীং, ইম্ফাল ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ।

খেলচন্দ্র, নিংথৌখোংজম। "মণিপুরদা পাল্লম্বা মৈতৈ কাঙ্লুপশিংগী মরমদা নৈনবা"। *সাহিত্য* ২২শুবা মশীং, ইম্ফাল ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আগষ্ট, ১৯৭৪।

চন্দ্রসিং, মোইরাংথেম। "মণিপুরী সংস্কৃতি ইতিহাসকী শক্তম খর"। *সাহিত্য* ২৩শুবা মশীং, ইম্ফাল ঃ মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৭৫।

(ই) সেমিনার পেপর

বাহাদুর, মুতুবা। "মণিপুরী সংস্কৃতিদা ফিজেৎ লৈতেং"। ইম্ফাল ঃ দি কলচরেল ফোরম, মণিপুর, মে ২৬, ২০০২।

রঘুমনি, দা: ৱারীবম। "মণিপুরি লোল্‌গি বানান্ কাঙলোন্, ১৯৬৯ নৈনব মীৎয়েং অম"। ইম্ফাল ঃ মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ দিবলপমেন্ট সোসাইটি, জুন ২৬-২৭, ১৯৯৯।

(ঈ) খুৎই লাইরিক

"কংলা হৌবা"। ফংফম: নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

"খল্লাংবা খুনগুমলোন"। ফংফম: নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

"চীংঙুরেম্বী খোঙলুপ"। ফংফম: নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

"থিরেল লানম্বা"। ফংফম: বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর থাঙপাৎ মপাল, ইম্ফাল।

"নিংথৌ ফি শাবা"। ফংফম: নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

"পুরোই মশিন"। ফংফম: নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

"শঙ পান্নবা পুন্নমক্কী মশিল"। ফংফম: বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা, ব্রহ্মপুর থাঙপাৎ মপাল, ইম্ফাল।

"শঙলোন"। ফংফম: নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

"সম্বন্ধি নির্ণয়"। ফংফম: নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, উরিপোক, ইম্ফাল।

(খ) ইংরাজী লাইরিক

Barua, Rai Sahib Golap Chandra (Ed.). *Ahom Buranji.* The Assam Government, 1930.

Bhagyachandra, L. *A Critical Study of the Religious Philosophy of the Meiteis Before the Advent of Vaisnavism in Manipur*. Imphal: L. Jayanta Kumar Singh, 1991.

Bhattacharjee, Jayanta Bhusan. *Cachar under British Rule in North East India* New Delhi: Radiant Publishers, 1977.

Brown, R. *Statistical Account of Manipur*. Delhi : Sanskaran Prakashak, 1975.

Devi, K. Indrani, *Report of the Khangabok Excavation, 1996 Manipur* Imphal: State Archaeology: Art & Culture Department, 1999.

Diringer, David. *The Alphabet Vol. 1*. London W_1 Hutchinson & Co. (Publishers) Ltd., 1968.

Diringer, David. *The Alphabet Vol. 2*. London W_1 Hutchinson & Co. (Publishers) Ltd., 1968.

Hodson, T.C. *The Meitheis.* Delhi: Low Price Publications, 2003.

Iboongohal, Lairenmayum. *Introduction to Manipur.* Imphal: S. Ibochaoba Singh, 1987.

Jhalajit, R.K. *A Short History of Manipur* Imphal: O.K. Store, 1965.

Jhalajit, R.K. *A History of Manipuri Literature* Imphal: Manipur University, 1987.

Johnstone,Sir James. *Manipur and Naga Hills.* Delhi : Manas Publications, 1990..

Kirti, M. *Religious Development of Manipur in the 18th and 19th Century* Imphal : Manipur State Kala Academi, 1980.

Mackenzie, Alexander. *The North East Frontier of India*

New Delhi: Mittal Publications, 2004.

Pemberton, R.B. *The Eastern Frontier of India* New Delhi: Mittal Publications, 2000.

Singh, O.K. *Archaeology in Manipur* Imphal: 1983.

Yumjao, W. *An Early History of Manipur,* Imphal:

W. Lalmani Singh, 1966.

A Report of the State Archaeology Department, Directorate of Social Welfare and Arts & Culture, Manipur, 1988.

(গ) বেঙ্গলী লাইরিক

গুহ, উপেন্দ্র। কাছাড়ের ইতিবৃত্ত। গুয়াহাটী: অসম প্রকাশন পরিষদ, ১৯৭১।